


রবীন্দ্রনাথকী

ৱারী খরা

থোইবী দেবী
বাবু সিংহ

ছীরম M.A.F

রবীন্দ্রনাথকী

বারী খরা

পোষ্ট মাষ্টর

থবক তৌবা হৌবগা পোষ্ট মাষ্টর উলাপুর খুন্দা লাকপা তারম্মি। খুল অদু য়াম্না পিকই। মনাক অচুম্বাইদা নীলগী কারখানা অমা লৈ, কারখানাগী সাহেব অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনজুনা পোষ্ট অফিস অসি লিংখৎলিবনি।

ঐখোয়গী পোষ্ট মাষ্টর অসি কলিকাতাগী মীনি। ঈশিংগী ম্ভাবু কংফান্দা পুথংলগা চাগী ওইরিবা ফিভম অদু পোষ্ট মাষ্টরগীস্থ খুল অসিদা ওইবম্মি। মফম অসিদা লৈবসি মহাক য়াম্না হৈনবয়দে। মহাক্কী অফিস অমম্তুং লৈনবা শঙ অদু ইগী মমুবা য়ুম মচা অমদা ওইরম্মি; থোইনা লাপ্তুনা পুখ্রি মচা অমস্থ লৈ শদুগা মাথকৈ মরি-মক্তা মংলবা উমংনা কোয়শিল্লি। কারখানাদা থবক তৌরিবা মীশিং অদুগী অহাঙবা মতম লৈরমদে; অদুগী মথক্তা মখোয়সিং অসি খরা চাওথংপা মীওইশিংগা তিন্নবদস্থ মতিক চাদে।

থোইদোক্না কলিকাতাগী মীশিংনা অতোপ্পা মীশিংগা তিন্নবসি কয়া হৈনদে। অদুনা শক শঙনদবা মফমদা চংলগা, চাউথোকপদি নত্তনা, বা ওাংদনা তুমিন্না লৈবা তারম্মি। মরম অসিদগী মফম অদুদা লৈরিবা মীশিংগা মহাক্না তিন্ন-তোৎনবা তৌদ্রে। মহাক থবকপু

থোইনা চিন্দে। করিগুম্বা মতমদা মহাক্না শৈরেং পরেং অমা অনি ইনবন্নু হোংদ্রে। মতুদা রাখল অমু অস্তুকী মতিক ষুংভাই মতুদি উনাশিংগী ভনিকপা অমস্তুং অতিয়াগী লৈচিল য়েংদুনা পুল্লি লুংভাংনা লেনবা ভম্মি—অদুবু মীওইবগী পুক্লিংবু মমুঙ কাওনা উরবা মহাক্লনা খঙগনি মতুদি আয়বা উপন্যাসকী কনাগুম্বা লাই অমা লাক্লুনা অহিং অমগী মমুঙদা উশা, উনা-না খল্লবা উপাম্বীশিং য়াম্বত্তুনা নিংথিরবা লম্বী শেম্বীরবা, অদুগা দলাল পরেং পরেংনা নোংবু মিংয়েংগী রাংমদা থিংদুনা থম্বিখ্রবা, অদু ওইববদি তথ্বায় অমা শিরবা পুকচেল চাউরবা মী অসিগী অনৌবা পুন্সি কংবা ভমগনি হায়বসে। পোষ্ট মাষ্টরগী ভলব য়ামদে। মশানা চাক থোংদুনা চাজৈ, মপা মমা লৈজত্রবী খুল অদুগী লুপীমচা অমনা মহাক্না থবক ইত্থাং তৌবি, অদুগা মহাক্না চাক অদুনা মথোয় অনি য়েন্নদুনা চান্নিম্নৈ। লুপী মচা অদুগী মমিং রতন কৌই। চহী তরানিথোই, হুমদোই শুরে অদুবু মযুম মকৈ পান্নিঙবগী থোইদোকপা ঈরাং উদে।

ল্লমিদাংল্লাইগী মতমদা বঙ্গোন্দগী মৈখুনা থেক্কা থোইনা কারকপা, হরিনোংনাংনা মোংশোং খুদিংগী থোংলকপা ; বাউল কাঙবগী ফকির-শিংনা মথোহগী ল্লমিং খুদিংগী মীতিনফমদা থোজেল রাংনা হৈশ শক্লকপা,—মতম অসিদা মল্লবা মাঙ্গোন্দা কমদুনা উনা-রানাগী হাই-হুম্বতা য়েংবদা কবিগী থম্মোই থজিক্কা ওইরবম্ম নিক্লকপা য়াই, অদুবু মতম অসিদা যুমগী কাচিন অমদা পিকখ্রবা মৈরি অমা থাল্লগা পোষ্ট মাষ্টরনা কৌরমই, 'রতন'। রতন, মহাক্না কৌরকপা ভাইতুনা মপান্দা কম্লি, হেক কৌবগা চঙলক্তে— থুম্লমই "করি ওহরবনো বাবু, করিগী কৌবিবনো।"

পোষ্ট মাষ্টর। নহাক করি তৌরি।

রতন। লৈরঙ মৈ থাগংলুরগে—চাকশঙদা।

পোষ্ট মাষ্টর। নঙগী লৈরঙ মৈদি লাম্নরি—হিদাক ভাম্বক অমা হাল্লকথো।

তাহাক লৈরগা রতন চাইরুং অনিথু অরৈবমথৈ পোডথে কতুনা পোস্তক কায় কায়তুনা চডলকই। মথুক্তগী ভাগকু থুনা লৌবগা পোষ্ট মাষ্টরনা হংলকই, "করে রতন, নহাক কমাবু নিঙ্‌শংব্রা?" মসিদি যামখ্রবা ঋাংম, থরম্ব নিংশিংই, থরম্ব নিংশিংদে। মহাকপু লুনা তৌবসি মমাদগী মপানা হেল্লি; মপাবুদি থর নিঙশংই। ভুমিদাং-ল ইরম থবক তৌক থাবগা মযুমদা হল্লকই, হায়রিবা ভুমিদাংরাইশিং অসিগী মগুংদা, অমা নত্রগা অনিদি অতৈ পূমনক্তগী মহাক্কী পুক্রিং-দা মরেক শংনা লেক্তুনা লৈরি। রাক্সী শান-শানা রতন পোষ্ট মাষ্টরগী মথোং মহাক চংশিল্লক্তনা কম্মী। মহাক্না নিংশিংলকই, মহাক্কী পিক্লবা মৌপরং অমা লৈরম্ম—য়াম্ন কুংরবা নাংজুবাগী ভুমিং অমদি, মহাক্ন মৌপরাংলোৎনন পুথি মপান্দা উপ অমনা থোইক্ক শাক্তুনা চা কাবী শানলিগ্নে। অদোংবা পৌদোক কয়াগী মচুউদা মসিনং মপুক্রংদা থর হেন্ন নিঙশিংই। অম্মং রারী শংবা অসিনা মরুক মরমং য়াম্না লেংহই, অতোপগী পোষ্ট মাষ্টরতু চাক থোংবা পুমতন ভংথে। অদুক্কী এক্কা চংডাক থর লৈবা অতুগা, রতননা রানা মৈ থাগংদুনা তম থরা মে য়াংথুনং পুরকপা—অতুগনা মথোয় অনিগী ভুমিদাংগী চরা ওইরে।

করক রগুপা ভুমিদাংরু ইদন, হাডলবা চংউরবা যুম অতুগী কাচিন অদা মহাক্কী দ্যাক্তা কম্নগং, পোষ্ট মাষ্টরম্নু মযুমগী রা নিঙ-শিংই—মনাং ভ মুপা, মমা অমত্তং মদে। মতম লৈবথিবিক্তা মথোয়বু নিঙশিংই, শাসগুম্না রাকমশিং অসি মহাক্না কারখানাগী মৌশিংদা হৌদোকপংদ ভমদে, অতুগা পিক্লবা চন্নবী মুপীনচা অসিদদি করিমগুম হঙ্গংইবা লৈতনা হাম্বদোক্লম্মি। মৈনদদি মুপীনচা অসুনা মহাক্কী ইযুড মগুংগী মাশিং অদু হৈমা, ইচে, দাদা হায়না পুক্নিংগী থডনবক্লবা মীওয়া পল্লক্রে। করি অনুক হায়সিগে রতনগী থম্মোয় অপিথক অসিদা ভাবনা শাবা মথোয়গী মুক্তি অমমম লেকল্রে।

নোংমদি সুমিৎ মুংবা মতমদনি, নোং হাংথিবগী হাইকেংনা ঈংলবা য়েংলবা মুংশিং শিংলম্মি ; অদুগা মুংশা শারকপদুদা অচোংপা নাপি অমসুং ঈনাশিংদগী মনম জাং অমসু কাওরম্মি মহুদি চোকখরবা পৃথিবীগী কংলবা মুংশা অমনা হকচাংদা ঙৈরবগুম তৌরম্মি, করাইদগীনো অনম কল্লবা উচেক অমসু মহাক্কী অমতা ভাইরবা থোঙ্খাংদা সুমিৎ মুংবা চুপ্পপুম মহৌশা লাইরেম্বীগী সভা শগদা মুংশিনবা খোঙ্জেল্লা হন্না হন্না হাকৎলি ।

পোষ্ট মাষ্টরসু থবক করিম্ম তৌনিঙভাই নৈরমদে— নোনা চাম-থোকখিবা ভনিঙ্গা লংলবা, অমসুং নোং হাংথিবগী লেমহৌবা নৈচিন-নোংফাই থরদুনা মহাক্কী য়েংনকম ওইরম্মি ; পোষ্ট মাষ্টরনা মথোয়শিং অদুবু য়েংন য়েংনা থল্লকই, মতম অসিদা ঐগীনি হায়বা কনাগুম্বা অমত্তং ইনাক্তা নৈরবদি—থম্মোইপা অমতা ওইনা পুনশিনবা য়াবা মুংশি মীওইগী মূর্তি অমত্তং । অসুম্বা থনবা হৌরক্লে, উচেক অদুনা ওসাই মথৈ থোংলিবদুসু য়া অসি হন্না হন্না হায়রিবনি । অদুগা চিক্লবা সুমিৎ মুংবগী উরুমদা যুকন যুকন শোল্লিবা উনাশিংগী অয়াম্বা অর্থসু অসিনি। অদুবু কনানসু থভবিরোই নত্রগা থাজবিরোই, মহুদি ভলব থজিক্তং কাংজবা লবায়গী পোষ্ট মাষ্টর অমনা সুমিৎ চপ মুংবা, শাংলবা ছুটিগী মতম অসিদা অসিগুম্বা রাখল থল্লমগনি হায়রবসে ।

পোষ্ট মাষ্টরনা খর মপী হোল্লদুনা কৌরকই 'রতন ।' মতম অদুদা রতননদি পুংতোন-মথোঙদা মখোঙ ভিংখোকতুনা অশাংবা পুংতোন চারি । মপুগী খোঞ্জেল তাবদা চেল্লক্লে অমসুং খর থবেং থবেং হোন্দুনা হায়রকই, "দাদা বাবু, কৌবিবরা ?" পোষ্ট মাষ্টরনা হায়-রকই, "অদুবু পাবা থম্মা থরা ভদ্বিগে ।" মুংখিদ অদুমদি মহাকপু খুদু মরুক ভঙ্গিদুনা লেপ্লে । অসুম্বা ইকুই কুইদনা, রতন মরেক ভপখা কাওখা ভঙ্গে ।"

ইপাম্বাগী নোংলৈশু লেপ্তুবগুম উরে। ভু-খোং পুম্নক ঈশিংনা পিক থরে। অহিং কুখিংল চুপ্পা টপ টপ লাউবা নোংখোল অমদি হভোইগী খোঞ্জেল ভাক' মঙাম্বত্রে। নৈরক খুল্লকী লখীশু চৎপা থাত্রে,—কৈথেল কাবা কাংবা হিদা চৎপা ভারম্মি।

নোংমদি অয়ুক্কী হৌনা নোং মংলম্মি। পোষ্ট মাষ্টরগী ছাত্রী অহু খোউজিন বাংমদা কুইনা কমহুনা ভাইরম্মি; অহুবু মহৌশাগী মতৌগুম্বা কৌরকপগী খোঞ্জেল্দি ভাখিত্রে; কমুতদা হিপ্তুনা লৈরি, —পোখাম্বিবোই নিঙহুনা থুনিঙ কাঙন-কাংনা মখোল হৌহন্দনা ইমুঙদগী মপাল অমুক খোকে ভৌরম্মি। থঙহৌদনা ভারম্মি 'রতন' থুনা হ'ঙ্গিল্লগা হায়রকই, "ভু'ম্মবরা, দাদা বাবু?" পোষ্ট মাষ্টরনা শোম্বাংননা হায়রকই, "ঐ হকচাং ভমত্রে—ঐগী লাইবক পায়হুনা য়েংউ।"

অম্বুম্বা লংকৈদা মতৌমদা নৈবা মতম অসিদা নাম্বরুবনিনা সেবা ভৌহন্নিংবগী মত ৎ থমন্থ ওইরে। শারবা লাইবক' খুজি শিরবী থুংনা নাহ্মকপহু নিঙশিংলকই। লমদম ভাম্মা নারক্কবা মতম অ'সিদা মুংশিরবী লুপী শককথদা মমা অমগুং মচেবু মনাক্তা ফমহুনা লৈহল্লিঙই। অহুবু লংকৈ চৎপা অসিগী পুক্কিঙগী পামজবহু অরেম্বশাদি ভারমদে। রতন'সি পিকথ্রবী লুপী মচা অমা ওইত্রে। মহ'ক থুনমক মমাগী থবক্তা খোঙ থাংজিল্লে; থুনগী ভাক্তুর কৌক্করে, অনাবা অহুবু মতম কায়দনা হিদ'ক পীজরে, অহিং চুপ্পা যোম মমাদা ফম্মি, নাগুদাম্বা খোংই, ইকাউতুনা হংই, "থম্বা কমবনা, দাদ'বাবু।"

মতম কুইনগী মতুংদা পোষ্ট মাষ্টর মাং। শেম্বা কমুংদগী কৌপংলে—মপুক্কিঙদা লেপ্পম্মি মসিদ ভৌরবোই, মকম অমদা হোংলগে। মহাক্তা খুদক অহুমক্তদা মকম অহুগী চকচাং ফত্তবগী মরমশিং অহু হায়রহুনা অভোম্বা মকম অমদা হোংবিনবগীদমক কলিকাতাদ দরখাস্ত থাত্রে।

সেবা তৌবশী থবক লোইরহুমা, রতন মহাকী হান্নগী কম-কম থোক্তজিন বাংমদা অমুক কমথ্রে। হান্নগী মতৌগুম্না মহাকপু অমুক কৌবরকত্রে। করিগুম্বদা মহাক্না ইমুঙদা মুনা য়েংশিল্লি, পোষ্ট মাষ্টরনা অতোপ্প রাখল অমা থংনা চৌকিদা ক'ম্ব মত্রপা কমুংদা হিপ্প। রতম্না মহাকপু কৌরকপা তাই'র, পোষ্ট মাষ্টরনা মাগী দরখাস্তকী পাউথুম তাইরি। হুপী মচা অহুনা মহাকী অরিবা পারাশিং অহু হম্না হম্না পারি। মহক্না য়াম্না কিজবদি হোরেল কৌরকপা মতমদ ময়েক তপ্পবা কারবোই ঙসিনি। চয়োলথরগী মতুংদা তুংবিল অমধ কৌরক্রে। তুংঙাইমনথ্রহুনা রতন ইমুংদা চেনশিল্লগা হায়রকই, "দাদাবাবু ঐবু কৌবিবরা?"

পোষ্ট মাষ্টরনা হায়রকই, "ঐ হয়েং চৎকদৌরে, রতন।"

রতন। কদাইদা চৎকদৌরি দাদাবাবু।

পো: মঃ। হল্লক্ররোই।

রতন মথা তাথিদ্রে। পোষ্ট মাষ্টরনা মশামনা হায়জরকই, মহুদ মকম হোংগে হায়দুনা মহাক্না দরখাস্ত থাবদা য়ারদ্রে, অহুনা মহাকী থবক অসি থাদোক্তুনা মযুমদা চৎপা তারে। কনা কুইনা মথোর ভনিমক হ অমত্তা তাংনদে। থাউমৈ অহুপ্প মুংলি মুংলি তাল্লি, য়ুমথকী অহোব অংদগীশ্ব নোং য়ুথরক্তুনা চকু অমদা তাররি।

ঙশাক লৈরগা রতন তপ্না তপ্না হৌগৎখ্রে, অমম্লং চাকশঙদা তল হৌরুনবা চৎখ্রে। অদুবু অতৈ তুম্নিং কুম্না ঙসিদি থুনা হোংনখ্রে। মরক মরক্তা মহাক্তী থোপ অহুদা রাখল কন্নাশী ঊথক হৌরকই। পোষ্ট মাষ্টরনা চাক চাবা লোইরবা মতমদা তুপীমচা অহুনা থঙহৌদনা হংলকই: 'দাদাবাবু ঐবুস্থ নথোর য়ুমদা পুবিগদ্রা?

পোষ্ট মাষ্টরনা নোরুহুনা হায়রম্মি, "মহুবু হেক য়াত্রা" অহুগা হায়বশী মরম অহুদি তুপীমচাহুদ, হায়রকবশী থোইনা কন্নবা লৈতে [illegible]।

অহিং অতুমা মতমদু তাইবংদা হুপীমচা অহুগী মাকোংবা পোষ্ট মাষ্টরগী নোক্রা খুমকপা পাউখুম—'মহুবু হেক মাত্রা' হায়বা অহু ততনা তাবা হৌরক্লে।

অমুক তত্তা হৌগংলকপদা পোষ্ট মাষ্টরনা উরম্বি মতুদি মহাকী ঈরুজনবা থৌরাং পুমমক লোইহনা থংহল্লু। কলিকত্তাদগী তৌরকপা মতুঙইদা মহাক ঈশিং শোককংলগা ঈরুইজে। মহাক করম্বা মতমদা চংকদগে হায়বহু হুপীমচা অসিনা করিগীদমক হংবা তমখিবনো হায়-বহুদি থতদে, অহুগা মহাক্না হুমিং থোক্তুনৈদা তুরেনদগী ঈশিং শোককংলুই, হেক হায়রকপগা নংনবা হায়হনা। ঈরুজবা লোইরগা মত-বু হৌরক্লে। তু মম চালক্লগা মপুগী মাংগীদমক হাইহনা লৈরম্মি। মপুনা হায়রকই, "ঐ চংখিগদৌরে হায়হনা লাওরক্লবা তোগপ্ত, মতন; ঐগী ইচুং শিলহৌবা অহুদা ঐনা নত্তবু শিল্লরমগনি। ঐনা তৌবগুম্ব মহাক্সু নত্তবু লুনা তৌগনি।" মাহৈশিং অসি তমথৈ লৈতনা হুংশিবগী মাঙাংনি অমম্দুং থৌজাল হৈরবা থম্মোইদগী চেম্ব-রকপনি হায়বদা করিম্ব চিংনিজাহ লৈতে, অহুবু হুপীগী থম্মোইদি কনা-না থত্তগনি।

মতম্মা করিগুম্বা অমতা হায়দনা মবুংতোগী মীচৈ কয়া থাওখ্রবনি, অহুবু অসিগুম্বা অখোংপা মাহৈশিং অ'সিদি থাওতমদে। লাংতক্লবা পুরিতনা কপ্লহনা হায়রকই, "নত্তে, নত্তে, কনাগুম্বা অমতনা ঐগনি হ'মহনা করিগুম্বা অমুতা হায়বিরুগম্ব, ঐ মফম অসিদা লৈজনিঙহে।"

পোষ্ট মাষ্টরহু মা তাংবা থোকখিদ্রে। মহাক অমুক্তম্ব মতমা অতুম তৌবা উখিদ্রি।

অনৌবা পোষ্ট মাষ্টর লাক্লে। মতোন্দা থবক শিল্লরম্নগা হায়গী পোষ্ট মাষ্টর চংকদবগী থৌরাং তৌরে। চংলমদাইদা রতনবু কৌর-হুনা, "রতন ঐনা নহাক্কীদমক করিম্ব পীবা তমখিদ্রি চংলমদাইসিদা নত্তোন্দা করিগুম্বা থরদং পীরমগে, মসিনা নহাকী হুমিং থম্মি

চৎনবগনি।" চৎনবগী থমচ থম থাকহৌরগা, মহাক্না থাগী ওলব পূম্নমক অহু ফুরিং থাউদগী পুখোরক্লে। মুতম্না মখোও কোক্কহুনা হায়রকই, "দাদাবাবু, ঐনা মখোও পায়হুনা চারুজরি, ঐখোয়না করিমত্তা পীবিরমগদ্রু, ঐগীদমক্তা করাগুম্বা অমত্তনা করিমত্তা থনবি-কপদ্রু,—হায়রম্লগা মকম অহুদগী ওম্ববৈ থুনা চাওনা চেনখ্রে।

পোষ্ট মাষ্টর মশা মপী হোৎলগা, মহাক্না পানিচাগী বেগ অহু লৌখৎলে, মরেংবান্দা হাটিন য়ানশিল্লে, অহুপা মী অমনা মহাক্কী তুরু অমংবত্ত পুরক্তুনা তপ্না তপ্না হি তোংনবা চৎখে।

মহাক হি ত্তোংখৎলে, হিগ্গ চৎলক্লে, নোংজুমথাগী লাইজুনা ঈমাই চোক্লবা তুরেন্দু মালেম লৈমগী মিংস্লাদগী চেস্তরকপা পিগী ঈচেনগুম মায়কৈ মরিমক ওনিক ওনিক্লে, মতম অসিদা থম্মোইগুংদা অরাব অমা কাওরম্মি—কবিস্নু লৈত্রবী চম্নবী থুরকী সুপীমচা অমগী অরাবগী মাইথোং অহুনা জগৎ সংসারগী ওইরবা কোংদোকপা হুমগ্রগ্র থম্মোইগুংগী অরাবা কোংদোকপগুম তৌরক্লে। অমুকন্তু কম্না থরকই অমুক হম্না চৎলগা, লৈথা তারবস্তু কনাদু লৈজত্রবী অহুবু লৌবিক্ক-শিন্না —অহুবু থম্না থম্না ফুংশিংনা হিগী হুমাইদা য়ৈবদা হি অহু ঈচেম্না পুথখে, থুল অহু লান্থোক্নুনা তোবর্জনগী মোংকম উরক্লে—তুরেনগী ঈচেম্না তাউথরিবা প্রথিক অসিগী কংলবা থম্মোয়দা রাখল অসি কাওরম্মি, পুক্নিংসিদা অসিগুম্বা কায়নবসি কয়াদনো, কম্না শিরি, হম্না হুনবু করি কায়গনি। পৃথিবী অসিদা লৈরিবসু কনা-না কনাগীনো।

লংলবী সুপীমচা অসিগী থম্মোইদদি থেমজিন মাঠৈ অমা কাওবা কাওরক্লম্মিদ্রে। মহাক্তি ডাকঘরগী অকোয়বদা পিরাংনা থুমহৎনা কোয়রি। মহাক্কী থম্মোইদা দাদাবাবু অমুক হম্নকথিবা য়াদি হায়বগী মুংলি-মুংলিবা আশাগী মঙাল অমা লৈবী—নীপুন অসিন পুনথিংনা করিবত্তনা থাম্না চৎখোকহনবা ঙমখিদ্রে।

'সুভা'

সুপীনচা অসিবু সুভাষিণী হায়না মিংথোনবদা, মহাকপু কনা-না মরোল থোক্লোই হায়না খনগদগে ? মহাক্কী মচে অনিনা সুকেষিণী অমসুং সুহাষিণী কৌই, মখোয় অসিগা চাং মাইনবা হায়দুনা মপানা মহাকপু সুভাষিণী থোনবীরম্মি। মরাম্না অথম্বিনা মহাকপু "সুভা" কৌই।

মহাক্কী মচে অনিমক অৎং-অউন নিংথিনা তম্বিদুনা লুহোং-বিখ্রে, ইভোন-ভোনবী-'সিমনি মমা মপা অনিগী থম্মোয়দা তুমিন্না লৈবা পোৎলুমগুম্মা লৈহৌরে।

পৃথিবী পুম্নমক্না অসুম্না খনবগুম উই, মহুদি, মহাক অসি-বা ডাংদবনিনা, মতোন্দা করি'মত্তা কাওরবাল্লে ; অদুনা মহাক্কী মমাওদা অপনবা লৈতনা মাগী তুংগী ওইরগদবা কিডম অমসুং মাগীদমক লাংতক্ববা রাফম পুম্নমক মহাক্কী মমাওদা অহুম থৈরে। মহাক্না অভাং পিশক ওইরিবৈদগী থওজরমই মহুদি. ঈশ্বরনা মহাকপু শাপকী মশক ওইনা মপাগী ময়ুমদা পোকহল্লবনি। মরম অদুনা মহাক মশানা সাধারণ মীওইশিং অসিদগী হন্দোকচরগা মতোমতা তোভাগ্না লৈনবা হোৎনৈ। মখোয় মযাম্না মহাকপু কাউথি-রবতদা মহাক খাঙবা ঙমগনি হায়না থল্লি। কনা-না অনাবরু কাউগনি ? অহিং মুংথিল অনিদা মমা-মপা অনিমক্কী পুক্নিংদ্দ মহাকীদমক লাংতক্লে। থোইদোক্না মমানা মশামক্কী নামা শোয়রবনি হায়না লৌই, মরমদি মমা অমদদি মচাঙুপা অমদগী তুপীনা মশা-মককী শরক অমনি হায়না থল্লি, অদুনা মচাঙুপীগী থজিকং

অশোয়বা অমা লৈবদা মযাগী ইকায়নকরি। সুভাগী মপা বাণীকণ্ঠনা সুভাবু অতৈ মচাশিংদগী হেয়া হুংশি ; মমানা মহাকপু মশামকী লাইববকথীবনি থন্দুনা হুংডাইরম্মে।

সুভা না ভাংবগী শরুক হাংলবমু, শাংলবা পাশিংনা খঁজিল্লবা লাওরবা মিং অ'মদি হাপ্তে ; অদুগা মহাক্কী চিনবানা অনিহু উনাগুম্না ত নকই, পুক্কি'না ঈ.হৌমকপা ন খনগী প্নাওহুন শীবক্কা।

নাইহনা ঐথোয়গী নাথল কোংদোকপ ভারব'দ য়াম্না নানা শেমগৎ শাগৎপা ত ই, মতম পূম্নমক্কা চপ চানদে, প জল নাংপদগী অয়াম্বা মতমদা লানবসু মাংহৈ। অদুগা অমুবা মিথি হোইনা হোৎনবা চচদে, পু ক্কং মশামক্কা মথোয়দা মমি অমা ভাই, নাথল মশামক্কা কবিগুম্বদনা লংনা ভাম্বোরকই, মত্রগা হুংগুক হুংজানব্বা শিখখি, ক'রিগুম্বদনা ভারমদাই খাজগুম মুম্না মেংহুনা লৈ, কবি-গুম্বা মতমদা য়াডলবা লৈতাব্রবা নোংখাংগুম মায়কৈ থুংনা ভাল্লকই। পোকপদগী চিনবানগী অনিকপা নত্তনা অতোপ্প নাভাং হৈত্রবা মথোয়শিং অত্তুগী মিংকী লো'ন্দ মপান নাইদে অমসুং চাং লেম্মী— অতিয়াগী মতৌগুম ময়েক শেংই, অযুক লাইবেম্বীগী, চীংমা খাংবা কোরৌহনবগী অমদি মডাল অমসুং মরুমগী শারুকম ওইরি। মরোল খোক্কবা মীশু মহৌশা লাইরেম্বীগী মতৌগুম্না চিক্না চাং লেম্বা অমদি লৈজ্জে। মরম অসিদগী অভাংশিংনা সুভাবু মওং অমদা কি, মহাক্না কনা'মত্তগা শান্নমিন্নদে। মহাক অসি হুংশিং শিত্তবা মতমগী অচিকপগুম বা ভাংদে, মরুপ মপিজা লৈজদে।

সুভানা লৈরিবসি চণ্ডীপুর খুন্দনি। খুল অসিগী তুরেল অসি বাংলাদেশকী অপিকপা তুরেল অমনি। য়ুম পাম্নবী মুপী মচা অমগুম্না য়ামনা থাপ্না চেল্লোকখিদে। ঈচেল তপথ্রবী তুরেল অসিনা মশাগী তোর্ব্বান ভাকচহুনা মথৌ পাডথোকই। তোর্ব্বান

অরিবরক্তা ভাবিবা খুবশিং মতুগী য়ৌশিংগা মরী অমা ওল্লগা। মায়দি চৈনবরগুম ঙ্গাই। মাঙল অবিবকত যুম ভারি মায়সুং তোয়ের্নরিং অতুম উঙম লংলি। মসমা খুনগী মগৌনা য়থাবা কুথককতুরা ঈচেনগী শরুকম থোরগা মশা মক্রুপ কাউখোকচহনা মুংঙাইরা ময়ুমগী কাহনবা থবক তৌরি।

বানিকণ্ঠগী য়ুমমতু তুরেল অমিগী মথক্তোমগী তোয়র্নবক্ত-দনি। মহাক্কী য়াগী শপুল, মঙ্গোল কোস্থ-খোঙ, ময়েক য়াম্বী, চৈরেনৌ, চৈখোং অমমুং লকুখন, হিয়োনবশিংগী মিংরেং চিংশিন্নকই। অশুক নিংথিনা পাক্লিবা য়ুম অসিদা লোয়্লোকবা মুপীমচা অমিম কনাশুবনা উবিরমগনি', উবিরম্মোহৈত্রা থউদে, অতুগা মহাক্কি থবক্কী ডাহাক্কুং পোথাবা মতমদা, তুমিন্না চংশ্রগা তুরেল মপানে অমিদা কয়দুই। মকম অসিংদি মহাক্কী বাংলিবা বা ডাক্তরগী শরুক অহু মহৌশা লাইরেম্বীনা মেনখংলি। মহাক্কী ওইনা বা ডাংবিরগুম তৌই। তুরেলগী য়োং য়োং লাউরক থোক্লেল, মীগী নিল-খোংবা, হিয়োনবশিংগী ইচৈন, উচেক্কী খোল্লেল, উনাশিংনা মুরুম মুকম শোনবা, পুম্নমক তিন্নহনা মাথৈক মনিগী লেঙলি পাক্লিবা পুম্নমক অমথা ওইহনা, সনক্রগী ঈচেলগুম, মুপীমচা অমিগী মতম কুইনা মরোল খোক্লবা থম্মোই তোকর্ন্দনা লাক্লবা তিন্নরে। মহৌশা লাইরেম্বীগী অমিগুম্বা মথল মথং অমাম্বা থোক্লবাং অমদি মওং মতৌ অম্নিনা লোয়্লোকবগী লোমি। অতুগা শাংলবা পা-বা মুথল ওইরিবা মুডাগী থুঁবা মিং অমিদুগী মেথা অমহ পুংনা মঙোকথি; নিল খোংবগী থোক্লেন্না থম্বা পৃথিবী-দগীনা খোল্লেল থোক্লবা থবাম্মিচাকী চৈবাক মাওনবা, মগী নাওং নায়া ইচৈন, হিক্লা কপ্পা অমসুং থম মগী হোনবা অতুম্বনা। মুরিং দপ হুংবদা, হি যোনবশিংনা অমদি ঙা ফাবা কাঙবুশিংবা চাকু চাবা হরখিবা, খুনগী মীশিংনা তুম্নখিবা, উচেক বায়াম্ব

তুমিন্না লৈনখিবা, থেন্না হিন্নু তন্দুনা পোত্থাখিবা, থৌচিন্নবা পৃথি-বীগী নোঙ্গ্রবদগী থঙাহৌদনা পোত্থাখিবদা অকিবগী মশক কংবা চিন্নবা মূর্তি অমা ওইরকই, মতম অসিদা শাবরা পাক চাউরবা অত্তিয়াগী-মথাদা লোক্তোক্তবী 'মহৌশা' গা। লোক্তোক্তবী হুপীমচা অমগা মায়ষোক্লনা তুমিন্না কপ্পি,—অমনা শঙ্গোক্না তাবিবা চুম্বিংকী মঙান্দা, অভোম্বহূনা পিক্লবা উপান্নী অমগী উরুমদা।

সুভাষিণীগী মরুপ মপাং শুকলৈ লৈতবদি নত্তে। যঙ্গোন্দা শর্বণী অমস্তুং পাঙ্গুলী কৌবী যনবী অনি লৈরি। যনবী অনি অসিনা কৈদৌউভদস্তু সুভাগী মচীন্দগী মখোয়গী-মমিঙ তাখিজ্রি অদুবু মখোয়না মাগী থোংথাংদি থডিঙ, মহাক্কী বাহৈ য়াওদবা থোংলবা সুম অদুদি ঙাংথোকপা লোন্দগী হেন্না কন্দনা থঙই। সুভানা করিণ্ডবা মতমদা সুংশিহূনা নানবী, করিণ্ডবদস্তু চৈরকই, অদুগা করিণ্ডবদস্তু হায়জবা য়াওরকই, মসি মখোয়না মীদগী হেন্না কন্দনা থঙই। সুতানা যঙ্গোন্দা লাক্লগা শর্বণীগী মঙক্তা কোল্লি; মহাক্কী চাইরুংগা মরুপকীগা তক্লে, পাঙ্গুলীনা মাগী থোক্লাদ হৈরবা মিৎয়েংনা য়েংহূনা মশাদা লেকপি। হুপীমচা অদুনা লোংমগী মমুঙদা চাং নাইনা মখোয়বু য়েংই, অদুগা মরক্তা লাক-পস্তু য়াওই; ইমুঙদা অয়াকপা বাহৈ তাবা চুমিত্তা মরোল থোক্লবা মরুপশিং অসিগী মফমদা মতম চাদনা লাকই। মরোল থোক্লবা তীব ওইববস্তু মখোয়গী থঙবা ঙম্নগী শক্তিনা হুপীমচা অদুগী থাজকমজবা থম্মোয়গী অয়াবহূ থঙবা ঙম্মি। মখোয়না সুভাগী মশাদা ঙা-থেংহূনা, মচীনা তপ্না তপ্না নানবীহূনা সুভাবু থেয়-জিনবিনবা হোংলৈ।

মরুপ অনি অসিদস্তু নত্তবা য়াই অমস্তুং হোদোংস্তু লৈরম্মি। অদুবু সুতানা মখোয়শিং অদুগদি থোইনা মরুপ শানিঙলুদে, অদুম ওইনমক মখোয়নদি শান্নিডঙ। অহিং, চুংখিদ অনিমক্তা

করিগুম্বা খুদোং-চাবা অমা হেক ফংবদা হৌদোং মচা অহুনা তুম-গদবগী স্থতাগী মতম্বাকতা হেক চোংথংলি অদুগা স্থতানা মশাদা নানবিহুনা তুম্বা থেম্বী।

অসিবস্থ নত্রি অম্বাংবা থাক্কী জীবগিংগী মচুডদা স্থতাগী মরুপ অমগা লৈরম্মি। মহাক্না চুপীমচা অসিগা করম্বা মওংদা মরী লৈনরমগনগে হায়বতুদি-লৈনবদা বানা থোকই মরমদি মহাক্তি মযোল থোকপা জীবনি, অহুনা অনিমক্কী থডনবা য়াবা লোল লৈরমদে। মহাক অসি গোঁসাইথোম্বগী ইমুংগী মচা অতোম্বা প্রতাপনি। মহাক্কী থবক অমতা লৈতে। মহাক্না থবক-ইনথাং শূহনা ময়ুম-মকৈ পানবা ওয়বা হায়হুনা মমা মপানা কম্না হোং-নরম্মি, অহুবু মমৈদা কাম্বমরোই হায়বা থডলহুন। মথোম্বনা আশা অহু থাদোক্লম্মি। থবক লৈতবা মীগী খুদোংচাবা অমনা, ইমুং মচুডগী মীনদি তশেংনমক চুংশিদে, অহুগা মরী মতা নত্তবা মীশিং নদি চুংশি,—মরমদি করিগুম্বা শিনকম অমনা মথোম্ববু পুক্রবনিবা মথোম্বসি ময়ামগী মরল ওইরক্লে। সহরদা মীয়াম পোথাকম লমপাক অমা দরকার ওইবগুম্বা, থুপ্লকতস্থ মথৌলৈত্তবা মী অনি-মরি লৈবগী দরকার ওই। থবক-ইংথাং, হরাও কুমৈ, অমদি উৎসব মেলাদা মী হেক য়াংলকপদা, মথোম্বসি থুংনা লাম্বা কংনবা।

প্রতাপকী খ্বাইদগী পামজবদি—থোই চোম্বনি। মসিদা মহাক্না ইরায় লায়না মতম লেনবা ওম্মি। চুমিং য়ুংবা মতুংসি অমাম্বা মতমদা মহাক তুরেল মপান্দা থোই চোপ্তুনা লৈগল্লি। মহাক্না অস্থমা লৈরিবৈতেসিদা স্থতাগা ইত্তত্তুনা উবৈ। মহাক্না থবক তৌরিবৈত্তদা মরুপ অমবু কংলবদি, প্রতাপ নিংথিনা লৈ। ভা কাম্বিবৈতদি য়া ভাংদবা মরুম্বা খ্বাইদগী হেম্বা কৈ—মরম অহুনা প্রতাপ্না স্থতাগী ইকাই-খুম্বনবহু থত্তদম্মি। মী পুম্বমকনা স্থতাবু

"[illegible]" হৌই, অদুগা প্রতাপা বজিতং হেক্তা থুংশিবা অমা নগশিহনা খু' হায়না হৌই। ঈশিংদা থোই অদু খাবদা তাগুকনা কয়হনা দৈ। প্রতাপ, কা পাশ্মি, খুভানা মহ তপু্না পুরকই। মহারাজা [illegible] কন্না, মেৎনা মেৎনা অতুয়া থবুবা য়াই মহুদি প্রতাপ- [illegible] মহারাজা কদিগুম্বা [illegible] [illegible] থবা তৌহনা, মহাক অসি থুশিবীদা কায়রবা পোৎলুম অমা [illegible] হায়রসি উংনিতনবা য়াই। [illegible] মহারাজা তৌবা যাবদি করিদু দৈরমদে। অদুবনীদি মহারাজা [illegible] পোন্না মপুগা অভাওবা শক্তি নিজরকই, মহুদি মন্ত্রী পাজনা [illegible] অসিগুম্বা অওকপা থৌদোক অমা থোকহল্লিভি, মহু উনশা প্রতাপ্তা তকুনা হায়বকপা য়াবা,— 'অদুনিদনা, ঐখোয়গী খুঁদীদ অসিগুম্বা পাজল দৈ হায়রসি খওত্যদেদনা।'

[illegible] থনবিবা য়াই, খুভাশা ঈশিং লাইরেম্বী ওইরমলবদি [illegible] ঈশিংগী কাওশংলক্লগা ছিদেন ভাকহদা ; শিপগী মকোক্তা [illegible] মনি অমা থনমহুনা চংখিগনি, অদুদগী প্রতাপ্তা থাগী করিদু দৈতবা [illegible] কাবসি থাদোককুনা মশি পুহনা ঈশিংদা লুপ- [illegible] অমম্পুং য়োকপা উগনি, লুপাগী কোম্বুং মমুতদা ম্বশি [illegible], কনা কল্লি? – ঐংখায়গী বানিকণ্ঠগী মচানুপী [illegible]—'স্ব'। মশি মুকানা ভাল্লবা লুবা চিক্লবা পাটাপদা লিংথোগী অমতা পোকচবী ঐখোয়গী'স্ব'নি। মহুবু ওইখোকপা [illegible]? [illegible] ওইখোকপা করিদু দৌডে, অহুবু'স্ব'দি [illegible] পাটাপপুগী দৈম লিংথোকোক্লা পোকহনা বানি- কণ্ঠী ওইদুওবা পোক্লরে, অমম্পুং প্রতাপু কনিমতা ওকহনবা [illegible]।

লুকাপু মপুং অবৈ [illegible]। মপুং কারকপা [illegible] [illegible] থজিবনু থোক্লবা। পূর্ণিমাগী খুনিং অমদা [illegible] [illegible] ইথকী ঈপোম অমা [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মপুং [illegible]। [illegible] [illegible] মশাবু [illegible], থবৈ, হাইবৈ, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

পূর্ণিমাগী [illegible] অহিংদা, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাংজোক্লদি অমসুং কিথি কিকর মুনা [illegible]। [illegible] থিল, [illegible] [illegible] হক্লিবী [illegible] [illegible] [illegible]। ইনথানকপগী [illegible] মচোন্দা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] অরাবা অনিমক্তা মহাপু থুমহৎখ্রে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাক্লা খুংলুরে। [illegible] থমোইদু [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]। [illegible] চিক্লবী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তুম্বিন্না [illegible]।

[illegible] [illegible] পোৎলুম্না মমা মপা [illegible] [illegible] [illegible]। মীনা মথোয়বু নিলা তৌবা হৌরক্লে। মথোয়বু নৈকাইনা [illegible] হায়বা কাওবা [illegible]। বানিকণ্ঠ [illegible] নৈবা মীনি, চনা অনিমক [illegible] চাবা ইক্লবনি, [illegible] অদুবা মহাকপু [illegible] থীগু [illegible]। [illegible] অসি মমা মপা অনিনা [illegible] থরবা মতুংদা, বানি [illegible] [illegible] [illegible]। থুনমক [illegible] [illegible] [illegible] কলিকতা [illegible] [illegible]।'

চৎকদবগী শেম শাখ্রে। উমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পিনা চোৎখ্রে। [illegible] [illegible] [illegible] মথেক [illegible] [illegible] অমনা [illegible] চন্দুনা [illegible] [illegible] পাক্লা মপা মমা অনিমকী মক্লুড ইমথি,—[illegible] মিৎ অদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মথোয়মা [illegible] [illegible] মখোয়বদি [illegible]।

[illegible] [illegible] মথাড অনিক, [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible], '[illegible] [illegible], '[illegible]' [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চৎকদোক্লিম্মা? [illegible],

ঐখাখবু কাউমুকো।" হায়রম্লগা মহাকত্তি ঙা কাবরোমদা পুক্নিং চঙখরে। খঙ্গোই শোক্লবী শক্তি অমোম্মা শাদানবদা য়েংলগা খোজেন থোকভনা হায়রকই, 'ঐনা নঙোন্দা করি লানথ্রবগে ?' অহুঙুম্মা সুভাস্ প্রতাপতা য়েংলম্মি ; মুক্তিং অতুরি মহাক্কী উখাদা কল্লমজে। বানিকণ্ঠনা মুংথিল ঙহাকতং উইরম্লগা মাগী কমুত কাদা হিদাক থক্লি' সুভানা মখোঙ ময়াদা কম্লহনা মহাক্কী মমাম্বদা য়েংলগা কল্লক্লে। বানিকণ্ঠনা মাবু খেমজিম্লবা হোৎনবদা কংলবা মাগী চাইরংদো পিনা পুমচোংৎ চোৎখ্রে।

হয়েংদি মখোয় কলিকাতাদা চৎলগনি হায়না লেপ্পরে। সুভানা মাগী অঙাং ওইরিবৈগী মরুপশিংদগী বিদায় লৌবা চৎখ্রে। মথুং-মক্তা মখোমবু পীজরগা মঙকশমদা কোম্লহনা থাহৈনা থম্বা মমিং অনি অহুনা মখোম্বা য়েংলম্মি, মমিং অনিদগী পিয়াংনা অতংপা লৈতনা চেম্মক্লে।

মুমিং অহু পানথংলকপগী তম্মানিপানবা মুমিংনি। সুভানা মহাক্না কুইনা থঙনজম্লক্লবা তুম্বেলগী নাকন্দা লৈরিবা নাপীগী কমুত অহুদা ওন-থোইক্লরে,—কল্লবা তুমিম্মা লৈরিবী মমা মালেম-লৈমবু মপাঙোম অনিনা চেৎনা কোম্লরগা হায়জনিভিঙ, "নঙনা ঐবু চৎহনবিগন্নু, ইমা, ঐনা নঙবু কে'থ্রবগুম্মা নঙগু মপাঙোম তিংথোক্তনা ঐবু কোনশিনবিহুনা থম্মিয়ু।"

মখোয়না লৈরিবা কলিকাতাগী য়ুম অহুদা নোংমদি, সুভাগী মমামা সুভাবু য়াম্মা কজনা ফিজেং লৈজেংবিরে। মহাক্না মচা-মুপীগী শম অহু চেৎনা পুনশিনবিহুনা কাদোক থম্বিরে, লৈজেং করামকম খোমজিনবিহুনা মহাক্কী মহৌশাগী কজবহু ঙম্মবৈ মাঙম্লবা হোৎনরি। সুভাগী মমিং অনিদা পি চেম্মক্লে, কম্মদা মমিং পোমথত্তনা য়েংবদা কজমদোই থনবদা মমানা অরাকপা থাহৈনা লৈবিরে, অহুবু পি অমুনদি মহাক্কী মিচৈ অম্ম কমিহ

খৌওইরমদে। লাই মশামক্না বলিগী শা থনবা লাকপগুমা, মরুপ মপাদা লোমননা বর অহনা কন্না য়েংবা লাকলে। মমা মপাদি চিক্লানা চিংনবনা খোইরাংলকলে, মুখল মরুমদগী মমানা চৈ থাংছনা কিংদ্রকপহনা মুপী-মচাহুগী কপ্নহু শরুক অনি হেনগং-হনখ্রে। কপ্না কপ্না পরিক্ষা লৌগদৌরিবা মী অহুগী মমাডদা থাজিল্লকলে।

পরিক্ষা লৌরিবহনা কুইনা অমম্বং মুম্না য়েংলগা হায়রকই, "কত্তবদি নত্তে।" মুপীমচাহুগী কপ্নহু য়েংলগা খঙলম্মি, মহাক্কী থম্মোই মাওরি, ঙসি মহাক্না মমা মপা কাম্নবদা য়াম্নিবা থম্মোই অসিমক হয়েংদি ঐনা শীজিন্নবা য়ামগনি। কোমে্ংগী মহুওদা মুত্তা লৈবা অঙকপা নত্তে. অসি নত্তনা মহাক্না খোইদোকপা অত্তোম্না অমা হায়রমদে। পাঙ্খি য়েংলগা অফবা মুমিং অমদা লুহোংবিরে।

লোম্হোক্তবী মচামুপীবু অত্তোম্নগী মখুত্তা শিন্নমন্নগা মুত্তাগী মমা মপা অনিমক ময়ুমদা হল্লকলে। মখোয়গী শাপৈ অমদি হয়েংমুক্কী মপোক অমা কাওবা কল্লে।

বমদি নোংচুপলোমদা থবক তৌবা মীনি; অহনা লুলোংবা ইকুই কুইদনা নোংচুপ্তা মহাক্কী মুপী পুহনা চৎখে্। চরোল থবগী মতুংদা মী পুন্নমক মো অনৌবাহু মরোল থোক্তে হায়বা খঙল-মকলে। অহুপা মহুমক্না মুত্তাগী দোষ নত্তে হায়বহুদি কনানু খঙবিরমদে। মহাক্না কনাবুসু ওৎ-নৈথিজ্রি, মহাক্কী মিং অমিদা য়া পুন্নমক তাংলি, অহুবু কনানু থংবীদে। মহাক্না মায়কৈ মমিদা য়েংই,— লোম্মি কংদে, লোম্হোক্তবগী মরোল খঙবা পোক-পদগী মশক খঙজনরকলবা মায়থোংশিং অহু অমত্তা উবা ফংখিদ্রে। মুপীমচা অসিগী মত্তম কুইনা চিকলবা থম্মোইদা মপাল মাইক্লবা খোম্হোক্তবা মিকপকী খোজেল অমা তত্তনা তাবা হৌরকলে,— মসিদি থম্মোইবু উরিবা মগী নত্তবা অতৈনা তাবা কংলোই।

হন্দমুক্তি মহাককী মপুরোইবনা মিং'না অনিমকনা পম্মিক্কা ত্তোষ্ঠনা য়া ভাংবা ভগ্গী কন্না অমা লুহোংহনা পুম্বকনে।

শরু গোলাং

ঐখোয়গী অভাং ওইরিবৈঙেগী মরূপ অহয়া তু'ম্মবা য়ুম অহুগী মনিঙ থংবা য়ুম অত্তুগী কন্নাংদা মীগী শরু পোলাং মপূম অমা য়ান্দুনা লৈ। অহিংদা মহাক্কী শরুশিং অহু মুংশিন্না ক্রেক-ক্রেক লাউনা লেভিঙ। অহুগা অয়ুক মুংথিন্দনা ঐখোয়না লেঙ-বিবা ভারম্মি। মতম অহুদা ঐখোয়দি পণ্ডিত মহাশয়গী মফমদগী মেঘনাদ বধ অহুগা ক্যাম্বেল স্কুলগী ছাত্র অমগী মফমদা শরু বিজ্ঞান তম্মি। ঐখোয়গী অহল লমনগী য়াথন্দি ঐখোয়বু য়াম্না থুনা মহৈ পূম্নমক্কা মুম্না হৈহন্নিঙবনি। হীরম অসোমদা ঐখোয়না কদায় য়াঙবা মহম য়াম্নবগে হায়বহুদি ঐখোয়বু থক্তবিবশিং অহুগী মফম-দগি হায়গদবা য়ামখ্রে অহুগা থঙদবশিং অহুগী মফমদগি লোং-পনা হেন্না করে।

অসিগী মতুঙদা মতম কয়ামরুম হৌখ্রে। মহুত অসিদা য়ুম অসিদগী শরু পোলাং অমম্মং ঐখোয়গী খোপ্তগী শরুবিত্তানা কমাইদা চংখ্রবা থিহুনা থঙত্রে।

মুমিং থরগী মমাঙদা. অহিং অমদি, করিগুম্বা মরম থরদগী অতোপ্পা মকম অমা কংদ্রেহনা ঐহাক য়ুম অহুদা তুম্বা ভারম্মি।

—হৈৰদবনা ভুম্ব: য়াম্রে। ভাওন-শাওন্মুনা লৈৰিবৈভদা গির্জাগী ঘড়িদা হৌরবা পুংশীং অহুম্ম অরৈমথৈ তাম্রে। অসিগুম্বা মতম অসিদা য়ুমগী কাম্দিন্দা থাম্লিবা থাউঁৰৈ অহুম্ম মিনট মতাম্রোম মুংলি-মুংলি ভাম্লমলগা খংমুৎ-মুৎখ্রে। মসিগী মমাঙদা ঐখোয়গী য়ুম অসিদা খুদোংথীবা থোদোক অমা অনি থোকখি। মৰম অহুনা থাউঁমৈ অসি হেক মুংথিবদা খঙহৌদনা অশিবগী মা নিঙ-শিংলকই। থম্লকই পুং অনি তাবগী মহি' অসিদা মৈরি অমনা লোইবা নাইত্রবা অনম্বগা তিয়খি, প্রকৃতিগী মকমদম্ম অসিমতাম অহুগা মীওইবগী পিশক পিশক পিক্লবা থরাম-মতাম অসিম্ম করিগুম্বদা অয়ুক মুংথিন্দা, করিগুম্বদনা অহিংদা খঙহৌদনা মুংথি।

মথং মথং ওইনা শরু পোলাংগী মা নিঙশিঙলক্লে। মহাক্না হিংলিবৈঙগী হৌরমশিং থম্লিবৈদা খঙহৌদনা করিগুম্বা পোৎ অমনা অমম্বহুদ্দা কক্লাং মাহুনা ঐগী কাঙথলগী মাৱকৈ মরিদা লৈশিন্দুনা কোয়রম্মি; মহাক্না ফুঙ্গৈনা-ফুঙ্গৈনা হোনবা স্বরগী মখোল তারম্মি। মহাক্না করিগুম্বা থম্বা খিবঙম তৌই, কংদ্রে অহুবু হেম্না থুনা ইমুঙ অপুম্বহু নৈমকই। তশেংনা থঙলে, পুম্নমক অসি ঐগী তুম্মিঙত্রবা কংলবা কোক অসিদগী থোরকপা ভাকনি অম্বু ঐগী খোপ্তা চেল্লিবা ঈ অসি খোঙথাং থুনা চেনখৎলকপগী মখোল তারম্মি। অহুম ওইহুনম্ম হকচাংদি শ্বাই-শ্বাই লাউরক্লে। মৰম য়াংওদনা কিরিবসি মাঙথিনবা থোনা কনা লাউহুনা হৌগংলম্মি, 'কনাম্নো!' খোঙথাংহু ঐগী কাঙথল ময়াদা লাক্লগা লেপখ্রে অহুগা পাউথুম অমা তাবা কংলম্মি, 'ঐ'ন। ঐগী শরু পোলাংহু কদাইদা চৎখ্রবগে খিগে লাক্লিবনি।'

ঐনা থম্লম্মি, ইশাগী বাথন্দগী থোরকপা শককম অসিগী মঙমদা অকিবা উৎপা চুমদে— নাকনগী থোন্দু চেংনা কোন-

শিল্লগা মতম কুইনা খঙনবক্লবদোনা য়াম্না লায়না হায়দোক্লম্মি, 'অহিং নোংমাই অসিদা মখোং চাদবা থবক্নি। হৌজিকপু শরু পোলাং অহুনা নত্তোন্দা করি কায়থিগনি ?'

অমঘদা কাওথল ময়া নক্লা পাউথুম পীরকই, 'হায়বিরিবহ্ করিনো ? ঐগী হকচাংগী শক্লশিং অহু মহুদা লৈরম্মি। ঐগী চহী কুনত্তরক্কী নহা ওইবগী ফিভমশিং অহু শক্ল পোলাং অহুগী মায়কৈ মরিদা শাৎকাইরমলিবনি— অমুক্তং য়েংনিংলোইজ্রনে ?"

ঐনা খুদক অহুমক্তদা হায়রম্মি, 'হোয়, বাকম অহুবুদি চুম্মি। অহু ওইরবদি নহাক থিক্লচো। ঐহাক ওহোক্তং তুমবা হোৎনগে।'

মহাক্লা হায়রম্মি, 'নহাক নত্তোমত্তা ভায়বমান্ন ? অহুনা ঐ ভাহাক্তং কয়থিগে। বাবী ওহাক শাসি। চহী কুম্থ্রামত্তাগী মমাওদা ঐম্ন মীগী মনাক্তা কমহুনা বাবী শারম্মি। চহী কুম্থ্রামত্তা অসিদি ঐনা মোংকমগী মুংশিত্তদা হু হু লাউনা কোয়হুনা লৈরবনি। ওসিদি নহাকী ননাক্তা কমহুনা অমুক হন্না মীওইবদোনা বাবী শাসি।'

ঐগী কাওথল মমাদা কনাগো অমা কয়গুম তৌই। উপায় লৈত্রহুনা ঐনা থৌনা কবা থজিক্তং ইত্তুনা হায়রম্মি, 'মহুনা কবে। পুক্লিঙ মকা লাম্বা বাবা অহুগুদা বাবী অমত্তং লীরকউ।'

মহাক্লা হায়রম্মি, 'খ্বাইদগী হেন্না মুংভাইবা বাবী ভানিত্ত-লবদি ঐগী পুন্সি বাবী লীগে।'

গির্জাগী ঘড়িদা চং চং লাউনা পুং অনি তারক্লে।—

মী ওইরিত্তৈ অমস্থুং পীক্লিত্তৈদা ঐনা মী অমবু যমগী মত্তো-ওম্না কিরম্মি। মহাক অহু ঐগী ইপুরোইবনি। খোইদা থুরবা তা অমনা থল্লিবা য়াথল অহুগা ঐনা থল্লিবসিগা অস্থানি। হায়-বদি কনাগুবা মশক গুকথঙ খঙনদবা অমনা খোইদা লেংহুনা পুথিবগুম্না ঐবু ঐহাক্তৌ মুংশিজবা পোকপদগী লৈজয়ক্লবা মকম

অসিদগী চিংছনা পুবিরম্মি— করিনম্ভু মহাক্কী মখুত্তগী নাহোকপা ওমলমদে। লুহোংবা মতুম থা অনি লৈরগা ঐগী ইপুরোইবা শিখে অহুপা ঐগী শাগৈ নাতৈনা ঐগীদমক ভেংথানাওইরম্মি। ঐগী ইকুবোক্লা মখল মথা কয়ামকম থোক্লা— চায়ছনা ঙেংলগা ইনেবোক্তা হায়রম্মি, শাস্ত্রদা বিষকন্যা হায়রিবী মুপীচু মসিনি। মাগু ঐনা ময়েক শেংনা নিংশিংলি— তাগিব্রা? কমদৌই।'

ঐনা হায়রম্মি, 'মুংতাই। মাগীগী অংহোবম মাগা মুংতাই।'

'অমু ওইরবদি তারো। মুংতাইনা ইপামদা হল্লক্লে। মতমগী মতুঙইয়া চহোম্ভ মায়ক্লে। মীশিংনদি ঐঙোন্দা লোংনবা হোৎনৈ, অদুবু ঐ ইশানদি মুমা থঙিত্ত মগদি ঐগুম্মা কনবীসি করিগুম্মা মকমদম্ভ লৈতে। নঙদি করি খল্লি?'

'মাগা ওইথোকপা মাই। অদুবু ঐনদি নঙবু কদৌতৌদম্ভ উথিজ্রি।'

'উথিজ্রি? করিগী। ঐগী শকপোলাংছুদি। হি হি হি হি। —ঐনা তাং তৌবনিদা। নঙোন্দা ঐনা কয়া প্রমাণ পীখিগে মহুদি, ঐগী কোম-মুক লাওয়বা মিংথম অনি'সিদা কজরবা মুরবা মিংনথা অনি লৈরম্মি হায়বসে অদুগা তয়ান মানবী চিনবান্দা মোমোন নোক্লথা মিনোক্তুগা হৌজিক্কী লৈতেং মাওয়বা মানিং অসিদা চাংদয়বা মাত্রা— অদুগা শাংলবা কংলবা শক মপৈ অসিগী মথক্তা অমুক কজরবা, অমুক ফজরব', অমুক নৌরবা মহা ওইবগী থোংলবা নৌরবা হকচাং কায়াৎ পুমমক মপূংফানা নোংম নোংমগী শাংকায়রম্মি. মসিবু নঙোন্দা হাক্করগা নোক্লিং-গনি অমত্থং শাউগনি। ঐগী হকচাং অসিদগী শকবিদ্যা তম্বিনবগী মচাক ওইরগনি হায়বসি ঐগী মতমগী অচৌ অচৌবা ডাক্তরশিংনা খাজরমদে। ঐনা থঙতি, ডাক্তর অমনা মহাক্কী কনাগুম্বা মরুপ অমগী মকমদা ঐবু লৈহাও লৈরেম্নি হায়রম্মি। মহুগী অর্থদি অসিনি পৃথিবীগী

মী পুরৈক অসি শরুবিদ্যা অমসুং ফিজিওলোজি তম্নবগী খুদমগী মশক ওইরম্মি, ঐতনি কজবগীশকম লৌরবা লৈরাংগা মাম্না লৈরম্লিবা। লৈহাউ লৈরেনগী মশাদবু শরু পোলাং লৈব্রা?

'ঐনা চংপা মতমদা উম্নবদি নহাক্না খঙলমগনি মহুদি, হীম্না মপৈ অমা হাইম্নবদি মহাক্না মাইকৈ মরিমক্তা ইলং লংবা মঙাল থোরকই, অদুগুম্না ঐগী হকচাংনা লেডবা খুদিংগী ফজ্ঞবগী মওং মতৌ কয়ানা মাইকৈ মরিমক্তা শন্দোক্লম্মি। ঐনা মরক মবক্তা পুং কয়া চুপ্পা ইশাগী খুং অনিমক্তা য়েংলম্মি— পৃথিবীগী চাউথোক্লবা লুপা পূম্নমক্তা মথাম্নদা অমুক্তং থানবদা তমহংপা ভম্বা অদুগুম্বা খুং অনিনি। সুভদ্রানা অর্জ্জুনবু পুহুনা মরোল অহমদা বিজয়রথ থোজুনা চংথিবদু মহাক্তীসু অসিগুম্বা পুমবুম তাবা পাম্বোম অনি, তাংলবা কজরবা খুংশাপিং পাম্নমগনি।

'অদুবু ঐগী ইকাইজরবা কিজেং-লৈতেং য়াওব্রবা মম্নবা শরু পোলাং অসিনা নত্তোন্দা ঐগী ইমিংসে ওইদবা সাক্ষি ওইরেদো ঐদি হৌজিক্তি উপায় লৈত্রে, পাউখুম লৈত্রে। মরম অসিনা পৃথিবীগী মফুত্তদা ঐনা নত্তবু খ্বাইদগী শাউনিত্তিত্ত। অদুম্না থম্লি, ঐগী চহী তরাতরক্তী হিংলিত্তৈগী মথোং কাম্নকপা পুন্সিগী তত্তাং তত্তাংলবা ফিবমদু নহাক্তী নমাতবা অমুক্তং লেপ্পিত্তিত্ত, মতম কুইনগী ওইনা নহাক্তী মমিং অনিদগী নিত্রা কৌবী লাইরেম্বীদু তাম্বোক্লিংই অদুগা নহাক্তী শরুবিত্থাবুসু মাওহনখিবা পাম্মি।

ঐনা হায়রম্মি, 'নহাক্তী নশা লৈরমলবদি নশা শোক্লগা হায়রমগনি, বিত্থা অদুগী মচেং অমা কাওবা ঐগী থোপ্তা লৈত্রে। হৌজিক ঐগোন্দা য়াওরিবসিদি মম্নবা অহিংগী মরক অসিদা নহাক্তী পৃথ্বীবু তমহংনিত্তডাই ওইরবা মপুং কারবা মহাওইবগী মওং অদুমা মঙাল মরিক্তা লোয়নমা শাংকাইরক্লে। মসিদগী হেম্না হায়জররোই।

'ঐগী কনাগুম্বী মরুপ অমত্তা লৈরমদে। দাদানা রাশক-লম্মি, লুহোংলোই। কা অতুদা ঐ ইত্তোমত্তা লৈরম্মি। লৈ-কোনগী উথাদা ঐ ইত্তোমত্তা ফতুনা থল্লম্মি. পৃথিবী পুম্নমক্কা ঐবু লুংশি, থরাম্মিচাক পুম্নমক্কা ঐবু য়েংলি, বালগুবস্থ নাপ'-চিক্কা খর ফুঙ্গনা হোল্লগা ইনাক্তা চংথি অতুম্বা ঐনা থোঙ ফিং-থোক্নুনা কম্লিবা তিংথৌ মথক অসিনা করিগুম্বা জ্ঞান লৈরম-লবদি মহাকস্থু অমুক হল্লা জ্ঞান মাঙলমগনি। পৃথিবীগী পাম্বক্র পুম্নমক্কা তিংথৌ মপৈ খসিগুম্না মপৈ মপৈ ওইনা তুখিম্না ঐগী খুৎয়াদা চঙলক্নুনা লেপ্লিবরা হায়না থল্লি; মরম লৈতনা থম্মোইদা করিগুমবা চৈনাথোল অমা কাওবগুম তৌই।

'ইবুংগী মরুপ শশিশেখর মেডিকেল কলেজদগী পাস্ তৌ-দুনা থোরক্লগা ঐথোয় ইমুঙগী ডাক্তর ওইরমে। ঐনা মহাকপু পর্দ্দার মরুমদগী ইত্তত্তুনা উথ্রে। দাদাস্থু থম থেংনা ওকপা মৌ-শক ওইরম্মি— মমিং পাঙথোক্নুনা পৃথিবীবু নিংথিনা থক য়েংদে সংসার অসি মত্তোন্দদি করি'মত্তা হাওথিত্রে— মরম অদুনা অস্থুম অস্থুম লাপথোকথিহনা কাচিন অমদা চঙজম্বম লৌক্লমে।

'মহাক্কী মরুপশিংগী মস্থুঙদা শশিশেখরস্থু অমনি। অদুনা মপানদগী পাথঙ'শংগী মরক্তা ঐনা তত্তনা উবসি শশিশেখরনি। অদুগা সন্ধ্যা মতমদা ঐনা লৈথোঙদা লৈমবেনগী ফম-ফম লৌ-রবা মতম অদুদা পৃথিবীগী রূপা পুম্নমক অসি শশিশেখরগী মুর্ত্তি লৌরদুনা ঐগী ইথোঙদা চঙজরকই।— তাম্লিব্রা? করি থ'ল্লি?'

ঐনা খর মপী হোম্না খুমলম্মি, 'ঐস্থু থ'ল্লি, শশিশেখর ওইনা পোকচমমলবদি কপ্পনিদা।'

'হাম্না লোইনা তাথো। লোংম্না লোংথী লোং-মংবা সুমিং অমদা ঐহাক অরুম হোরে। ডাক্তর য়েংবা লাক্লম্মি। মহুনা অহানবা উমবনি।

'ঐহাক মিহুৎথোংলোমদা মায় ওন্থোক্নুা লৈরম্মি, হুমিদাংবাইগী ভাংলৈনবা মঙালনা ঙৈরবদা অনাবগী তাইরবা মায়থোংহু মাঙথিনবা হায়রুনা। ডাক্তরনা ইমুঙদা চঙলক্লগা ঐগী মায়দা য়েংবা মতম অহুদা ঐসু পুক্লিঙদা ডাক্তর ওইরগা ইশাগী মায়থোংদা য়েংজরম্মি। হুমিদাংবাইরমগী থোংলবা মঙাল অহুদা চোকথরবা লৈরাংগুম ঐগী মায়থোংনা থোংলবা য়োন অহুদা থাঙলি; থাম্বা য়াত্রবা শমলাংনা লাইবকথক্তা চোইজাননা তারি, ইকাইজখনা লাওরবা মিংস্না অনিগী মখিনা থজাইদা তারি।

ডাক্তরনা নোম্লুক্লা ইবুংদা হায়রম্মি, 'থুং অমুক্তং য়েংবা তারে।'

'ঐনা কিম্নুংদগী চোকথরবা থুন্দু মপান্দা তিংথোক্লম্মি। থুংলোমদা অমুক য়েংলম্মি, অশংবা লিক্লিগী খুজি শিনয়বদি অমুক্তা হেন্না পামহল্লমগনি। অনাবগী থুংকী মিহুল য়েংবদা অন্নক লৈতাদবা ডাক্তরদি ঐহাক মমাঙডৈদা থক থেংনখিদ্রে। য়াম্না নিক্লবা থুদোম্বীনা ঐগী মিহুল য়েংলম্মি। মহাক্লা ঐগী অরুমগী চাং অহু থঙলম্মি, ঐসু মহাক্কী থম্মোইগী মিহন্দু করম্না হান্নিবগে হায়বহু থরমংতা ওইরবনু থঙলম্মি। থাজম্রা?'

ঐনা হায়রম্মি, 'থাজদনবগী মরম করিসু লৈতে— মীওইবগী মিহুল হায়বসি ফিবম পূম্নমক্তা চপ মান্নবা চত্তে।

'মতমগী মতুঙইন্না ঐহাক অনি অহুমলক নাক্লরে অহুগা কম্লক্লবা মতুঙদগীদি ঐনা উজরে ঐগী হুমিদাংবাইরমগী মীগী সভাদা পৃথিবীগী চুপা কোটি কোটিগী মশীং অদু অন্তুম হন্নমকচুনা মথৈথংলদি অমত্তমক লৈহোরে' ঐগী পৃথিবীদা মী লৈতজখগুম তোরে। জগৎ অসিদা ডাক্তর অমগা অনাবা অমত্তংগা লেমদুনা লৈহৌরি।

'থুমিদাংবাইয়মদা ঐনা লোল্লা ভাংনৈনবা শাড়ি অমা শেং-চিল্লি, শমজি নিংথিনা পুল্লগা হৱিথাগোক মপাল্লা শমজিদৈ ওইনা থেংচিল্লি, খুত্তা মিংশেল অমা পাৱরগা লৈকোন্দা কল্মি।

'করিগী। মশাবু য়েংজবদা অপেনবা লৈতবরা? ভশেংনমক পেন্দে। মমমদি ঐদি ইশানা ইশাবু উজদে। ঐনা ইত্তোমত্তা কম্বা মত্তম অহুদা মী অনি ওই। ঐনা ডাক্তর ওইহুনা ইশাবু য়েংজবদা, ওমহংলম্মি, থুংশিনম্মি অমগুং লুনা ভোৱম্মি, অহুমদি ওইরগা লকা'থুংদা শাংলবা মমমগী অমবা থুমিদাংবাইগী মালওগুম হু হু লাউনা ঈকৌরকই।

'মহুদগীদি ঐ ইত্তোমত্তা ডায়ৱে; চংপা মত্তমদা দু-লুকথ-হুনা খোঙগী খোঙশাশিংনা লৈমায়'থক্তা ভারিবা মত্তৌ অহু উবদা থল্লমই খোঙথাং অসি ঐখোয়গী অ:নৌবা পরিক্ষা ভুৱবা ডাক্তর অহুনা করম্না কাউরমগনি; থুমিং য়ুংবদা মিহুংথেংগী মপান্দা য়ুংশা মৈশানা চাক্লি, কদাইদশু খোঙ্গেল অমত্তা তাথিৱে, মরক মরক্তা উমাইবী অমমমত্তং থাপথ্রবা নোংদোন্দা খোংহুনা পাইরি; অহুগা ঐখোয়গী ইংখোল রাংমদা পোং হাবশিংনা সুর চানা লাউ-হুনা চংলি, 'পাম্ব। শাম্নপোং পাম্বু।' 'খুজি পাম্ব।' ঐনা ভোৱবা চাদর অমা থাদুনা ইথুংনা ফমুঙ শেমজরগা তুমলি; কি কুপ-শিন্নবা পাম্বোম অনম। থোংলবা ফমুঙ মথক্তা থৌশাদবগুম থা-দুনা থমলগা থল্লি, থুং অসি অসিগুবা মওং অসিদা কনা-গুম্বা অমনা উথ্রমাল্লে, কনানো অমনা থুং অনি অসি থাজংগে, অদুগা ঈ থাংলবা থুবাক্তা অমুক্তং চুম্লশমলগা তগ্না তগ্না অথুক চংগে।— থল্ল মত্তাঙ অসিদা রারৌ অসি লোইশিল্লবদি কমদোই।'

ঐনা হায়রম্মি, 'ফজদবদি নত্তে। থজিক্তং মপুং ফাদে, হায়-রভনি, অদুবু লেমহৌরিবা মথাক থরদু ঐনা মপুং কাহল্লগা লেমহৌরিবা অহিংগী শরুক অসি লেনবা য়াবগনি।

'অদু ওইরবদি য়ায়ো অদু নুমনথ্রবনি। কদাইদগী লোক্লিভবা পোক্লগদগে। শক পোল্লাং অদুগী হিগৎলিবা মমা কয়াক্কম অদুদি উত্রে।

'অচুদি তাদো। থবক থরা থরা হৌগৎলকপদা ডাক্তর অচুনা ঐখোয়গী য়ুমগী কা অমদা মহাক্কী লায়রেং-শঙ ওইরম্মি। মতম অচুদা ঐনা মডোম্দা মরক মরক্তা নোক্ক-নোক্কদুনা হিদাক্কী বা, কমম তৌরগা মীসি থুনা শিবা, বারম পুরমক অসি হংলম্মি। মহাক্কী থবক্লিনা ডাক্তরম্ভ শেংনা হাংদোকই। অম্মুম অম্মুম তাবদগী অশিবা হায়বসি য়ুমগী শক থডনরবা মীওম তৌরক্রে। য়ুংশিবা অমস্তুং অশিবা অনি অসিতনা পৃথিবী ওইনা উরক্রে।

'ঐগী বারী লোইশিল্লক্কদোরে— বাম্বা য়ারক্রে।'

ঐনা শোক্কাংনবা হায়রম্মি, 'অহিংস্ত লোইশিল্লক্রে।'

'হুনিং থরগী মমাঙদগী চৌনা ডাক্তরবাবুসি পুক্লিঙ অমা য়োংবওম উরম্মি অচুগা ঐডোম্দস্ত বায়া হৈনিডদবা ইংপা ওইনা তৌই। নোংমদি মহাক্তা মফি মরোল কক্কনা শেক্তুবা লাক্লগা ইবুংদগী শগোল গাড়ী বায়খি, অহিংদা কদাইদা চংকহৌরিবনো?

'ঐ নৈবা ঙমশিল্লক্রে। ইবুংঙো মনাক্তা চংলগা বারী কয়া-মরম শানরবা মতুঙদা হংলম্মি, হাঁ দাদা, ডাক্তরবাবু শগোল গাড়ী পুহুনা ঙসি কদাইদা চংখ্রিবনো?

'ইবুংনা শম্মা থুম্লম্মি, শিবা।

'ঐনা হায়রম্মি, মস্তে, অচুম্বহু হায়রিবু।

'মহাক্তা হাক্কদগী থবা শেংনা হায়রম্মি, লুহোংবা।

'ঐনা হায়রম্মি অচুম্বরনে।— অচুগা হৌনা নোকপা হৌরম্মি।

'থরা থরা ভাগম্মি মহুদি লুহোংবম্মিদা ডক্তরনা লুপা লিশিং তরানিথোই কংগনি।

'অহুৎশু ঐভোন্দা পাউ অসি লোত্তুনা থমগা ঐখু ইকাইবা পীবগী করি কাগরিবা ? ঐনা মাগী মখোও পামহুনা হাম্নজখিব্না, অসিগুম্বা থবক তৌরবদি ঐহাক থম্মোই কাম্নমগদি। মুপা হায়বসে থাজনিঙ্‌ঙাই নৈতে। পৃথিবী অসিদা ঐনা মুপা অমখক্তং উবে অহুপা মিকুপ অমদা পূম্নক থক্লে।

'ডাক্তরনা' অনাবা য়েংলুরগা সন্ধ্যা মখাঙদা মুমদা অরকপা মকমুদা ঐনা হৌনা নোক্লগা হায়রম্মি, কম'দ্রোই ডাক্তরবাবু ? ওসিহ্ন মনোমগী মুহোংবরা ?

'ঐগী হমাও-তাম্বনু উবগা মুংতক মুংঙাবকতা লক্লনা, হাকেম্ন নিঙবা কায়রম্মি।

'হংলম্মি, পুং-খেল কখিনতা মাওব্রিবনিদি ?

'তারগা মহাক্রা শব্দ খঙ্কং হোন্দোক্লগা হায়রম্মি, লুহোংবা হায়বসিমু কয়া মুংঙাইবা পোৎনো।

'তারগা ঐনা জ্ঞান তাদবমখৈ নোক্লম্মি। অসিগুম্বা বাদি কমৌটৈঙদসু তাখিব্রিনা। ঐনা হায়রম্মি, মতু মাবোই, মত্র মাও-গনি, মৈ থানগনি।

'দাদাবু অসুক্কী মতিক থবক চিলহল্লে মচুদি, মহাকসু মহৌ-শাগী হৌনবী মতুঙইন্না উৎসবকী থৌবাংদা চঙ্‌ক্লে।

'ঐনা হারীতা শাবা হৌবম্মি, মৌনা মুমদা লাক্লগা কমম তৌগনি, করি তৌগনি। হংলম্মই— করে ডাক্তরবাবু, মতম মঙ্গু কাওবা মহাক অনাবগী মিরুল য়েংবা কোয়মিগন্না ? ছি ছি ! ছি ছি ! মীওইবগী, থোইদোক্না মুপা ওইরশিংগী, মপোক্কীবু মুমে শাওরবস্কু ঐনা বাখক্লুনা হায়বা ওম্মি, ঐগী মাহৈশিং অহুনা ডাক্তরগী থম্মোইদা তাশোম্না থিনবগুম তৌরম্মি।

'পুৰোৎবছু অহিং অথেওবদনি। সন্ধ্যাদা ডাক্তৰনা মথক্তী মাঙোন্দা ইবুংগো কন্দিগ্ৰৰগা ম্যু গ্লাস অমমম পাৱছুনা থক্লি। মসি মথোৱ অনিগী হৈনবীনি। মতমগী মতুংইন্না নোংবোন্দা থাস্ম থোৱক্লে।

'ঐনা নোক্ল-নোক্লগা হায়ৰম্মি, ডাক্তৰ নহাক কাউশ্ৰুৰৱা? থাক্ৰাগী মতম ওইৰে।

'মতাও অসিদা ম্যা মচা অমতং হাৱবা ডাই। মৰক অসিদা ঐনা ডাক্তৰখানাদা লোম্না চত্তুনা মকুপ থৱা লৌক্ৰে অছুগা মছুগী শৰুক থৱদং তাম্বা য়েংলগা উহন্দনা ডাক্তৰগী গ্লাসতা ম্যানশিনখ্ৰে।

'কৰম্বা মকুপ চাৱগা মী শিবগে হায়ৰসিদি ডাক্তৰগী মকমদগী তম্ৰবনি।

ডাক্তৰনা অমুক্তদা গ্লাসতু লোইনা থকচিন্নগা থৌৰাঙ্গ কং-লপ তৌনা ঐভোন্দা থৱায় শোক্লা য়েংলগা হায়ৰকই, অছুদি চংলগে।

'বাঁশি থোংগৎলক্লে, ঐনা বৰাণসী শাড়ি শেৎলম্মি, উপুদা লৈবা লৈতেং পুৱমক পুখোকতুনা শেৎলম্মী— নৱাইদা সিঁদুৰ পাক্লা নমশিল্লে। ঐগী বকুল মথোওছুদা কম্মুও থাৱে।

'কজখ্ৰুবা অহিংনি। থাবল্লা ইলং লংই। তুম্নিবা অগৎকী চোকথবা মাওথিনবা থা-গী মুংশিং শিংলকলে। জুই অমম্মং হৰিথাগোক মপানগী মনম্না লৈকোল্ন মুংওাইবগী ইৱাং চৌহৰে। বাঁশিগী খোজেন্না অম্নম শাপথোকখিবগা লোয়ননা থাবলম্ম মম-শিল্লক্লে, লৈনা থম্মবা লৈকোল অমদি শোকপদগী লোয়নৱক্লৰা ম্যুৰ ইখোলগা লোয়ননা পৃথিবীনা ঐগী মাৱকৈ মৰিদগী মাম্নাগী মতোওম্না তিনশিন্নছুনা চৎখিবা হোৱক্লে মতম অছুদা ঐনা ফিং উইশিন্নুবা নোক্লম্মি।

‘ঐনা অহুম্না থল্লম্মি মীনা লাক্লুনা ঐবু য়েংলবা মতমদা ঐগী যোযোন য়োকপা মিনোকসে কোক্লুবা মচুগুম্বা ঐগী চীন-বান্দা পক্লুনা লৈহৌসন্নু। অসিমন্নু নিংলম্মি লোইবা নাইত্রবা অহিংগী লুহোংবগী কা অহুদা তপ্না তপ্না চত্তগনি মতম অহুদা মিনোক অসিত্তদি মকম অসিদগী পুহনা চংখিগে। কদাইদনো লুহোংবগী কাদি ? ঐগী লুহোংবগী কিয়েংনা কদাইদা ? ঐগী ইপাদগী ক্রোক ক্রোক লাউবা খোজেপ অমনা ঐবু হোৎজোক্লুনা য়েংবদি, মুপা মচা অহুম্না ঐবু শরুকিত্না তমরম্লে। অরা মুংঙাই কম্বাগী ঈহৌকন ওইবা অমদি মহা ওইবগী মপোম্না চুমিং খুদিংগী অমগী মথংদা অমা চোংখংলগা অহুগুম্বা হকচাং কম্বাংশিং অহুদা চৈ অমনা থিন্দুনা তাক্লগা করম্বা শক্লনা কবি মমিং কৌবগে হায়রম্নু ওঝা অমনা তম্বিরম্মি। অহুগা চীনবান্দা হাপচখিবা অরোইবা মিনোক অহুগী খুদম মচেৎ অমা কাওবা পকলিত্রা।—

‘য়ারীসি কমদোই ?’

ঐনা হায়রম্মি, ‘য়ারীসি পূক্কিঙ মকা লাম্মি।’

মতম অসিদা কাক অহানবা খোংলক্লে। হংলম্মি, ‘হৌজিক কাওবা লৈরিত্রা।’

ইমুংদা অমুকী মতাম চঙলক্লে।

(জীবিত ও মৃত)

হিংবা অমসুং শিবা

মাণী হাঠকী জমিদার শারদ শংকর বাবুহোৎগী লুখ্রাবী মৌ অসিগী মপারোমগীসু কনাসু লৈত্রে, পুন্নমক অমমম ওইনা শিজ্রে। মপূরোইথরোমগীসু মাগীনি হায়বা থোইদোকপা কনাসু লৈত্রে, মপূরোইবসু মচাসু লৈত্রে। মতৈগী মচা শারদ শংকরগী মচা অতোনবচু মহাকী মমিংকী মণিনি। মহাক পোকপদগী মমাচু মাম্মা কম্মা নায়ম্মি, মরম অচুদগী লুখ্রাবী মদোন কাদম্বিনীনা মহাকপু মী ওইনবা মোক্লকই। অতোপ্পগী মচা লোকপা হায়বসি পুক্নিংদা মাম্মা নিঙজিং মাঙজিংনবা পোকই মরমদি মতোন্দা করিগুম্বা অধিকার অমত্তা লৈতে,— মতোন্দা সামাজিক দাবি লৈতে, ফুং-শিবগী দাবিদগী হেন্না, অদুগা ফুশিংবা হায়বসিনা সমাজগী মকথদা মশাগী করিগুম্বা দলিল অমগী মতুংইন্না প্রধান তৌবা মাদবতা নত্তনা পামস্থ পামদে, অরেপ্পা লৈত্রবা থম্বাগী লাল অচুবু দ্বিগুণ ফুংশিবা নত্তনা।

লুখ্রাবীসিগী লৈজবা ফুংশিবা পূন্নমক অতাং অসিদা হৈজিন্নম-লগা নোংমদি ইঙা থাগী অহিং অমদা কাদম্বিনী থঙহোদনা শিরে। থঙহোদনা কয়ম্মা মহাকী থম্মোই মিহুল লেপথ্রিবনো— মতম হায়বসি জগৎকী অমাদ মফম পূন্নমক্তা লেপ্তে, ফুংশিবনা মাজরবা শিক্লবা থোংলবা হকচাং অসিগী মনুঙতদনি মতমগী ঘড়ীগী কাটা অসিনা মতম পূন্নমকী ওইনা লেপখ্রিবা।

মতুংদা পুলিশকী অঙকপা থোদো থোক্লকনি হায়বগী চিংনবনা থোইদোক্না মনা-মনিল নাইদনা জমিদারগী থবক তৌবা ব্রাহ্মণ

যাকিন্না থৌনমা অশিবা মপাহ্ পুক্কনা ঠেঙ্‌ খাবা চংখ্রে।

যাদী যঠেংকী পোৎলোইকখ্রদি মৌকী লৈকমদগী চান্না খাবা লৈ। পুম্নী মপান্দা খাৎপোক অমা অমুগা মকুগী মনাক্তা চাওরবা অঠ পাম্বী অমা, চাউরবা শবুক লমহাং অহলদি কনিঙ্‌ ঠেংলে। মমাইতেংনা ফুরেপ চেক্না অকনবা পম্পাক অমা লৈ, যৌকিকি ফুকেনদি পুমকং কংখ্রে। কংথিবা ঐশিং মখৌ অহল্লী খাকপ অমা তৌথোক্লগা পোৎলোইকমগী পুম্নী শেন্নবনি। যৌকিকী মীওই-শিংনা পুম্নী অমিক্ পুণ্য চেক্নী ইকেনি হায়বা তৌনরে।

অশিবা মপাহু খাৎপোক অসিগী মকুক্তা থম্লগা মখোয় যনিবা চিঙগী শীং চাইক্লনা লৈখি। মতম অসি অমুক্তী মতিক কুইশিনরে মক্কুদি মখোয় লাংতক্নরক্লে, মমম অমনা মখোয়গী মমতগী নিঙাই অমখুং গুরুচরণ অনিনা শীং পোবা চংখিবসিগী কুইমনখৈ লেংইখিগে হায়ক্লনা চংখ্রে, অহুম্না কিমুগা মনমাশীবনা অশিবকী শঙহৌরে।

ইচাগী মমৰা অহিংখি। লোংস্ চমুক চমুক ওইনা লাক্লে, অভিরাদা থরাম্বিচাক অমত্তু উথিল্লে। মমৰা মুম্ অনিদা মখোয় অনি ফুমিন্না কমক্লা লৈরে। মী অমগী ইমকিদা লৈবেং অমম্রি পুমশিন্নকই। লোংমু থাঙ্গী লৈবেং হায়মস্তিমু কথা কনা লোংমকুমন্ নেৎ হায়না থক মাম্পিল্লে— মনাক্তা লৈমনা লোনলোন অহল্ ফুখ্রে।

মমা কুইনা ফুমিন্না লৈজনা মকুন্দা অমনা হায়রকই, "অমাম, হিদাক চাহক অমতগী থোৱাং তৌবদি কয়াদা কপখ্রে। ঙুমা লোক্নমনথ্রুনা কনিমথা পুমক্লে।"

অতোন্নাৰুনা হায়রদি, "ঐনা অহুমং ঙুমা চেক্নবদি পুক্কক পুৱকপা তমগনি।"

বনমালীনা চেনখিদৌরে হায়বসি থজবদা বিধুনা হায়রকই, "কুংঙাইরেদা ! ঐ ইত্তোমদা মকমসিদা লৈহৌদববা !"

হনকখুক্তি মাবী মাতাই পূম্নমক লেপখ্রে। মিনিট মঙাসি পুং অমগা চপ মায়খ্রে। শীং লৌবা চংখিবশিংদো মখোয়না মপুক্লিংদা চৈবা হৌরক্লে— মখোয়হু নিঙতাইদনা কুংঙাইনা করিগুম্বা মকম অমদা মাপ্নী শাহনা হিদাক থক্তুনা লৈখোক্লবনি, চিংনবসিনা মপুক্লিঙহ অগ্গম অগ্গম থনগৎলক্লে।

করিগুম্বা মকমদগী মখোল অমতা তাখিম্রে— পুগ্রিমপান্দা কৌজেং হাম্নৌ অমস্তুং হঙোই খোঙবগী মখোল নম্বনা। অসিগুম্বা মতম অসিদা কুহু থজিক্তুং লেঙদকই—অশিবা মশাহু মাঙনবগুম্বা।

বিধুগা বনমালীগনা মাম নাম শোল্লহনা থক-থক নিকপা হৌরক্লে। খুঙংহৌদনা ইমুঙগুদা শর মপী হোনবা অমা তারে। বিধুগা বনমালীগহু মিকুপ অমগী মতুঙদা ইমুঙদগী ফদ লাউনা চোংখোক্তুনা মপাল খোকথ্রগা খুল্লোমদা চেনখ্রে।

ক্রেশ অমা মথায়রোম চংলগা ওসাইগী শীং লৌপনি হায়হুনা চংখিবা মখোয় অনিহু লেমতোম মথুক্তা পাম্নহুনা হল্লক্লে। ভবেং-অমক মখোয় হিদাক থকপা চংলুবনি, শীংগীদি করিগুম্বা পাউ অমত্তা থঙদে, অহুম ওইনমক উ মাল্লপা শীং থায়হল্লম্মি হায়হুনা পাউদি শীরম্মি—থুনা লাক্লগনি। বিধু অমস্তুং বনমালীনা থাংগোক্তা খোকখিবা থৌদোক অহু তম্লম্মি। নিতাই অমস্তুং গুরুচণবা থাজ-মমবে অহনা মখোয় অনিদা তৌফম-খোকপা মথৌ তৌদবগীদমক থীনা চৈরম্মি।

থীন্দনা মখোয় মরিমক পোংলোইকমদা চংখিহুনা থাংগোক অহু য়োৌয়ে। ইমুঙদা চঙদুনা য়েংবদি অশিবা মশাদু লৈরমজে, কু অহুতা মঙায়রক্লে।

মখোয় মশেল তুমিন্না য়েংনহুনা লৈরে। লমছুইনা চেন-থ্ৰবন্না? কুপ্লকপা ফিরোল অহু কাওবা লৈত্রে। য়েং য়েংদ্‌না খোরকপনা খাংপোক্কী খোঙজিন ময়াদা লৈখোম থজিক্কং লৈরম্মি, মদ্‌দা য়াম্না নৌরিবা স্নপীগী খোংঙ্গুল মচা অমা তারম্মি।

শারদশংকর ভরাইবা মী নত্তে, মঙোন্দা ভূংকী য়ারী লীক্লদ্‌না অকবা কপ কংবগী থাজবসি য়াম্না য়াংদি। অদুদগী মখোয় মরিনা য়াম্না মুন্না খন্নরবা মতুংদা অম্ভা লেপ্নরে, মৈ থাথরে হায়বনা ফরে।

অয়ুক্কী শীং পুহুনা লাক্লিবা কাংবু অহুনা', খেঙলহুনা থাং-পোক্কা লৈরম্বা শীং অদ্‌না, হান্না থবক অদু লোইশিল্লে, অম্ভা পাই কংলে। য়াকম অসিদা কনাগীস্ত্র চিংনবা পোক্লোই—য়রমদি অশিবা দেহ অসি মমল য়াম্বা পোং নত্তবনিন কনানম্ভ হুংন্দুনা পুখবা ত্তোরোই।

২ শুবা মতাং

পূম্নমক্না থঙনরি, পুজিগী কবিগুম্বা খুদম অমতা কংত্রবস্ম অয়াম্বা মতমদা থরায়দি মঙেং তাদনা লৈ, অহুগা মতমচানা অমুক-হন্না অশিবগা মান্নরবা হকচাংদা মহাক্কী থবক হৌরকই। কাদম-বিণীম্ন শিদে— থঙহৌদনা কবি মরমদগীনো মহাক্কী থরায়গী থবক লেপখিবনি।

মহাক্না জ্ঞান লাক্লদ্‌না হৌগংলকপা মতমদ', উরম্মি, মাইকৈ মরিমক্কা পূম্নম মমখ্রে। মহাক্না কুইনা থঙজবক্লবা মহাক্কী তুম-ফম নত্রমাল্লে হায়না খল্লংক্ল। অমুক্কং কৌরম্মি 'ইংচ'— মন্নবা

ইমুঙদা কনাম্ব থুম্লকতরে। কিয়হুনা হৌগৎলগা কয়ে, নিঙ-শিংলক্লে অশিবগী কমুংগী হাহু। মহাক্লা থঙহৌদনা থবাক ময়াদা অনাবা অমা ফাওই— মর ফুনগদবগী থৌরাংনি। মহাকী মহৈনা লৌবা মচেহন্না ইমুঙগী মচি অমদা ফুজাদা অঙাংগী যঙ্গোম তৌরি— কাদম্বিণীনা লেপ্লা ঙমত্রহুনা কমুঙদা হিপ্লম্মি— থৌরি ফুল্লা হায়রকই, "ইচে, মুপা মচাবু অমুক্তা পুবিরকউ— ঐগী থরাকশি করি'লোমা তৌরে।" অহুগী মতুংদা পুম্নমক মুশিনথ— ইননবা থাত্তাদা মুক হৈজিনবগুম— কাদম্বিণীগী নিঙশিংবা পুম্নমক অমসুং জ্ঞান, জগৎ-মারীগী ময়েক পুম্নমক মিকুপ অমদা অমত্তা ওইখ্রে। মুপা মচাহুনা মহাকপু অরোইবা ওইনা মহাকী থুমলবা মুংশিবগী থোংজেল্লা ইন্দোন হায়না কৌথিবরা হায়বহু লুথ্রাবীসিনা নিং-শিঙবা ঙমন্ত্রে। মহাকী লোইবা নাইত্রবা মশক থঙত্রবা অশিবগী থোঙচেৎকী লম্বীদা মত্তমকুইনা মশক থঙলক্লবা পৃথিবীদগী অরোইবা ক-ফন থোকপা পিকথ্রবা মুংশিবা মচেৎ অশিমতং থোমজিন্দুনা পুবকপ্রা হায়বসিম্ব লুথ্রাবীসিনা নিঙশিংবা ঙমদ্রে।

অহানবদা থল্লম্মি, যমগী লৈবাক হায়বসি অপ্পন্না মী লৈত্তবা মত্তম পুম্নমক্তা মম্বোরে। মসিদদি ময়েংনিঙঙাই লৈত্তে, থবক তৌ-নিঙহাই লৈত্তে, মত্তম পুম্নমক্তা অম্মুন্না হৌগৎলগা কমহুনা লৈবা।

অহুগী মতুংদা হাংলিবা থোঙদগী থঙহৌদনা নোং-পুবা অঙৌংবা মুংশিং অম্মা শিচিন্নকই অমসুং নোংজুথাগী হঙোইগী মথোল অহু নাকোংদা চংলকই, মত্তম অহুদা মিকুপ অমদা মহাকী ওহাকী পুন্সিগী মরুওইবা ফিবম পুম্নমক মাঙথিহুনা পৃথিবীগী মনাক নকশিন্নকপগুম থল্লক্লে। মুমিৎনা ইলং-লংনা থোরক্লে। মমাঙদা পুখ্রি, বট পাম্বী, অচৌবা লম্পাক অমসুং অথাপ্পবা উপাম্বীগী পরেং মিকুপ অমদা লোইনা উমক্লে। নিঙশিল্লকই, মমক মমক্তা অফবা তিথিদা পুখ্রি অসিদা লাকনা লুপ্লবা,

নিঙশিল্লক্লে মতম অহুদা পোংলোইকম অসিদা অশিবা মণা উরগা কয়াগী মতিক অকিবা পোকখিবা ?

অহানবদা থল্লকই, য়ুমদা হনবা তারে। অনিগুবা রাথল্দা, ঐদি হিংত্রে, ঐবু করম্না য়ুবনা লৌশিনবিগনি। মকম অহুদা অমঙ্গল ওইরগনি। অহিংবগী লৈবাক্তগী ঐদি তাম্থোমক্লবনি— ঐদি ঐগী প্রেত্তাত্মানি।

মহু নত্রবদি অহিং তথ্যায় অসিদা শারদশংকরগী চেকশিল্লা তাক্লবা অন্তঃপুরদগী অস্নক থুদোংথীরবা মোঙকম অসিদা করিগী লাক্লনি। হৌজিক কাওবা মহাকী অরোইবা থবক অসি লোইত্রিরসিনা মৈ থাগদবা মীশিং অহুনা কনাইদা চংথ্রবা। শারদশংকরগী ভাল্লবা য়ুমদা মহাককী অশিবগী অরোইবা মীকপ অহু নিঙশিংলি, মহুগী হেক মতুংদা থাপলবা মী লৈত্রবা মম্নবা মোংকম'সিদা মশাবু মত্তোমতা উত্রবদা মহাক্লা থঙলম্মি, ঐহাক পৃথিবীগী মীওইবা সমাজগী কনাস্ নত্তে— ঐহাক য়াম্না অকিবগী মশক্নি, অকবা তৌবা নত্রে; ঐহাক ঐগী প্রেত্তাত্মানি।

রাথল অসিমক পুক্নিঙদা হেক লাকপা মতমদা মহাক্লা থনথি, মায়কৈ মরিদগী পুল্লম্বা জগৎকী নিয়ম পূম্নমক তংখ্রে। অসিগুম্বা মহাকী অচকপা পাজল, অথিংবা লৈত্রবা নিঙতম্বা চংনিঙবা মকমদা চংপা, তৌনিঙবা থবক তৌবা। অসিগুমবা অঙকপা অনৌবা তাব লাকপদা মুংঙাইরহুনা থঙহৌদনা ক্লংশিংনা অমুক্তং হুমবদা ইমুডদগী মপাল থোরক্লপা মম্নবা মোংকমলোমদা চংলক্লে— পুক্নিঙদা ইকায়বা অকিবা রাথল করিমত্তা লৈখিদে।

চংন-চংনা কমলাক চোকথরক্লে— হকচাং শোনথরক্লে। লমহাং অমগী মথংদা অমা লোইবা নাইদে— মমক মরক্তা কৌগী লবুক— করিগুমবদা থুকউ য়োবা ঈশিং থেংনৈ।

অয়ুক্কী মঙাল থরা থরা উরকপদা থোইনা লাপ্পনা ইংখোম্বা হৌরিবা য়ারকপী উচেক অগা অনিনা খোংবম্বী মখোল তারে।

মতম অছুবা মক্তেংগ্দা করাম্বা অকিবা পোকখ্রে। পৃথিবীদা হিংলিবা মীওইবশিংগা মহাক্কা করমবা মওংদা অনৌবা মরী লৈনবগে হায়বসু মহাক করিমত্তা থওদে। লবুক্কা লৈরবা অছুক মথৈ ময়োংকমদা লৈরিমথৈ, ইঙাগী অহিংগী অমমবা মরক্কা লৈরিবা অছুক্কী মথৈ মহাক কিনবগুম্বা মশাগী লমদমদা লৈ'শুম লৈরম্মি। মুংখিলগী মঙাল্দা মীওইবগী লৈকম অসি মক্তে ন্দদি ওল্লোক্কা অকিবগী মশক ওইরবা মকম্মি হায়না থনথে। মীনা ভূতপুত্র কি, ভূতনা মীবুস্থ কি, অশি-তুরেলগী তোর্বান অনিদা মখোয় অনিগী লৈ'যম্মি।

৩ শুবা মতাঙ

ফিদা লৈখোম তৈশিল্লুনা, অঙকপা য়াথল্দা লুপ্তুনা অমস্থং অহিং তুমদবগী অঙাওবগী মতৌ ওইরবী, কাদম্বিনীগী মায়খোং অছু উবদা মীনা মহাকপু কিদরমগনি অছুগা অঙাংশিংনা অরাপপদগী চেনশিল্লগা মহাকপু ইস্তুরমগনি। লাইবক ফবদগী পুকচেল চাউবা লম্বী চংপা অমনা অসিগুম্বা কিবম অ'সদা ইহান হায়না উথি।

মহাক্কা চঙশিল্লক্তুনা হায়রম্মি, "ইমা নহাকপু অচৌ-অপাংগী মৌ মায়া উই, নহাক কিবম অসিদা নত্তোমত্তা কদাইদা চৎলিবনো?

কাদম্বিনীনা অহানবদা করিগুমবা পাউখুম অমত্তা পিদনা য়েংদুনা লৈরম্মী। তাম্বা অসিদা করি'মত্তা থনকম খোল্লবদে।

মহাক সংসারগী মরুওদা লৈ, মহাক অচৌ-অশাং ইমুঙগী মৌনি, খুনগী লম্বী চৎপনা মহাকপু হংলিবা মাহং, পুম্নমক অসি মঙোন্দা থম্মিঙডাই ওইদে হায়না খল্লম্মি।

লম্বীচৎপহুনা অমুকন্থু হায়রম্মি, "চৎলো ইমা! ঐমা নহাকপু নয়ুমদা থিনবীরগে— মহাক্কী নয়ুম কদাইদনো ঐঙোন্দা হায়য়ু"

কাদম্বিনীনা খনবা হৌরম্মি। ইকুবোক্কী য়ুমদা হনবগী মা-খন্দি খনবা য়াক্রে, ইপাগী য়ুমদি লৈত্রে— মতম অহুদা অঙাং ওইরিবৈগী মরুপপু নিঙশিংলকই।

মরুপ যোগমায়াগা অঙাং ওইরিবৈবগী কায়নখুবস্থ মরক মরক্তা চিঠি চৎলৈ। কম্রি করিগুম্বা মতমদা থোক্চৎ কায়দনা সুংশিবগী লান শোক্লহনা লৈ,— কাদম্বীণীনা থঙহল্লিডিঙ্গ সুংশিবা হায়নসি মঙোন্দদি য়াম্না কল্লি, যোগমায়ানা খঙহল্লিডিঙ কাদম্বিনীনা মহাক্কী সুংশিববু মতিকচানা হল্লক্কে। করিগুম্বা থুদো চাবা অমগা আন-মক অমুক্তং ইমরবদি পুং অমদি কনানা কনাগী মিৎয়েংদগী লোৎপা ঙম্মোই, হীরম অসিদা মথোয় অনৈমক করিগুম্বা চিং-নবা অমত্তা লৈরমদে।

কাদম্বিনীবা ভদ্রলোক অহুদা হায়রম্মি, "নিশিন্দাপুরদা শ্রীপতি-চরণ বাবুগী য়ুমদা চৎকে।"

লম্বী চৎপহু কলিকত্তাদা চৎলমবনি; নিশিন্দাপুর অনকপদি নত্তে অহুম ওইনমক মহাক্না চৎকদবা লমবী অহুদা লৈ। মহাক মশামক্তা থোরাং তৌবীহনা কাদম্বিনীবু শ্রীপতিচরণ বাবুগী য়ুমদা থিনবীরম্মে।

মরুপ অনি তিম্নরে। অহানবা থঙনবদা থম্লকং থীরম্মি, মতুংদা অঙাং ওইরিবৈগী দৃশ্যহু অনিমক্কী মমিত্তা মথং মথং ঙই লাক্লে।

যোগমায়ানা হায়রম্মি, "ইমাইপেমা ! লাইবক ফবনি । নহাকপু অহুম্মা উগনি হায়বসে ঐহাক্কি থম্লুদে । অদুবু মরূপ নহাক করম্মা লাকপগে ? নহোয়গী নকুবোকহোয়গী মীশিংনা নহাকপু অহুম্মা থাদোক্লমলিবসে !"

কাদম্বিণী তুমিন্না লৈরম্মি, মথৈদা হায়রম্মি, "মরূপ. ঐভোন্দা ইকুবোকহে'য়গী য়ুমগী য়াদি হংবিরক্লগনু । ঐবু নীনায়হুবীগী মতৌগুম য়ুমগী মচৌ অমদা লৈহনবীয়ু- ঐ নখোয়গী থবক নোমজ.গ ।"

যোগমায়ানা হায়রম্মি, "হেমা ! হায়রিবদুবু কবি য়ানো ? মীনায়হুবীদোনা 'লগদৌরিবা করিগীনে' ? নত্তদি ঐগী মরূপ্প, নত্তদি ঐগী"- অসিনচিংবা ।

মতম অসিদা শ্রীপতি ইমুংদা চঙশিল্লকই । কাদম্বিণীনা ভহাক্তং মভোন্দা য়েংলমলগা তপ্না তপ্ন ইতুন্দগী মপান্দ থোকখ্রে— মকে ক থুগা নত্রগা করিগুমবা মওংগী চিংনবা নত্রগা নাচুংবগী মওং অমত্তা উদে ।

মতুংদা মহাক্কী মরূপকী মথক্তা শ্রীপতিনা করিগুমবা য়াথল অমা :তৌথ্রবদি হায়বগী লাওত্তরবনা যোগমায়ানা মথল মথা কন্না হায়জত্তুনা মহাকপু জ্ঞান তানবা হোৎনরম্মি । অদুবু যোগমায়ানা থজিক্তং হায়বদা শ্রীপতিনা মহাক্কী প্রস্তাব পূন্নমক ইরায় লায়না য়াখিবত্তুদা যোগমায়াগী থোইদোক্না অপেনবা ওইরমদে ।

কাদম্বিণী মরূপকী ময়ুমদদি লাক্লম্মি, অদুগা মরূপকা তিন্নবদি ভমখিদ্রে— মরক্তা অসিবনা থনখিবনা । মশাগী মরমদা মতম-লৈবখিবিক্তা চিংনত্তুনক্তা অমস্তুং থন্দুনত্তা লৈরবদি অতোপ্পগা তিন্নবা য়াদে । কাদম্বিণীনা যোগমায়াগী মায়থোংদা য়েংই অদুগা করিগুম্বা অমা থনবগুম তৌই— অস্তুম্মা নিত্তিং, মহাক্কি য়ুমপানবগী থবক তৌত্তুনা য়াম্না থাপ্না অতোপ্পা জগৎ অমদা লৈখ্রে । মহাক্কি চুং-শিবা অমস্তুং তৌকমথোকপা থবক পূন্নমকক্তা লোয়নরবা পৃথিবীগী

মীনি, অদুগা ঐদি করিম্ন য়াওগ্রবা যমিনি। মহাক্না অহিংবগী লৈবাক্তনি অদুগা ঐনা লোইবা নাইত্রবগী মরক্তনি।

যোগমায়াস্থ কয়িনো থরদি কাওই অদুগা ভাব ভাবদি ওমদে। মুপীশিংনা অথুম্বা হায়বসি থওবা ওমদে— মরমদি অয়েম্বা লৈ-ভবরু লৌথক্তুনা কবিত্ব ওইবা য়াই, বীরত্ব ওইবা য়াই, পণ্ডিত ওইবা য়াই, অদুগা য়ুম পানবদি য়াদে। মরম অসিদগী নুপী ওইবীশিংনা য়াকম অসি থওদে, লৈরম্বা পোং অমা মাওথিহনা মহাক্না করিগুম্বা মরী অমতা লৈনদবা, নত্রগা মহাক্কী মথুংদক্তা অনৌবা মূর্ত্তি শেমলগা মশাগী শীংজনবা মতিকচানা মতিক লৈ-রবা পোং অমা ওইহনবা অনি অসিগী মরক্তা অমতা ওমত্রবদি মহাক্কী মথক্তা য়াম্না খোইরাং খোইশাওই।

কাদম্বিনীনা অদুকী মতিক থওদবা হেনগৎলক্লিবমথৈ, যোগ-মায়ানা মহাক্কী মথক্তা শাউবা হৌরম্মি, থল্লম্মি, করম্বা পোংলুমো লেংবান্দা য়াল্লিবসিবো। অমুকন্ম থুদোংথীবা অমা। কাদম্বিনীগী মশাবু মশানা কিজে। মহাক্না মশাগী মফমদগী মশাবু চেম্মোক-চবা থক ওমদে। ভূতপু কিবশিং অদুনা মখোয়গী মতুংথংবা মাই-কৈহ্ কি— উবা ওমদব, মাইকৈ অহ্তবু কিনৈ। অহ্নু কাদম-বিনীগীদি মশাবুনা খ্বাইদগী হেম্না কি— মপান্দদি মহাক কিদে।

মরম অসিনা মী চিক্লবা অহিং নোংমাইদা মহাক মতোমদা ইমুঙদা নোংকাদোকস্থ লাউ-খোংলকই— অদুগা সক্কাগী মতমদা খাউমৈ মঙান্দা মশাগী মমি উয়বদি মশাহু খিঙ-খিঙ লাউনা লৈ।

মহাক্কী অসিগুম্বা অকিবা অসি উবদগী য়ুম অদুদা লৈরিবা মী পূম্নমক্ত অদুস্ম মপুক্লিঙদা অকিবা অমা কাওরে। মীনায়শিং অমদি যোগমায়াস্থ মতম, মকম থওদনা হেক্তা ভূত উবা হৌরক্লে।

নোংমদি অম্মা থোক্লে, কাদম্বিণীনা অহিং-নোংয়াইদা মহাক্কী তূমকমদগী কপ্পুনা থোরক্লগা যোগমায়াগী থোঙজিন্দা লাক্লগা হায়রম্মি, "ইচে ইচে ! নঙগী নখোঙ অনিদা তুজরি । ঐবু ইত্তোমত্তা হুন্দোক্তুনা থম্বিগনু ।"

যোগমায়া কিন্না কিয়ে শাউন্নু শাউনিংলে । থল্লম্মি, মিকুপ অহুমক্তদা কাদম্বিণীবু থাম্না ফানথোক্লগে । থোজাল হৈরবা শ্রীপতিনা কয়া হোৎনহুনা মহাকপু থয়া ঊংথহল্লগা থংনবা যুম অক্লদা মহাক্কা মকম পীরম্মি ।

মথংগী মুমিত্তা মতম চাদনা অন্তঃপুরদা শ্রীপতিবু কৌরকই । যোগমায়ানা মহাকপু থুদক অহুমক্তদা চৈথা হৌরম্মি, "করিনো নহাকপু করম্বা মীনো । মূপী অমা মকুথোক্কী ময়ুম থাদোক্লগা নঙগী নয়ুমদা লৈরে, থা অমরোম কারক্লে অহুবু চৎপগী য়াদি থক পন্দে, অহুগা নঙগী নচৌন্নগীনু করিগুম্বা য়ানিঙদবা অমত্তা তাবে । নঙগী নপুক্লিঙগী য়াহু শেংনা অমুক্তা হায়দোকউ । নখোয় মূপা হায়বা জাৎসে অম্মুম তৌত্রা ?"

অওইবমকম্মু মূপী হায়বা জাৎ অসিনা অত্তোম্না মূপাশিং-গীদমক কয়া থন্দে অহুগা মখোয়দা মীচঙ-মীথায় নাইবগী য়াথল অমদি লৈ মরম অসিদগী মূপীশিংনা মূপাদা হেন্না মরাল পীশিল্লি । উপায় লৈজত্রবী অমদি নিংথিরবী কাদম্বিণীদা তোল্লবীনি হায়না মুংশিবা পোকপদগী চাং থরদং হেন্না মুংশিরম্মি মসিগীদমক মহাক্না যোগমায়াদা য়াশক্কে তৌরবম্মু মহাক্কী লমচংনা থাজবা পোকহন-খিদে ।

মহাক্না থল্লম্মি, 'মচা পোক্ত্রবী লুখ্রাবীসে মকুথোক্কী ইমুংগী মীশিংনা শোয়দনা ওং নৈবিরমলগনি, মরম অহুনা থাওবা ওম-ত্রহুনা চেন্নক্লগা কাদম্বিণীনা ঐত্তোন্দা চঙজকম লৌরিবনি । মমা মপা লৈজত্রবী অসিবু ঐনা কয়না থাদোকনি ।' অম্না থম্মুনা

মহাক্না কখিগুমবা থন্না তৌরগা খিননবা হোৎনরম্মি অদুগা কাদম্বিনীবুসু মুংশিলবগী মরম ওইরিবা হীরম অসোয়বা হংদুনা মহাকপু পুক্লিঙ লৈত্তাহন্নবসু তৌরমদে।

মহাক্কী মুপীনা মাগী তৌকম থোকপা থবক কয়াদা অপনবা পীবা হৌরম্মি। কাদম্বিণীগী মকুবোকহোয়দা পাউ পীবা হায়রসি মহাক্কী মুমগী শান্তি থরবগীদমক অমত্তা ভাববা উপায়নি হায়রসি মহাক্না কল্পনা থওবা ওয়রম্মি। মমৈথংদা মহাক্না লেপ্পলম্মি, চিঠি ইরবসু অফবা কল কংদবা য়াই। অদুনদি রাণীহাট্টা মশামক চৎলগা থিরক্লুনা মহাক্কী তৌকম থোকপসু লেপ্পগে।

শ্রীপঞ্চিমি চৎখ্রে, অসোয়বা যোগমায়ানা লাক্লুনা কাদম্বিণীদা হায়ররে, "মরূপ নহাক্না অসি দা লৈবসি করা কত্রে। মীনা করি হায়নগদগে?"

কাদম্বিণীনা চীংলেম্না যোগমায়াগী মায়থোংদা য়েংলগা হায়রকই, "মীপা ঐগা করি মরী লৈনবগে?"

যোগমায়ানা য়াসি ভাবদা ফুমিম্না লৈরম্মি। থজিক্তং শাউনা হায়রকই, "নঙগীদি লৈত্রবসু ঐথোয়গী'দ লৈ। ঐথোয়না অত্তোম্পা মুমগী মৌবু করম্না থামদুনা থমগদৌরিবনো?"

কাদম্বিণীনা হায়রকই, ঐগী মকুবোক্কী মুমবু কদাইদনো'?"

যোগমায়ানা থল্লম্মি, অশিথোংদা। লাইবকথীবীনি হায়দুনবু।

কাদম্বিণীনা তপ্পা তপ্পা হায়রকই, "ঐ অসিবু নথোয়গী ক'র নো। ঐবু পৃথিবী অসিগীরা? নথোয়না নোঙ্গি কপ্পি, মুংশিরি, পূম্নমক মশা মশাগী তৌবরি, ঐদি হেৎদুনতা মরৈরি। নথোয়দি মীনি, অদুগা ঐদি মখিনি। থওবা ওমজি, ঈশ্বরনা ঐবু নথোয়গী সংসার অসিদা কম্নিগীদমক পুরক্লগা থমবিরমলিবনো। নথোয়সু কিরি মতুংদা নথোয়গী হরাও-ভয়ামদা ঐনা অমঙ্গল পুরকনি হায়না— ঐসু থওদে, নথোয়গা ঐগা করি মরী লৈনবগে হায়-

মসে। অদুবু ঈশ্বরনা কৱিগুমবা লৈকম অমত্তা শেমবীদুনা থমদবনিনা, মথোয়না মরী তংনববস্থু মথোয়গী নকমদা কোয়হনা লৈবা হায়বসি মথানা ভাবা য়াদি।”

অস্থুম্না য়েংনরগা য়াশিং অসি তাংনরগা চৎখ্রে, যোগমায়ানা মওং অমদা পূয়মক্কী মথক্ত' কৱিগুমবা থরদি থত্তবা ত্তম্লশিম্নি অদুগা মরুওইবা য়াদি থংলমদে, পাওখুমমু পীবা ঙম্মদে। অনিয়কত্তবা য়াহংস্থু হংবা ঙমহৌদ্রে। মরু লুকথমগা য়াথনগা লোয়মনা চৎখ্রে।

মরিগুবা মত্তাও

মুমিদাংগী পুং তরায়োম তাবা মতমদা শ্রীপতি রাণীহাট্টগী হল্লরুশিম্নি। মোংবা পৃথিবী অসি তাত্তবোকখিদৌরে। মোংগী জম জম লাওবা মথোলত্তবু নিংশিংলি, মোংস্থু লোইবা লৈত্তে, ত্তসিদি অহিংস্থু লোইবা নাইদে।

যোগমায়ানা হংলম্মি, “করি তৌরবগে?”

শ্রীপতিনা হায়রম্মি. মদু য়ামখ্রবা য়াদি। কোয়া তাংবসি।” হায়রদুনা মফি হোংদোক্লগা চাক চায়শিম্নি অদুগা হিদাক থক্লগা তুম্বা চৎখ্রে। মওং অদু য়াম্না য়াথদ থনবা মাল্লি।

যোগমায়ানা থত্তনিত্তবহু কুইনা নমথদুনা থম্বা ত্তমলক্তহুনা কমুত্তদা চডলগা হংলম্মি, “করি তারকপগে, হায়যু।”

শ্রীপতিনা হায়রম্মি, “তশেংবনি নহাক লাল্লে।”

তাবমক্কদা যোগমায়ানা মপুক্কিত্তদা হাইফেংনা শাউনিত্ত-লশিম্নি। মুপীশিংনা কদৌদ্বৈংদস্ লাল্লে, করিগুবা লাম্রবস্থু মুজি

চঙখোনবা হুপা অমনা মচু পনকম খোক্কে, মশানা থঙজেবনা হেন্না অকবা য়াথরি। যোগমায়ানা হাইকেৎ কংনা হায়রম্মি "কয়ম হায়না তাবগে।"

শ্রীপতিনা হায়রম্মি, নহাক্কী মমুমদা লৈকম পীরিবা নহাক্কী মরুপ অসি কাদম্বিণী নত্তে।"

অসি তম্মবা য়া অসি তাবদা থুনা শাওবা য়াই— খোট-দোক্লা মহাক্কী মপুরোইবগী মচিন্দগী তারবদি অমুক হায়নিঙতাইবু লৈতে। যোগমায়ানা হায়রম্মি, "ঐগী মরুপপু ঐনা থঙদবা, নত্তোন্দগী অমুক থঙগদৌরিবা— করাদা ওকথ্রবা য়ানো?"

শ্রীপতিনা থঙহল্লম্মি মকম অসিদা ৽রাগী করুবগী মরীদা নত্তে। প্রমাণ য়েংগদবনি যোগমায়াগী মরুপ কাদম্বিণী শিখ্রে হায়রসিদা করি'মত্তা চিংনকদ লৈতে।

যোগমায়ানা হায়রম্মি, "তাখো। নহাক শোয়দনা মকোক ভাওনা লাক্লমগনি। কদাইদা চৎকনি হায়রগা কদাইদা চৎ-লুরবা, করি তাগে হায়হুনা চৎলগা করি তাহুদা হল্লক্লবা, মহুগী অরেম্বা অমত্তা থঙদ্রে। নহাক নশা চৎলু হায়রবসি কনা-না হায়রগে চিঠি অমা ইহুনা থাখ্রগা পুম্নমক শেংনগদবদা।

মশাগী থবক অহুদা লোয়নবীনা থাজবা য়াংপসিদা শ্রীপতি য়াম্না হুংতাইরহুনা প্রমাণ পুম্নমক পুখোক্লুনা তাক্লবা হোৎনরম্মি— অহুবু করিগুম্বা মহম অমত্তা য়ানখিদ্রে। অনিমক্তা হোয়-য়াই হায়নরিবৈদা হুমিদাংগী পুং অনি তাশিনখ্রে।

কাদম্বিণীবু পুংকম অসিমক্তদা মুমবগী তাদোকখিবগী মরীদা মখোয় অনিগী মত্তি খেন্নবা লৈতে। মরমদি শ্রীপতিনা খাজৈ, মহাক্কী অত্তিথিনা অরোনবা মরী-মখোঙ পীহুনা মহাক্কী হুপীবু অমুক কুইবসি ওংলক্লে অহুগা যোগমায়ানা খাজৈ মহাক শাগে থাদোক্লবীনি— অহুম ওইনক হৌজিকমক য়েৎনরিবা মরৈ অসিগী মরীদদি কনা'স্ন্থ য়াংথ্রীনিঙদে।

মখোয় অনিমকী খোল লাউথংনমক্লে, কাউখ্রে থংনবা য়ুম অচুমকন্দা কাদম্বিণী তুম্মি হায়বসে।

অমনা হায়রম্মি, "করে অয়াবদা ভাবে। ঐ ইনা-না ত'চুনা লাক্লবনি।"

অচুগা অমনা য়ায়া হায়রকই, "মহু হায়চুনা কবিগী য়াগনি, ঐ ইমিৎমক্না উবি।" মমৈথংদা যোগমায়ানা হায়রম্মি, "করে কাদমবিণী কদৌডৈ শিখিবগে হায়রো।"

থম্মি কাদম্বিণীগী কবিগুমবা চিঠি অমতংগী তারিথকা লোয়ননা পুখোক্লনা শ্রীপতিগী অকাওবহু প্রমাণগা লোয়ননা উৎকনি।

শ্রীপতিনা হায়রিবা তারিথ অচুদি মখোয় অনিমক্না থম্মচুনা য়েংলম্মি, সন্ধ্যাদা কাদম্বিণীনা মখোয়গী য়ুমদা লাক্লমবা তারিথ মুমিং অচুগী হেক মমাঙগী মুমিং অচুদা তাই। তাবমক্তদা যোগ-মায়াগী পুক্লিঙহু নিক্লকই, শ্রীপতিস্থ কবিগুমবা অমতংদি তৌই।

মতম অসিদা মখোয়গী য়ুমগী খোঙ অহু হাংদোকখ্রে, নোং পুবা মুংশিং অমা কং লাউনা হুমজিনক্লনা থাওনৈহু মুংখ্রে। মপানগী অমমবা চঙলক্লনা মিকুপ অমদা ইমুঙহু পুমথন থনখ্রে। কাদম্বিণীনা ইমুঙদা লেপ্লরে। মতম অচুদা অহিংদি পুং অনি-মথাক্টরোম তারে, মপান্দা অরেম্বা নৈতনা নোং তারি।

কাদম্বিণীনা হায়রম্মি, "মরুপ, ঐ নহাক্কী মরুপ কাদম্বিণী অচুমনি, অচুবু ঐহাক হৌজিক্তি হিংলে। ঐহাক শিরে।"

যোগমায়ানা কিদ্লনা লাউরম্মি— শ্রীপতি বা তাংখিরে।

"ওদ্বু ঐদি শিরে হক্লবসি নত্তনা নখোয়গী নফমদা কবি ইরাল লত্তগুবগে। ইহলোক অসিদা ঐগী মকম নৈত্রবদি পর-লোকস্থ মকম নৈত্রে— ওস্নোকপনি, ঐ কদাইদা চৎকদগে?" য়াক্লবা খোজেয়া লাউ-খোংদ্লনা মমলবা নোংজু অহিংদা তুম্মবা

বিধাতাবু হৌ:দাক্কুনা হংলকই — ওস্থোকপনি। অদু ওইরবদি ঐ কদাইদা চৎকরগে।"

অস্থুম হায়রদুনা য়াস্থরিবা মতৈ-মনাওবু ময়বা য়ুমদা হন-দে.ক্লমলগা বিশ্বজগৎতা কাদম্বিণীনা মশাগী লৈকম থিবা চৎথে।

৫ শুবা মতাঙ

কাদম্বিণীনা মতৌ করম্না রাণীহাট্টা অমুকহন্না চৎথিবগে হায়বসি হায়বদা ক্লুথ্রে। তৌইগুম্বসুং অহানবদা কনাবুসু উহন্দে। মুমিৎ-চুপ্পা চয়া হেন্দুনা নিংথায়রবা মন্দির অমদা লেপ্লে।

নোংজু থাগী খুদোং চাগ্রবা সন্ধ্যাদা অময়না কোয়শিল্লবা অমসুং খুদোংথিবা খোক্রম্না হায়না খুঞ্জাগী মী অয়াম্বা লাঙ-ঙক্তহনা ময়ুম ময়ুমদা লৈনরি, মতম অসিদা কাদম্বিণী লখীদা খোরক্লে। মকুবোক্কী খোঙজিন য়ৌবদা থম্মোই নিক্লম্মি অহুমকপু ফিক্লক থুমজিন্দুনা ইমুঙগা চংথ্রে. মীনায়মুবী ওইরবোই নিঙহুনা খোঙ-হাকপশিংহুনা অপনবা পীগ্রে — মতম অসিদা নোং য়াম্না কম্না চুথরক্লে, মুংশিংসু কম্না শিংলক্লে।

মতম অহুদা য়ুমগী মবেম্মা শারদাশংকরগী মুপীনা মহাক্কী লুথ্রাবী মচল মুপীগা লোয়নবা ভাস শান্নরম্মি। মীনায়মুবীনা চাক-শঙদা লৈরম্মি অহুগা নারিবা মুপা মচাহুনা অরুম হৌরহুনা তুম-কম কাদা হুনহুনা লৈরম্মি। কাদম্বিণীনা কনাম্ম উহন্দনা য়ুম অহুদা চঙথে। মহাক্না করি খল্লুনা মকু.বাক্কী ময়ুমদা লাক্লি-বনো। হায়বহু থঙ:দ, মহাক মশামকম্ম থঙদে, মসিমতংদি থডিঙ মহুদি মুপামচাহুবু অমুক্তং য়েংলগা চৎনিংঙি। মদুগী মতুংদা

কদাইদা চৎকদগে, করি ওইগদগে, হাকয় অদু মহাক থল্লুদে।

মৈত্তান্দা উরে পারবা কংলবা ফুপা মচাদুনা খুতুম পাম্বশিন্দুনা তুম্মি। উরগা চাক্লবা থম্মোইনা খোরাংবগুম ত্তোই— মহাক্কী পাঙ্গল পুল্লমক পুথোক্কুনা মহাকপু অমুক্তং চেৎনা কোল্লম্ন্নবদি করম্না হিংগনি? অদুগী মতুংদা নিত্তশিংলক্লে, 'ঐাদ দৈত্ত্রে, মহাকপু খেংবিনবা কনা লৈরি? মহাক্কী মমাদি মীগী তিম্নবা পাম্মি, মতম অমুক কুইবসি ঐত্তোন্দা শিম্নরগা মহক্কা নিত্তাইদনা লৈথোক্লিবনি, করিগুম্বদমু মহাকপু মী ওইনা শেম্নবগী দারিম্বদি লোদে। ত্তসিদি মহাকপু অদুম্না কনা-না চেকশিনবিগনি?'

মতম অসিদা ফুপা মচাদুনা খত্তহৌদনা মমাম্ন ওনশিল্লকুনা তুবোক-পাত্তবোক তৌদুনা ত্তাদুনা হৌগৎলকই, "হন্দোল ঈশিং পীয়ু।" আঃ শিনিংলেদ!! স্না মতুম, হৌজিককাওবা নত্তগী নন্দোনবু কাউদ্রি। থুনা ম্নাত্তনা চফুদগী ঈশিং পুম্নক্লগা ফুপামচা অক্লবু পমদুনা ঈশিং পীথক্লম্মি।

তুম্মিংবনা নমথরিবা অদুকমথৈদি, মতম কুইনা হৈনরকপগী মত্তৌগুম্না মন্দোনগী মথুক্তগী ঈশিং থকপদা করিমু অত্তকপা পোকলংদে। মমৈদা কাদহিনীনা মতম খুইনা নিত্তক্সরকপদু থুংলদুনা মহাক্কী মমায়দু চুম্নগা অমুক তুমহল্লম্ম, মতম অদুদা মহাক্কী তুম্বা ক'য়রে অমস্তং মন্দোংবু কম্না কোনশিল্লগা হংলম্মি, "হন্দোল নহাক শিক্লরব্র'?"

মন্দোম্না হায়রম্মি, "হোয়, ইবুংত্তো।"

"অদুগা নহাক্না অমুক ঐগী ইনাক্তা লাক্লিবা? নহাক অমুক শিথিদ্রা?"

মসিগী পাউথুম পীদ্রিত্তৈদা ইরাত্ত লাত্তনরক্লে— মীনাম্নবীনা সাগু তেক্লোং অম্না পুমদুনা ইমুত্তদা চত্তলকক্লম্মি, খত্তহৌদনা তেক্লোত্তু খাদরগা 'ইম' হায়দুনা ম্নাম্বদুনা তুথে।

লাওখোংবদ্, তারবদা য়ুমগী মবেমমু তাস্ হুন্নোক্লমগা চেল-লক্লে, ইমুঙদা হেক চঙলকপদা মহাকপু উতুপ্লোম্লা চপ লেপখ্রে, চেনবমু ঙমদ্রে, মচীন্দগী য়াহৈ অমঙসু থোরক্লে।

মঙং পুন্নমক অ'সি উবদা ঝুপামচা অদুগী পুক্নি'দমু অকিবা পোক্লক্লে— মহাক্না কপ্পুনা হোৌগংলগা হায়রক ই. "ইন্দোল নহাক চংলে লা।"

ঝুমিৎ কয়ানিগী মতুংদা কাদমবিণীবা ঙসিদি থঙলে মদুদি মহাক শিদে— কুইরবা য়ুম-কৈ, পুন্নমক, ঝুপা মচাদু, ঝুংশিবদু মহাক্কী মকমদদি চপ মান্নবা। হিংদুনা' লৈরি, মরক্তা করিগুম্বা ঙংনবা' অমত্ত' লৈত্রি। মরুপকী ময়ুমদা চংলগা খংড়ুরে অঙাং ওইরিবৈগী মরুপ অদুদি শিখ্রে— ঝুপামচাদুগী ময়ুমদা লাক্লগা থঙলম্মি, ঝুপামচাদুগী মন্নোন্দি থোইদিং মরিক অমা কাওবা শিদে।

অন্নাবগী থোক্কো হায়রম্মি, "ইচে. নখোয়না ঐবু উবদা করিগী কিরিবনো? ঙ্গেংউ। ঐ নখোয়না ওইরম্বা অদুগুম, অদুম লৈরি।

য়ুমগী মৌদুদি লেপ্পুনা লৈবা ঙমক্লে, য়াম্বদুনা তুখ্রে।

মচন-ঝুপীগী মফমদগী পাউ কংবদা শারদাশংকর বাবুমু মশামক অন্তঃপুরদা লাক্লে— মহাক্না মথুং লোম্নবদুনা হায়রকই, "ইনাও ইবেম্মা. নঙনা তৌরিবসি চুমত্রা? সতীশতি ঐগী অমত্তা ঙায়জরবা অঙাংনি, মহাক্কী মথক্তা নঙনা করিগী য়েংশিন্নিবনো? ঐখোয়না নঙোন্দা করি তৌখ্রবা? নঙনা চংখিবা মতুংদগী মহাকসি ঝুমিৎ খুদিংগী কংশিন্নক্লে, মহাক্কী অনাবমু কল্লে, অহিং-ঝুংখিল অনিমক 'ইন্দোল, ইন্দোল' হায়রি। সংসার অসিদগী লোইর-বদি মায়াগী থৌরী অসিমু থদংলো— ঐখোয়না নঙগী শতিক-চাবা সংকার তৌগে।"

কাদম্বিনী অমুক হয়া খাডবা উমজে, কয়া হায়রকই, "ওন্থোক-পনি। ঐ শিদ্রিনে, শিদ্রিনে !! ঐনা নখোয়বু করয়া ভাব তাহন-শিগে, ঐদি শিদ্রিনে। য়েংউনেসে, ঐ হিংলিনে।"

অস্নম হায়রদুনা শেঙ্গেংগী তেঙ্গোত্তু লোথত্তুনা মবায়বক্তা তুরম্মি, মবায়বক কাঞ্চুনা ঈ থোক্লম্মি। মতম অদুদা হায়রম্মি য়েংউসে ঐ হিংলিবসে।"

শারদাশংকর মুর্তিগী মতোংগুম্মা লেপ্তুনা লৈরম্মি— মুপামচা-দুনা কিরহুনা মপ'বু কৌরম্মি, রাস্থ'রিবী মুপী অনিদুনা লৈমায়দা হিপ্তুনা লৈরম্মি।

মতমদুদা কাদম্বিনীনা "ওন্থোকপনি ! ঐ শিদ্রিকে, শিদ্রিকো, শিদ্রি !— হায়রগা লাউথোক্তুনা ইমুংদগী মপাল থোকখ্রগা শিঁড়িদা কুমথখিদুনা পুত্রীন তাখে। শারদাশংকরনা মথক্তা য়ুমদগী তারম্মি অম লাউবা মখোল অমা।

অহিং নোংশোইবা নোং তারম্মি' অদুগী মথংগী অযুক অদুস্থু নোং তারম্মি— মুমিং য়ু'বদসু 'নাং লেপপা লৈতে। কাদম্বিনী শিরগা প্রনাপ তোরে, মহাক শিদে।

'অহিং অমা'

সুরোবালাগা লোয়ননা ঐহাক পাঠশালাদা চংমিন্নে। মহাক্না ঐগা অভাং ওইরিবৈদগী হৌনা শান্নমিন্নে। ঐনা মথোন্নদা চংপা মতমদা মমানা ঐবু যাম্না লুনা ভোই অমম্ভুং ইবানিবু ওই-য়েত্তা ফ্রুমহল্লগা হায়রকই 'কন্নাদা কজত্রবা জুড়ানো!'

মতম অতুদা ঐহাক অভাংদি ওয়রি অতুমকপু মহাক্না হায়-রিবতুগী অর্থতু থরদি থউবা ঙম্মি। সুরোবালাদা মী অকৈনা অধিকার লৈবদগী ঐনা লৈবন থরা হেন্না হায়বসি ঐনা নিঙখি। রাথল অসিমক্না মথোন্ন কাহনখিত্রনা ঐনা মহাকপু মথল মথা কয়ামক্রুমগী দঙি পীরম্মি মহাকন্নু অখাঙ কনবগা লোয়নন থাঙলম্মি। খুল পুন্নমক্নদি মহাক্নী ফজবতু থাগৎনরম্মি, অতুবু ঐগুম্বা কয়িন্তু থঙত্রবা অমগী মিত্তদি ফজবতুগী মঙাল মচেৎ অমা ফাওবা তারমদে,— ঐনা মসিমক থঙলম্মি মতুদি সুরোবালানা পোক্নম্নিবসি ঐগী মীনায় ওইনবনি, মরম অদুনা ঐনা মহাকপু থৌওইবিরমদে।

ঐগী ইপাদি চৌধুরী জমিদারথোন্নগী লৌ পান্নবনি। মহাক্নী রাথন্দি, ঐনা নিংথিজনা হৈবা হৈরবা মতমদা ঐবু লৌ ইংখোলগী হিসাব গুবা তম্বির০া, কয়িগুম্বা মকম অমদা থাজানা খোমজিনবগী থবক তৌহনগে হায়বসিনি। অদুগা ঐনদি পুক্নিংদা অম্মুম রাগৌজরম্মী। ঐখোয়গী খুলগী নীলরত্নদি কলিকতাদা চেন-খিদুনা লাইরিক তমলুরগা কলেক্টর সাহেবকী নাজির (অফিস সুপরীনটেন্ডেন্ট) ওইরমে। ঐগীসু পুন্সিগী মীৎয়েংদা য়াম্না

য়াংলশী— কালেক্টর সাহেবকী মাজিরমক ওইবা ওমজ্রবস্ জর্জ লোয়শঙগী কেরাণী মকোক্তি ওইগে হায়না লেপ্লম্মি।

ঐগী ইপানা হায়বিবা লোয়শং অসিগী মীশিং অসিবু ইকাই খুম্না তৌবা 'ইতস্তুতনা উই— উৎসব-মেলা কয়াদা ডা-ঢাক, এপ্লাং-নাপী, শেল-থুম পুত্নুা মখোয়বু পুজা তৌবা অহুম্ম ঐনা অদাং ওইরিবৈদগী হোনা খঙলম্মি; মরম অসিদগী বিচার লোয়-শঙগী শিকথ্রবা কর্ম্মচারী হায়বদি চে লাম্থোক লানশিন তৌরিবা মখোয় অহু কাওবা ঐনা পুক্লিঙদা য়াম্না ইকাই খুম্নৈ। মখোয় অসি বাঙ্গলা দেশকী পুঙা তৌনরিবা লাইনি। মখোয় অসি লাই কোটি কুম্ হুমদোইদগী ছাপা তৌরকপা লাই মচা ডাক্তনি মচাক মরল পীবা ওম্বা গণেশতগী মীনা থাজনরিবসি মখোয়না হেল্লে— মরম অসিদগী মমাংবৈদা গণেশনা থম্না ফংজনিংঙাই লৈজরম্ছু হৌজিক্তি মখোয়না লোইনা কংলে।

নিলরতনগী খুদম অসিনা ঐবু থোনা হাম্লিরে। খুদোংচাবা অম্না কংলহুনা ঐস্লু কলিকতাদা চেল্লে। ঐহাক অহানবদা মরূপ অমগী ময়ুমদা লৈরে, মতুংদা ইশাদগী লাইরিক তম্বা শেল থম্না কংলে। অস্মা ঐনা চাং নাইনা তম্বা হৌরম্মি।

অসিগী মথক্তা ঐনা সভা সমিতি কয়াদস্লু য়াওরম্মি ইরৈবাক্তী-দমক ঐগী পুন্সি পীখোকপা হায়বসি য়াম্না থুনা দরকার ওইগনি হায়বসি ঐনা চিংনবা লৈতনা খঙলম্মি। অহুপা করম তৌনা হায়রিবা অহুক লুবা থবক অহু পাংখোক্লগে হায়বহুদি ঐহাক খঙলমদে, ঐঙোন্দা লম্বিহু উৎশিনবস্ কনামত্তা লৈরমদে।

অদুম্ ওইনমক ঐগী থবক তৌনিঙবা অদুদি করিমত্তা হন্নমদে। লম্বায়গী পাথং ঐখোয়দি কলিকাগী পাথং কায়না হত্নবা নহারোলশিংগুমনা থবক খুদিংবু নোক্লবদি তমদে, অম-রোম্না ঐখোয়গী অনিংবা অসিদি লায়া চেংলি। ঐখোয়গী

লুচিংবশিংনা থকুতা পী, চুমিং খুংবগী শায়বা খুংশা মৈরক্তা চন্না হেন্দুনা ঐখোয়না য়ুমখোং খুদংগী শেল থায়বা চংলি, লম্বীগী নাকন্দা লেপতুনা খুংনা ইবা চ-ক্ষেৎ য়েন্নি, মী-ভিনকমদা চংলগা চৌকি বেঙ্ক শেম্মি, লুচিংবশিংবু কনাগুম্বনা রা অমতং হায়রকপাক্তা মফি তাথত্তুনা ফুনগদবগী খোয়াং তৌই। শহরগী পাথংশিংনা পুন্নমক অসি য়েংলগা ঐখোয়বু অপণ্ডবনি হায়রম্মি।

নাক্তিয় নত্রগা ংকরণী মকোক ওইনবা ঐহাক কলিকতাদা লাকপনি অহুবু মেজিনি নত্রগা পেরিবাল্ডি ওইনবা খোয়াং তৌরে। মতম অসিদা সুরোবালাগী মপাগা ঐগী ইপাগা য়ানরহুনা ইবানি লুগোংনবগী খোয়াং তৌরে।

ঐহাক কলিকতাদা চহী তরামডাগুবা মতমদা লাকই, মতম অহুদা সুরোবালাদি চহী নিপানত মডায়হোৎরি, হৌজিক্তি ঐহাক চহী তরানিপান গুরে। ইপাগী য়াথন্দা ঐহাক অসি লুহোংবা মতম তেল্লে হায়না থল্লে। অহুগা ঐনা পুক্নিংদা য়াশকচরিবদি ঐ অসি পুন্সিচুপ্পা লুহোংদনা ইবৈবাকোদমক থবায় থাজগে— অসিনি। অহুনা ইপাদা লাইরিক তম্বা লোইত্রিফাওবা লুহোংলোই হায়দোকখ্রে।

থা অনি অহুমলোয়গী মতুংদা সুরোবালা, রামলোচন কৌবা উকিল অমদা লুহোংখ্রে হায়বা পাউ তারে। মতম অহুদা ঐহাক্তি নৈথা তাববা ভারতপু অমুক হন্না হৌগংহন্নবগীদমক কন্না শেল থায়রি, অহুনা পাউ অসি করিগু নৈতবনি হায়না থল্লম্মী।

ঐহাক্না আই, এ পরিক্ষা থারমদাইদা ইপা শিবে। ইমা অমশুং ইচন মুপী অনি ঐনা য়োকপা তারম্মি। মরম অহুনা ঐহাক্না কলেজ থাদোকতুনা থবক থিবা তারম্মি। য়াম্না কন্না

থিরবা মতুংদা নওয়াথাদি জিলাগী অদিকপা সহর অমদা মেট্রিকুলেসন স্কুল অমগী অনিশুবা ওঝা ওইগে।

ঐনা থল্লম্মি, ঐগী চপচাবা থবক কংলে। পাউতাক অমত্তুং থৌনা পীহনা ছাত্র খুদিংমকপু তুংগী ভারতকী সেনাপতি অমমম ওইনবা লেমগংকে নিওললয়ী। থবক তৌবা হৌরবা মতমদা থওলে মচুদি তুংগী ভারতগী পরিক্ষাগী তকশিল্লকপনা হেনখ্রে। ছাত্রশিংদা গ্রামার নত্রগা আপজাত্রাগী মপানথোকপা রা অমত্তং হায়রুবদা ওঝা মকোক্লা হেক্তা শাউই। থা থরগী মমুংদা ঐগীস্থ থৌনা হুনখ্রে।

ঐথোয়শুম্ব' প্র'ভভা য়াওব্রবা অ'সিনা মুবদা কমচুনা মথল কয়াগী কল্লনা তৌই অচুগা থবকী লবুক্তা কুমকপা মতমদদি. লেংবান্দা লাক্সস হাপতুনা তু'দগী শাজৈ থ'রক্লগা লু-লুক্লা অথাংকনবগা লোয়ননা মু'মং চুপ্প' লৈবাক থুগাইক্লরগা মুখিদাং চরা অমত্তং চাবা কংলবদি অচুম পেল্লে। চেন-.চাংবগী থৌনা লৈত্রে।

ওঝাশিংগী মরক্তগী অমদি মৈহৌ-লাংপোক ভাক্লবা হায়চুনা স্কুলদা লৈবা ভারম্মি। ঐদি ইতোমদ'নিনা হায়'রিবা থরক অচুমক ঐনা তৌবা ভারে। স্কুল-শঙ অচৌবা অচুগী মনাক্তা ইগী শঙ্কপ মচা অমদা ঐহাক লৈরে।

স্কুল-শঙ অচু মীরক্তগী থরা লাপ্পা, পুখ্রি অচৌবা অমগী মপান্দা লৈ। মায়কৈ মরিদা ক', যুবী, মদার পাম্বী হৌরি। অচুগা স্কুলগী মমা য়ান্না নক্লা চাউরবা, লিমবা নীম পাম্বী অনি, অমগা অমগা নপশিন্ননা হৌরি, মচুনা অকোয়বচু ঈংলবা উক্লম পীরি।

রা অমদি ঐনা ইপন পম্রি, অচুগা অওইবমকস্থ মতম অম্লক কুইরবসি পনবদা মতিক চাই হায়না থম্রি। লম অচুগী

সরকারগী উকিল, রামলোচন বাবুগী মথুর ঐখোয়গী [redacted]
পংথাপ থাবুনা লৈ। মহাক্না লোয়ননা মাগী মুগী— [redacted]
ওইরিবৈগী মরুপ সুরোবালাসু লৈরম্মি— মতুংসু ঐহাক থওই।

ঐহাক রামলোচন বাবুগা থওনরে অদুগা মংসিমদি হায়রবা ওয়রদে মদুদি রামলোচন বাবুনা ঐগা সুরোবালাগা অতাং ওই-রিবৈদা থওনৈ হায়রসি থওলমগনা থওলমলোইদ্রা হায়রদুদা। ঐগা মহাক্না অহানবা থওনবমক্তদা হীরম অসি মতোন্দা লৌ-দোকপসু নাইত্তে চাদে হায়না খল্লি।

নোংমা ছুটি খুমিং অমদা রামলোচন বাবুখোয়না কোয়খোক-পা চৎলম্মি। ইবানিনা শাখিবা য়ারী অদুমক্তি কাউদ্রে, অদুবু লৌজিকমক্তী ওইরিবা ভয়রকী থুংভাইজবা কিজমদা ওইরম্বা য়াই। মদু মহাক্না খোংদোক্না পাম্বা হীরমদি নত্তে, ঐনতা শানিডদুনা শাবনি।

অসুম্না য়ারী শাবিবৈদা মনিঙগী কা অমদগী ওথবা থুক্তি খেংনবগী মথোল, কিগী শটম, অমসুং লোয়' থংবা খোঙথাংগী মথোল তারমই; ঐনা মসিমসু থওলম্মি মদুদি লাংতক্পবা নিং অনিনা মিতুংখোংগী খুরবা অংহাবা অমদগী ঐবু য়েংলক্লি।

থূদক অদুমক্তদা ঐনা মিং অনিথক নিংশিংলকই— কন্নবা, অচম্বা অমসুং অতাং ওইবগী থুংশিবনা থল্লবা,— লাওরবা মুরবা মিং-নহাশিং, কুংলবা মূরবা পাসিং, ঈংলবা মিৎকম লোংদবা মিৎয়েং। থওদোক্না ঐগী থম্মোইদা মচিল খোরবা তা অমনা লেংবগুম তোখে, চৈনাখোম্না হেনখিবনা থম্মোই নিকখে।

ঐহাক মূমদা হল্লক্লে। অদুবু চৈনাখোম্মি কোকত্রি। লাই-রিকপু পায়রম্ম, ইবু ইরবস্থ নত্রগা করিগুম্বা থবক অমবু তৌরবস্থ পুক্লিংগী অকাম্বা অদুদি কোকপা মবৈত্রে; দুবলবা পোৎলুম অমনা মতা পুরমক্ত ঐগী থম্মোইগী মরীদা য়াম্বৎনা লৈবগুম তোখে।

ফুমিদাং রাইরমদা ওহাক্কং ঈংনা রাখল খল্লম্মি, করিগীনো অহুম তৌরিবসিবো। থুম্বা লকাহুংদগী খুম্নকই, নহাক্কী সুরো-বালা চৎখ্রে।

ঐনা থুমখি, ঐনা য়ানিংবা মহাকপু খাদোকলম্লবনি। মহাক্কা পুন্সিচুম্বা ঐবু ভাইবিদুনা লৈগদ্রা ? খঙ্ঘোই'ম্লংগী কনা-ননো হায়বক্ল, নিঙলম্লবদি কংবা য়ারম্বা মহাক অদু তৌজিক্তি নকোক থেংগাইদুনা শিরবস্থ মহাকপু অমুক্কং য়েংজনবগী অধিকার ফাওবা কংলরোই। অতাং ওববিদৈগী সুর'বালাদু নঙগী ননাক-মক্তদা লৈববস্, মহাক্কী থুজি মখোল তারবস্, মহাক্কী মুংশিরবা শমলাংগী মনম ফাওরবস্— মতম পুম্নমক্তা নখোয় অনিগী মরক্তা পল অমদি লৈরগনি।

ঐনা থুম্ল'ম্ম, মতুমক ওইরসমু, সুরোবালা ঐগী কনানো? পাউথুম অমুক ত'রমই, ভসি'দ সুরোব'লাসে নঙগী কনাস্ ওইদ্রবনি, তৌইগুম্বগুং সুরোবালনা নত্তোন্দা ওইবা য়ারম্মোইদবা করি লৈরম্বগে ?

মতু চুম্মি সুরোবালানা ঐত্তোন্দা ওইবা য়ারোইদবা করি লৈরম্মি। পুম্নমক্কী নক্কবী হকচাং তম্মায় ওইবী, ঐগী পুক্কী অরা-মুংতাই শরুক য়াবী ওইবা য়ারম্মি। অদুবু ভসিদি মহাক অসি অসুক্কী মতিক লাপ্লে, মতুদি, মহাকপু য়েংবা য়াত্রে, মহাক্কী রায়ী শাবদা দোষ ওইনে, মহাকপু খল্লুবদা পাপ ওইরে। অদুগা রামলোচন হায়বা অমনা খঙহোৎনা কদাইদগীনো লাক্লগা চিনকা ফাবা মন্ত্র অমা অনিদং শোল্লগা পৃথিবীগী মরী পুম্নমক খদংলমদুনা মীকুপ অমগী মতুংদা সুরোবালাবু পুখ্রে।

ঐন' সমাজদা অনৌবা নীতি ত'ম্বিবা ন.ত্ত, নত্রগা সমাজবু মথক মথা ওন্থোকপশু নত্তে ; য়ুম পানবগী মরী খদংপশু

পামদে। ঐগী পুক্নিংদা কাওরকপা তাব অসিতা কোংঙোকচৎনি। অদুগা রামলোচনগী মরুম থুপ্না তাঙ্খোইরিবী সুরোবালা অসে মহাক্কী ওইবদগী ঐগী ওইবনা কেল্লম্মি হায়বা রাখল অসিমদি কৈদোইঙ্ঙৈদসু খাদোকপা ঙম্মদে। অসিগুম্বা রাখল অসি থৌজিক থনবা চুমদে হায়বদি থঙই, অদুগা! হৌনদবদি নত্তে।

মরম অসিদগী ঐগী পুক্নিং অসি কয়িগুম্বা থবক অমত্তদা থোরজংদ্রে। নুমিৎ য়ুংবা মতমদা অঙাংশিংনা লাওনকপা, মপানগী মহৌশা খুংংশম্না নুমিৎকী মৈশা লাংলকপা, ফুগায়না শাৎপবা, নুংশিরবা নীম মপানগী মনম্না লিখি হুম্বা নুংশিৎকা লোয়নবা কা মনুংদা চংলকপা, মতম অদুদা ঐনা নিংলম্মী,— কয়িনো নিংলিবদুদি থঙদে— অদুগা মসি ফাওবদি হায়বা ঙম্মি, মদুদি ভারতকী তুংগী আশাশিং অসিগী গ্রামার এক্সরসাইজ চুমথোকপদা ঐগী পুন্সি লেনবদি পামদে।

স্কুল ছুটি থাথুগা, ঐগী চাউরবা চিক্রবা য়ুম অদুদা ইত্তোমদা লৈরবনু থাংবা ঙমদে, অদুগা কনাগুম্বা ভদ্রলোক অমা য়ুমদা লাক্রবনু হৈনদে। নুমিদাংবাইরমদা পুথি মপান্দা কা অমগুং য়ুবী পাম্বীগী অর্থ য়াওদবা মুরুম মুরুম শোনবা খোঞ্জেল তানা-তানা থল্লকই,— মীওইবা সমাজ অসি অরানবগী থুদোংথীরবা লাংনি। মতমগা চানবা থবক অমত্তা মরুম চানা তৌবগী রাখল লৈত্তে, মতম চাদবা মতমদা চানদবা থবক তৌগদবগীদি হোৎনৈ। নহাককুম্বা মী অমনা সুরোবালাগী মপুরোইবা ওইদুনা নুংঙাইনা মপুক্কি লেনবা রামলোইদবা কয়ি লৈরম্মী। নতনা কয়ি ওইগে চৎলগা— গেরিবাড়ি, অদুগা মমৈথংদা লৈরাইগী স্কুল অমগী অ'নগুম্বা ওঝা ওইদুনা লোইশিল্লে। অমরোমদা উকিল রাম-লোচন রায়, সুরোবালানসু থোইদোক্না থল্লুরবা মহাক্না সুরো-বালাবু লুহোংল। সরকারগী উকিল ওইদুনা শেল য়ামগ্না তাল্লে।

অদুবু শঙ্গোম মৈত্তুং নম্বা চুমিত্তা সুরোবালাবু চৈবী ; মথয়ায় থয়া হয়াউবা চুমিত্তনা লৈত্তেং লৈবিরকই। রামলোচন মশা-মত্ত কৈ কিজেং নাম্নি, মতোন্দা করিগুম্বা অয়াংপা অমত্তা লৈত্তে, অদুবু চুমিদাংবাই অমত্তদু মহাক্না পুখ্রী মপান্দা কমত্তনা তত্তুপ-তয়েং ভাল্লিবা থয়ানমিচাকশিং অ'গ, য়েংহনা লেপ্লে।

রামলোচন অচৌবা কেশ অমগীদমক অত্তোপ্পা মকম অমদা চংখ্রে। ঐগী স্কুল-শঙদা ইত্তোমত্তা ভায়বগুম্বা চুমিং অদুদি সুরোবালাসু মহাক্কী মমুন্দা মংতামত্তা তাবরমলগনি হায়না থল্লি।

ঐহাক নিংশিংলি, চুমিং অত্তু নিংথোকাবা চুমিংনি। অয়ুক্তগী হৌনা অত্তিয়াসি নোংনা কুপখ্রে। পূং ১০ রোম তাবা মত্তমদদি নোং থিংলি থিংলি তারক্লে। অত্তিয়াগী কিবম য়েংবদা হেড মাষ্টরনা স্কুল ছুটি থাদোকখ্রে। অমুবা নোং মতুমশিং অদুনা কয়িগুম্বা অচৌবা খোঙং অমা ইংকদবগী মত'গুম্বা অত্তিয়াদা হঙ্গং-হন্দা চেনবা হৌরক্লে। মথংগী মু'খিন্দনি, ঈরোয়নবা নোং কম্না চুথরক্লে। অহিং ওইশিল্লকপগা লোইননা মু'শিংসু কনথং-লক্লে। ঈশিংসু হেনগংলক্লে। অহানবদদি মুংশিংসি নোংপোক ওইনা শিংলম্মি, অদুদগীদি অয়াং অমমুং অয়াং-নোংপোক ওইনা শিংলক্লে।

অহিং অসিদা তুমগে হোংনরুবদি অয়েম্বনি। নিংশিংলম্মি অকিবগী মশক ওইরবা নোং-মুংশিং মরক অসিদা সুরোবালাদি মমুমদা মত্তোমত্তা লৈরমগনি। মথোয়গী য়ুম অদুদগীদি ঐখোয়গী স্কুল শঙ অসিনা হেন্না কয়ি। কয়ারক হয়া থল্লম্মি,— অহিং অসিবু পুখ্রী মপান্দা লেপ্পশিয়া নত্রগা সুরোবালাবু স্কুল-শঙ অসিদা কৌশিন-বিরুসিবা? রাথলগী পয়েপকম লৈখিদ্রে।

নোংয়াই মতুং পূং অমা অয়ামথায় রোম তাবা মত্তমদ'দ, থঙহৌ-দনা ঈরাওংখোল তাম্মি,—সগুক্রেনা ঐত্তোন্দা তম্না চেনশিল্লক্লে। ইমুত্ত-দগী মপান মোবক্লে অমসুং সুরোবালাখোয়গী ময়ুংলোনদা চংলে

পুঞ্জী মপান মোরঙ-খোকাথিবৈদা ঈশিংনা ঐগী থুকউ মোরঙ্গে পুঞ্জী মপান্দা কাথংতুনা লেপ্লবা মতমদা ইরক অমা অমুক লাক্লে। ঐখোয়গী পঞ্জী অসিগী তোর্বানগী শরক অমদি থুদুম হুনা অরামাথোইরোম বাংগনি।

ঐশু অমাংবা তোর্বানদা অহুদা কাথংলে। অত্তোপ্প' মী অমসু অত্তোপ্প' নাকল অমরোমদগী কাথংলক্লে। মহাক কনানো হায়বসি ঐগী হকচাংদা লৈরিবা কুপথ্রবা শিংলি খুদিংনা কোক্কগী ফোন ফাওবা থডই। অদুগা মহাক্কসু ঐবু থডলমগনি হায়বসি চিংনিঙাই লৈতে।

গত অহুমলোয়মগী দীপ অমদা ইবানি লেপমিল্লে. মসি নত্তবা অতৈ পুম্নংক্তি ঈশিংনা লোটনা থুমখ্রবনি।

মসি প্রলয়গী মতমনি, অতিয়াদা থন্নানমিচাক থোকখিল্লে, পৃথিবীগী মডাল পুম্নমক মুংথে— মতম অসিদা মী অমত্তং হায়-কৌরবস্ত্র করিস্ত অকাংবা লৈরোই— অহুবু রাইহে অমা কাওব্রা হায়রোদে। ইচম চমবা ব'হং ভমা কাওবা হংনবা ঙমরোদে। ইবানিমক অমথা অহুনা মিংকম হোংদনা মুমা য়েংহুনা লৈরম্মি। ঐখোয়গী থোঙদনা নৈরবা, মুরথা, চাওরবা অশিনগী ঈরৈনা ডংলহুনা চেল্হরি।

ঙসিদি স্তুরোবালাসি ঐগী ইনাক্তা লাক্লে, পৃথিবী পুম্নমক থাদোক্লমহুনা। ঙসিদি ঐ নত্তনা মহাকী কনা'মত্তা লৈত্রবনি। করম্ব' মতমগী, অডাং ওইরিবৈঙগী স্তুরোবালা, করম্বা মপোক অমগী. করম্বা অমম্বদগী তাওথরক্লুনা, মুমিং-থা থোকলিবা, মীনা থল্লবা পৃথিবী অসিদা ঐগী ইনাক্তা লাক্তুনা লৈরম্মি। মতম কনাগী মতুংদা ঙসিমু অমুক মঙাম্বা থল্লবা, মীনা থল্লবা পৃথিবী থাদোকলমদনা অকিবগী মশক ওইরবা মী লৈত্রবা প্রলয়গী অমম্বা মমক অসিদা স্তুরোবালা মত্তোমত্তা ঐগী ইনাক্তা লাকহুনা

লৈয়রে। পোকপগী ঊচেক নোংমা লৈরোনসিবু ঐগী ইনাকত্তা থমবিরম্মি, অশিবগী ঊচেক লৈশাং তম্নবী লৈরাংশিবু ঐগী ইনাকত্তা অমুক পুথিরকলে। মৌজিক ঊংক অমত্তংগা লাম্নবদি পৃথিবীগী মচেং থজিক্কং অসিদগী অমসুং থাইনবগী পল মত্তেক থজিক্কং অসিদগী নাম্থখিত্নুনা ইবাংনমক অমত্তা ওইনা ভিম্নরগনি।

অহুপ্তমবা ঈথক্তো লাকত্তং ওইসন্ন। মপুরোইবা অমসুং মচা মত্তগা লোয়ননা সুরোবালা মতম কুইং। ফংভায়না পানসনু। অহিং অসিমত্তং মহাপ্রলয়গী ভোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা ঐনা অরোই অথম নাইত্রবা ফুংত্তাইবগী মহাউ ফংজরে।

অহিং লোইশিল্লক্রে— নোং মুংশিংলম্ন লেপখ্রে, ঊশিংলম্ন হম্মখ্রে— রাহৈ অমা কাওবা হায়রমদনা সুরোবালা ময়ুমদা হনখ্রে. ঐন্দ রাহৈ অমা কাওবা কাঙহৌদনা য়ুমদা হল্লকলে।

থমকই, ঐহাক নাজির নত্রগা হেড ক্লার্ক নত্রগা গেরিবালদি ওইহৌরে, অকায়বা স্কুল অমগী অনিশুবা ওঝা ওইরে, ভৌই-গুমবসুং অহিং অমগী তেনখ্রবা মতম অত্নুনা ঐগী শাংলব পুন্সিগী খোংচংপুদি ভালহল্লরে— ঐগী শাংলবা পুন্সিগী অহিং মুংথিল কয়াদগী— অহিং অসিমত্তনা ঐগী পুন্সিবু চুপিলহল্লে অমসুং মহয় য়ালহল্লে।

(ক্ষুধিত পাষান)

চরামনরবা থৌদু নুঙ

ঐগী মরী-মতা অহুগা ঐগা পূজা ছুটি কোয়রুবদগী কলিকতাদা হল্লকপদা বাবু অহুগা রেলগাড়ী মপুংদা থেংনবনি। মাগী কিজেং লৈপেং উরুবদা অহানবদদি নোংচুপলোমগী পাঙল ওইরবোই থল্লুই, অহুবু মাগী রাঙাং-শাঙাংদু ঙাকরগদি অমুকন্থ হেন্না ওকথি। পৃথিবী অসিগী হিরম খুদিংমক্তা অপুক্কী মতিক হৈশিংনা মহাক তাংবা গুণী মদুদি লেংগি-পাল্লিবা পোং খুদিংমকপু শেমদি-শামিবা মহাক অদুনা হেক তৌবা থবক খুদিংমক্তা মুপা অসিগা তায় থোংনদুনা তৌরা হায়না খ্বাইনন্থ থনগনি। অরোনবা অমুক্তা তাঁথিত্রিবা শক্তি কয়ানা লোম্না থবক কয়া তৌরি. রাশিয়াগী মীশিং অসি ঐখোয়গী লৈবাকলোমদা য়াম্না নক্না হায়জিল্লক্লে, ইংরাজী হায়না জাতি অসিগী কুপ্খুবা অরোনবা নীতি কয়া লৈরি, লৈবাক অসিগী নিংথৌশিংগী মরকতা মথোং-মরম খঙদবা ইরাং অমা থোক্লি হায়বনচিংবশিং অসি মমাংদদি করিম্থ খঙলুববনা ঐখোয় ওন্থোক্না মুংঙাইজরুই। অদুবু ঐখোয়গী নৌনা শকখঙনবা মরুপ অসিনা মরৌ লৈবা লিনোক নোক্লদুনা হায়খিঃ "স্বর্গ-মর্ত্ত অসিদা থোকলি হোরোর্সত্ত! থৌদোক কয়া, নংনা কংলিবা অদুদগী হেন্ন পাউরেল চেদগী।" ঐখোয়দি হন্দককীসিনা য়ুমদগী অহানবা মপাল থোকচরুবনি, অদুনা মুপা অসিগী মওং-মতৌসি উরুবদা শুকপনা পুমথম থনখে। করিম্থ লৈতবা হিরমদা ওইরবস্থ মহাক বিজ্ঞানগী রা পুশিল্লকতুনা ঙাংই, করিগুম্বদনা বেদগী মরমদা টিকা পী নত্রগনা কনাগুম্বা পারসি কবি অমগী লৈরোং

মতেক থৌরম্ব হন্না হন্না মচিন্না খিদোম্বকই। ঐখোয়দি বিজ্ঞান, বেদ অমদি পারসি লোনগী জ্ঞান লৈজদবনা ঐখোয়না মাবু ভক্তি তৌবগী চাং অসি অশুম অশুম হেজংলকখি। ঐগী থিওসোফি য়াওবা মরী-মতা অহুম্নি ঐখোয়গী মরুপ যান্ত্রিক অসি শোয়দনা করিগুম্বা মশক থংদবা "য়েংচাবী" নত্রগা "যাদু মন্ত্র," "থরান-ম্লিচাকী শক্তি" নত্রগা মাদু গুম্বা করিগুম্বা অভকপা শক্তি অমনা অমাঙ্কংবা মীশক অমনি হায়বসি শোয়দনা খাজম্লবনি। মীখোয় মীহেল্লবা ঐখোয়গা লোয়নরিবা মুপা অসিগী মচিন্দগী করিম্ব লৈম্লবা য়ারেম থরদং হায়দোরকপা ফাওবদ মহাক্কি য়াম্না খাজনা হবাওবগা লোইননা ভাই-শানবিবা য়াবী য়াতাইশিং অদু লোয়া লোয়া নোট তৌশিন্দুনা হাঁশল্লি। মীখোয়-মীহেনবা মুপা অসিনা য়পি উই, মহাক মাদুদা কনম্ব পেনজবগুম তৌই হায়না ঐনা নিংখি।

ট্রেন্না অংসন য়োরগদি ঐখোয় ট্রেন অদু শমজিন্নবা ভাইদুনা য়েটিং রুমদা পোখারে। মতম অদু মুমিদাংগী পুং তরাথাই তারে, লখীদা করিগুম্বা অশোয়বা খরা লৈবনা ট্রেন অসি কনা থেংবা তারে তাবদগী, টেবল মথক অদুদা ঐগী ফমুং অদু তিং-খোক্তুনা মিকপ অমত্তং মুংঙাইনা তুমজগে হায়না হিপকে তৌ-রকপদা মীখোয় মীহেল্লবা মুপা অদুনা মখাগী য়ারী অসি মথাই য়াওনা লিরকখি। তশেংনমক ঐ অহিং অদু গুকতুম তুম্বা কংখিত্রে।

হায়েল-খোইবাগী মতাং থরদা মত মায়রক্তবগী, ঐহাক জুবা-পন্ডুগী কম অদু খাদোকতুনা হাতত্রাবাদকী নিজামগী খবকচ্চ চং-লুরুদগী, ঐবু মশা-মউ কবা নহানি খন্দুনা বাম্বিচজা লম্বিং থাজানা খৌনা কলেক্টর হায়খি।

বারিচ কনা কজবা লমদমনি। শুক্তা তুরেলনা হৈশিংবী অঙোম শাবীনা খোঙথাং কুপ্পা হৈশিংনা থাংবগুম, চিঙ্কব চীং অদুগী মথাদা অচৌ অচৌবা উমং কয়া কাওনা "গুলাপরক্তা ত্রোং-ত্রোং চেল্লি।" তুরেল অতুদগী খোঙকাপ ১৫০ রোম কাথংলগা থাক অমথক্তা, তুরেলগী ভোর্ব্বান্দুদা চাং অচুগী মখোঙদা, চিঙ্কবা লাই-ভোম ভাবা হুংভোগী দলান অমা মভোম্মুতা লৈ। মচুগী অকোয়-বদা মী-পোং অমত। ভাদে — থুক্সুম বারিচকী লশিং কৈবেল অচুম্ব থাপনা লৈখে।

চহি ২৫০ রোমগী মমাংদা নিংথৌরেল মহম্মদ শাহ অনি-শুবনা দলান অসি মাপী হরাও-তথামগী অমম্বুং অকে-অমৌগী দমক্তা চিঙ্কবা মকম অসিদা শাহনখিবনি। মতম অচুদদি ইক্ক-জকমগী ঈশিং চাইবী কয় কয়াদগী গুলাব মনম্মা হারবা লাইজনা ম্বা ম্বা চেম্বরম্বনি, ইরিক হরিক ইংহম্ববা হুংভোগী লৈমায়থক অম্বুদা অনৌ ভনৌবী পারসি- নিভোল কয়ানা ইকরমদাইদা মশম মনা ইথা থাদোক্লগা কম্মচুনা খোংলবী লৈভেং ম্বাওজবী মখোঙশিং অদুনা তক্ক-তক্করবা লাইজনুংদা ফ্র-ফ্র হাইরচুনা, সেতারগী সুরগা চাননা আঙ্গুর হৌবা হৈকোন্দা শকথিবা গজল কয়া কয়া শকখিবনি।

ঈশিং চাইবীম্ব অমুক হন্না চেনখিত্রে ঈচেলম্ব লেপথে ভোরোক ভোরবা লৈমায়থকুদা পশোংকুম ভোরবা খোঙশিংনা অমুক হন্না নেংতুনা চংলত্রে। মসি হৌজিক্তি অচিকপতনা ওং-নৈবিরবা অমদি হুপী নহাগী সঙ্গ কংজত্রবা ঐখোয়গুম্বা থাজনা খোবা মীশিংতগী অহাংবা লৈকম ওইরে। ঐগী অকিস অচুগী অহল ওইরবা কেবাগী কৃরিম খাঁনা মকম অসিদা ঐহাক্তা লৈকম ওইগম্ব হায়না ঐভোন্দা হন্না হন্না কয়ারক হায়খি। "থরাইনা তাবিরবদি অমুক হুংথিল মকম অসিদা লৈবিয়ু" মহাক্তা হায়খি, "অদুবু অহংদদি লেকনিগম্ব মকম অসিদা।" ঐনা, মানা হায়রিবা

অসি থোইনা থওইরুদনা নোকতুনা তাখি। মীনাইশিংনা মমবা কাওবা থবক শুরম্বগা অহিংলদি লৈরোই চংখিগে হায়। ঐস্ তহা তহানা য়াক্কই। য়ুম অসিগী অস্তক শাখিনা কস্তবা মখিং অমা লৈথে মদুদি মমবু মমশিনখ্রবদি হয়ানবা কাওবা য়ুম অসিগী মনাক কাওবা কনানস্থ নক্কনব থোনা লৈনরমদে।

অহানবদি মী লৈনদ্রবা দলান অসিগী অচিকপা মতৌশিনা ঐভোন্দা অকিবগী মশক কংলবা অয়াবা পোৎলুব অমা ওইখি। ঐস্থ মপান্দা লৈদুনা হেক শুমলিংমথৈ কয়া থবক শুই, অদুদগীদি হুমিদাং ওইরকপগা ইচোক চোকথরদুনা হক্কগা কমুংলা চংদুনা তুম্মি।

চখোল অমা কাবাংত্রিভৈদা মকম অসিনা ঐভোন্দা অওকপা নেশা অমগী মতৌশুয়া শুমহৎপা অমা পোকহনবা হৌখি। ঐগী কিবম অহু শন্দোক্না তাকপস্থ ক্রুই মীবু থাজহনবা হোৎনবহ অক্কবনি। ঐভোন্দদি য়ুম অসিমক্না অহিংবা জীব অমশুয়া তপ্ন তপ্না থওবা শুমদনা ইপং পংথহনবা পেট্রিক জুগকী মহিশুয়া ঐবু অহুম অহুম তুমশিনহন্দুনা চাশিনবা হৌরকলম্মী।

ঐনা য়ুম অসিদা থোক্ত হেক থাংজিল্লকপগা মসিমক হৌখ্রবা জাংনি, অহুবু মসি ইশানা ইহান হায়া ভাব তানা খুভজখিবা হুমিং অহুদি ঐ তশেং তশেংনা নিংশিংলি।

কালেনগী হৌগৎলকপনি, কৈথেলস্থ ইকা কানদবনা ঐগী থোইদোকপা থবক লৈরমদে। হুমিং তাগদবা থয়া য়াংলিভৈদা ঐ ঈশিংময়াদা সিড়িগী মথা অক্লদা অরাম-চৌকি অমদা ফমলম্মী। শুস্তা তুরেলস্থ ময়াং কংলে, ঈশিংস্থ থজিক্তা মন্তাইয়ে, তুরেলগী অসোমথংবা তোর্ব্বান অদুদা লৈরিবা লৈত্তোইগী লম মচেং অদুস্থ হুনিথাংরোইগী মচু অদুদা ইরং লংলি, সোমথংবা নাকন্দা তক

তকপা থেন্নবা ঈশিংগী মথাদা লৈরিবা চুঙ মচাশিং অদুনা ইরং লংলি। মকম খুদিংমক্তা চুংশিং মনা অমা ফাওবা শিংথিজ্রে। চিন্নবা অকাশ অসি ইনক নক্না লৈরবা চীং অহুদা হৌরিবা মনম চুংশিবা নাপী-শিংবিশিংদগী থোরকপা শুমহৎনিংঙাই ওইরবা মনম্না পুরবন থনখ্রে।

চুমিৎলা চীংলোলগী মরুমদা লৈথখিবপা লোইননা শাংলবা মুরবা কিঙং অমনা চুংবিলগী কম্বাকথক্তা হায়থরকলে অমম্নুং মরক মরক্তা লৈরিবা চীংচুম চীংদুমশিং অদুনা চুমিৎ তারকপগী অমম অঙান ম্রামবগী মতম অদু অমুক্তা তেনশিনহনখি। শগোল তোং-দুনা চাইশাক্তং কোয়থোকলুগে থম্নুনা হৌগৎকে তৌবমক্তদা চুংগী সিড়ি মথক অদুদা তারকপা থোঙথাংগী মখোল তাখি। ঐ চুংলোমদা লেংলুই, অদুবু কনাগ্নু লৈরমদে!

তাবনা পংশা শাজনবা ওইরমাল্লে থম্নুনা ঐ অমুক হন্না কমথরে, মী কয়ামুক সিড়ি অদুদা তায়-তায়দুনা চেম্বরকপগুম থোঙবাং কমাগী মখোল তারকলে। হায়রপ অকিবগা লোইননা অঙকপা চুডাইবগী রাথল অমনা হকচাংসি স্বাই লাউথি, ঐগী ইমাং অদুদা কনাগুম্বা মূর্তি অমত্তা উত্রবন্থ অহুগুম্বা কালেনগী চুমিদাংবাই অদুদা সুক্তা তুরেলদা ঈরুনবগীদমক সিড়ি অদদা কুমথরকলিবী চুপী কাংবু অমা উথি হায়না ঐহাক খুনথি। তম-পাক্তী লনদমদন্থ তুরেন্দগ্ন, দলান অদুদন্থ অচিকপা অহু থুগাই-নবা করিগুম্বা থোরেল অমতা তাথিজ্রে, অদুবু চুপী মরায অংগী হরাও তরাম্বগী মথুল চাম চামদা চেম্বরিবা ঈফুংকী ইশিংদা রা রা চেম্বকপগুম, হরাও তরাম্না তহা তহানা মথোর মশেল অমগা অমগা তারদুনা ঐবু লাম্বোকতুনা ঐ লৈ হাথবা উদনা চুরেলগী মাইকৈদা রা রা নোকতুনা ঈরুনবগীদমক চংথিবদু ঐ তশেং তশেংনা তাথি। ঐনা মথোরবু উবা কংদবগুম মথোরনন্থ

ঐগী ক্লংদে। তুরেল অসু চিঙ-লেম্মী, মোং-হাদে, অতুবু চিক্লবা, থেক্লবা, তক্ল তক্লবা তুরেলগী ইমায়থক্তু শ্রিং-শ্রিং লাউনা মথোল থোক্লবা থুজিনা লৈতেংলবা পাম্বোম কয়াদা থঙহৌদনা ঈশিং চাইরকতুনা রা রা লাউথি। মুপীশিং অতুনা মশেংমক্তা অমগা অমগা নোক্লরি, থেংগাইনরি, ঈশিং চাইনরি. শকহেনবী ঈরোইরিবী-শিং অদুগী মথোঙনা পিক্ল পিক্লবা ঈথক হোৌহন্দুনা মুক্তাগী নোং-গুম খেন্নায়নহল্লি।

পুক্লিংদা তিং লাউনা পানবা অমা পোকখি— রাখল অসিদি কিবদগীরা, চুডাইবদগীরা নত্রগা থঙনিংবদগীরা ঐ হায়বা ঙমদে। মথোর অদুবু হেন্ন ময়েক শেংনা খেংনিংবগী থিংঙমদবা অপাম্বা অমা পোকখি— অদুবু ইমাদদি কান্নু উদে-না অসি থরা থাং-গৎলবদি মথোয়না হায়নরিবা পুম্বদু লোইনা তাবা ঙমগনি থনখি; অদুবু কনমক কয়া না অসি থাঙৎলবস্ত্র ঐহাক উমং অদুদা ঈশেং শকলিবা কৌক্কেশিংগী মখোল নত্তনা করিস্থ তাবা ফংদে। মমলবা কুংলবা চহি ২৫০ গী কিজং অমগা ঐগী মাংদা থঙ্করকপগুম উখি, ঐনা মতুগী মচেং অমত থক থক মিক্লা হায়গংতুনা নাকল অম-রোম থংবা অতু রেংলুই— মীথামগী সভা অমা কমলি— অদুবু অমম্বনা পুংকুপ কুপশিনখিদুনা করিস্থ উবা ফংদে।

অকি শক্তমরবা অতুগুম্বা মুমিদাংরাইগী ইফুন-ফুনজিনবা মতৌ অদু নোংলৈ-মুংশিং অমনা থংজুম হুমলক্তুনা কাপখ্রে, মোং হাঞ্জবা চিকলবা গুস্তাগী ঈমায়তুদা হেলোইগী শমলাংগুম্বা থোইথোইরবা ঈথক হৌরক্লে, মুনিদাংরাইগী অমম্বনা কুপশিল্লবা উমংমুংদগী অরাবা মুঙদগী মঙকাঙনরক্লুনা মিকপ থোরকপগুম্বা মাইকৈ থুদিংমক্তগী চপ য়ায়না মুরুম মুরুম শোনবা থোক্কেল কয়ামুক থোরকলে। অশেং-বনি হায়গে হায়বু মঙনি হায়গে হায়যু, হৌগ্রবা চহি ২৫০ গী কুগং অমগী মশক উঙমজ্রবা মায়া মরীচীকাগী মতৌগুম্বা মিকুপ

অমতংগী শকক্নম অদু মিকুপ্তা য়াহ্রে। মশক মওং নাইরুবা খঙঙমজবা মূর্তিশিং অদুগী মশক নাইদবা তহ্না তয়াবা খোঙথাংনা ঐবু হেন্দোক্লুনা চংখিবা হৌরবা খোঙেল খোক্লবা মিনোক কয়া নোক্লদুনা সুস্তাগী লাইকমুংদা বা বা হুরুকবীশিংদু চৎনা চৎনা মশাদা শেৎলিবা অচোৎপা কিয়োলশিং অদু শুমদোক শুমদোক্লা অমুক হন্না কাথৎখিদ্রে। মুংশিরবা হৈনম-লৈনমবু নামিবা মালয়ানা হুম-দোকখিবগুম মথোয়গী বসন্তগী নামিবগী শউম অমতদা কায়দুনা চেনখ্রে।

অদুদগীদি লৈপেংগী লাইরেম্বীনা ঐগী অচিকপা মুসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ঐবু কোইশেন শেন্নদুনা হেন্দোই অসিনা শোন্নদনা লপিং থাজানা থৌদুনা পূজা হিংনবা কোংনজবিবা ঐগুম্বা লাইবক খিবরা মী-কত অমবু মাঙহগে হায়না ল্যাকলবসি হায়বগী বিংঙমদবা অকিবা অমনা ইকুপ কুপশিনখ্রে। মুমিদাং হাউরবা চরা অমতং চাগে হায়না লেপলে— লায়রবা পুক্তনা লাইরেংবা ঙমত্রবা মখল খুদিংগী লাইনাগী অবায়বা খাদোংনি। পুজারী কৌদুনা হাউরবা, মখল মথেল শুরবা মরু-মরাং নিংখিনা হাপ্পবা ঘী নম্লবা মোঘলাই চরা অমতং থোংনবা হুকুম পীখ্রে।

মথংগী অয়ুক্তদি খোকখিবা পূম্নমক অসি ওয়োকপা মোক-নিংঙবা ভাবনা পংশা শাজিনবা থৌদোককুম থনখি। পুলিং মুংঙাইনা সাহেবকুন্না শোলা টুপী উপলদুনা ঐগী থবকদমকতা ইশানা শগোল গাড়ী থৌরদুনা থোরক্লে। মুমিং অদু ঐগী থা অছুমগী রিপোর্ট ইগদবা মুমিংনি, অদুনা থেংনা হনকপা য়াই থনখি, অদুবু মমজিঙৈনা য়ুম অদুদা চিংলমী— কনাননো ঐ হায়বা ঙমদে। অমুক খিম্বা য়াদে হায়বা রাখল অসিনা কাক-নকখি মরাম কমদুনা ঐবু ঙাইহি হায়না পুক্রিংদা থনখি। ঐগী

রিপোর্ট অহু পোইশিন্নবা হৌগৎলে, শোপা টুপী অহু উপশিন-লঙ্লা ঐগী শগোল গাড়ীগী ক্রোক ক্রোক লাউবা মখোল অহুনা উপাল-রাপালগী মমিনা ইগুক ঙুকহল্লবা চিল্লবা মী চংল্লবা লম্বেল অহুম্ অকিবা পোকহল্লহুনা ঐ মমজি মমজিবা চৌংগী কিবান্দা উরিবা পাক-চাওরবা, চিকনবা দলান অহু য়োমল্লে।

সিড়িগা মায়োক্লনা লৈরিবা কা অহুদি য়াম্না চাউই। চাউরবা উখোং পরেং অহুমথক্তৌ মথক্তা য়েক-খোংলবা য়ুমথক অহু লৈ। অহিং-মুংখিল চুম্লদা হল্লবা অচিকপগী অরাবা পোং-লুম অহু পুন্থনা ভেংথা-নাওইনা লেপ্লি। মুমিং ভাখিবদা মঙাইরি, হৌজিক কাওবা থাউমৈ চুথংনল্লি। মমলবা কা অহুগী থোঙ অহু হাংদোকলুবদা ওন্নোকপা অঙকপা অমা থোকলে— কবিগুবা মী-য়াম্ কমলম্বা সভা অমা কাম্নহুনা মাইকৈ মরিমক্তা থোঙ, থোঙ-নাও, লথো, মাঙোল মাইকৈ থুদিংমক্তা অকং অকংবা মকমদা চেনখোক্লখিবগুম থল্লি। মকম কৈদম্ভু কনাম্ন উল্লদবনা ইগুক ঙক-লহুনা লেপ্তুনা লৈরে। হকচাংশি হায়কম থঙদবা মুঙাইবগী ইরাং অমদা ভাউহুনা লৈরে। চহি কয়া কয়া শিজিন্নমল্লবা আটমগী মুং-শিবা মনয়া ঐগী নাত্তোন মক কংবা চংল্লে। ঐনা ইমম মন্নবা মী-পোং লৈনল্লবা পাক চাউরবা দোলান অহুগী মল্লবা মরী পরেং পরেং অহুগী মরক্তা লেপলদুনা মুংঙৌগী লৈমায়থক্তা তারকলিবা ঈশিং চাইবীদগী থোরকপা লাইজগী বা রা লাউরা মখোল তাবা হংখি, সেন্তায়না কবি মুমদা পোংলিবা খঙবা ঙমদে, কদাইদনো অমমা লিক-কোন সনাগী লৈত্তেং কমাগী খ্রিং খ্রিং লাউবা মখোল কদোমদনো ছুপুমগী মেঙলবা মখোল, মিকুপ অমদনা পুংজা থঙ-মনবা লৈরিবা শরিকৌ মখোল অথাম্নদনা নহাবতগী মুংশিবা ঈশৈ নাম্নিবা মালঙানা হুমদা হাইরিবা মরোং মরোংবা থাউমৈগী ইরং ইরাং নাংবা মচৈশিংগী মখোল, মাজোন্দা পোনমুংলো য়োকলিবা

মুলমুলগী ইশৈ, লৈকোন্দা খোংলিবা য়াইহুগী খোজেল— ঐগী অকোয়বা মায়কৈ মখিমক্তা লৈখিবা পোৎ পূময়ক অসিনা জগৎ অসিগী মওং মতৌ মান্নবা ভূত-প্রেতকী জগৎকী ওইবা ঈশৈগী মুর অমা থোকহল্লে।

ঐহোন্দা অসিগুম্বা থিংঙমত্রবা তুমহৎপগী য়াথল অমা পোকখি— পুক্নিংদা খনখি, অউবা জগৎ অসিগী ওইত্রবা চংলুবা শোকলুবা য়াত্রবা থোদোকশিং অসিভনা জগৎ অসিগী অমতা চাইয়ব লেংদবা অচুম্বনি ; অতৈদি ওইদবনি, মিনম্বনি। ঐ হায়বদি ঐনি— হায়বদি "শ্রীযুক্তনগী মচানুপা অহল শ্রীযুক ঐ অসি লশিং থাজানা খোমগৎপগী থবক তৌদনা থাগী তলব লুপা ৪৫০ কংই ; শোলা টুপী উপ্পনা খো'গ্রা০ শেংত্তুনা শগোল গাড়ী'থক্তা অফিস কাই, পূময়ক অসি ঐহোন্দা অমুককী মতিক নোক্নিংগ্রবা মিনম্বা য়ায়ী-গুম থল্লুদনা ঐহাক মমলবা কা অসিগী পাকচাউরবা ময়ক অসিদা লেপ্পদনা হৌনা হৌনা ইত্তোম্মতা নোকথোক্লম্মী।

খুদক অদুদা মথুত্তা চুথংলবা কেরোশিনগী থাউমৈ অমা পায়দনা মুসলমান মীনাই অদু চংলকই। মহাক্না ঐবু অতাও-বনি হায়না খুম্নমগত্রা ঐ থত্তদ ; অদুবু ঐ অসি শ্রীযুৎ অদুগী মচানুপা অহল শ্রীযুৎ অদুনি হায়বসিদি ঐ নিংশিংলকই। অচৌ অপিক কবি কয়ানা পৃথিবী অসিগী মঙুংদরা মপান্দরা লময়ম অমথক্তা মশক উত্রবা ঈশিং চাইবী কয়ানা চোল্লবা অমদি মশক উত্রবা খুংকী খুংথক্তা সেতারগী তারদগী মপাদ নাইত্রবা মরেম্না লৈত্রবা শৈশক কয়া থোকহনবয়া হায়বা তমলবসু, ঐহাক বারিচকী লশিং কৈথেন্দা থাজানা খোম্মী, ঐগী তলব ওইনা থাদা লুপা ৪৫০ কংই - হায়বা য়া অসিদি অমবু ওইয়বস্নু অমবু ওইয়বস্নু অচুম্বনি। কেরোশিনগী থাউমৈ মত্তান্দা ঐগী কেম্পকী টেবলদা কয়লদনা পাউজেল চে পাদনা কয়লিতৈদা ঐগী অসিগুম্বা অক্কনা

তম্‌হৎনিংতাই ওইরবা রাখল অসি খল্লুবদা মুণ্ডাইনা থল্লাই তানা লোকখি।

পাউজেল চে পাবা লোইরদুনা মোঘলাই চরাদু চারপা মৈ মৃৎথংলদুনা নাকন্দা লৈবা পিকতকপা কা অমদা থারিবা কমুং অহুদা তুগা চংলে। অরাপি চাংদোলদা উমংগী অমম্বনা ইকোই কোইশিল্লহনা রাংনা থোকলিবা অরংবা থরানমিচাক অমথক্লা মাইপ মিলিয়ন মিলিয়ন থাপখ্রবা অতিয়া মকোরদগী কেন্দাকী ইচম চম্বা কমুংদা হিপলিবা শ্রীযুক্ত মাঙল কলেক্টরদা মুম্না য়েংথরকপদু হাংদোকলিবা থোংনাওদগী উবা ফংখি— রাখল অসদা ওক্লা মুণ্ডাইবা অমা পোকলুই. করম্বা মতমদা তুংথখিবা কয়া কুইনা তুমলুবা অদুম্ন থডলুজ্রে। অদুবু ঐ থুনমক থংপ্রেক থংনা মিকপ থোক্লকই— কা মমুংদা থোজেল অমতা তাদে, কনাগুম্বা মীরান অমতম্ভ চংলকপা উথিদে। চাংদোন্দা 'থোকলম্বা চিক্রবা থরানমিচাক অদুতদি তাখিরমলে, নিন্দুংগী থাজগী মুশি মুশিবা মতালদনদি হাংদোকলিবা থোঙনাও অদুদা লোম্না চংলকপদুদা ইকাইনা মুনা মুনা য়েংলম্মী।

কনামতা লৈবা উদে। অদুবু কনাগুম্বী অমনা ঐবু তপ্না তপ্না ইনবগুম হকচাংদা কাওখি। মিকপ থোরকপদা মহাক্লা ঐডোন্দা মা মচেং অমা ফাওবা ভাংলক্কে, চুমতা থুদোপনা লৈতেংলবা মাগী থুংশা মতা অদুনা চেকশিন্না মতুং ইল্লকই হায়বগুম ইঙিংতমক মতোরকই। শোং—পেক লাওহন্দনা ঐহাক হৌগংলে। মা লৈমত্রবা দলান অদুগী অতুম্বগী থোজেল অমম্বুং মিকপ থোরকপগী থোম্বাংগনা থনগ্রবা মশিং থিতমত্রবা কাপিং অদুদা ঐ নত্তনা কনাগুম্বা মীব অমতা লৈত্রবদম্ভ ঐনা থোংথাং থুদিংদা কনাগুম্বা মী পোং মিকপ থোরকত্র হান্দনা অকিবা পোকখি। দলান অদুগী

ঙা অমাখক্তি থোক্ত কোনশিনদুনা থম্মনি, ঐ কাশিং,অহল্দা থমুরা চংখ্রুদ্রি।

মহা খিংনা খিনা থোক্তখাং তরা তরা থাংদুনা পবক থংগমকী ঐগী লমজাংবী অহুগী মখুং ইনুবো কদাইদ কাইলো চংখিরে, ঐহাক তম্লে। মমলবা, পুক্ষা লম্বী কয়া কয়া, শাংলবা বা কাৰিং ক'ওনকম লম্বী কয়া কয়া, যোং হাম্বা চিঙ্গনবম্বুল ভাবক-শং কয়া কয়া, ইথুম খুগজিনবা অকোনবা কা কক্ত ঐহাক লাক-দুনা চংখিবগে হাঙ্গা করিবতা থজবে। ঐখু লমজিংলিবী লাক-হেনবীহুগী মায়হোং অহু উবা গুমলুববন্ত, মাগী মূর্তি অহুবি ঐগী মাথলগী মিংতভি উথিনবা নত্তে। আমব নিঙোলনি, থুংগো-গুম্রা কম্লবা থোংলবা হোপ হেপ লাউবা ফুরিং খুদাংগী মহুক্তা মাগী পাম্বোম অনিতু উবা কংং, পায়বা মাক্তখুম অমমা মকোক্তা উপলিবা টুপী অহুগী মতোম্নগী হায়ববক্তুনা মমাং অদু ইথুপ কুপশিল্লি; অকোমবা থাও অমতু মখ্বাংদা হাল্লি। 'লিশিং অমদা অমা থোইবা আরবিতান নাইটসকী রারী ময়ামগী মরক্তগী অমথক কোমাকপী জগৎ অমদগী হল্লক্তুনা ঐঙোন্দা লৌহোনবা অমুক থোকপীরমখাক্তে অমস্তুং থেঙ্গলবা অহিংগী তাংলো অসিদা ঐহাক খুমবা তক্তা মমগ্রবা কুইনা তুমখুন হনগ্রবা বাগদাদকী লৈরকা খুদোং থিবন' থম্না লৈগ্রবা মুংশি চিঙ্গেরুকম অমদা চংলিবনি' হাম্না ঐহাক খনখি।

মতৈথংদা শকহেনবী লমজিংবী অসি নিম মচুগী পর্দা অমগী মমাংদা থংলেপ লেপথোকখ্রে, অদুগা করিগুম্বা মথাংদা লৈবা পোৎ অমদা মথুংনা খিনবগুম তোই। মকম অদুদা করিমু লৈতে অদুবু থংহোৎনা অকিবা অমনা হকচাংদা ঈ তেনবা ক'ওবা লেপ-লেপহনখিবগুম তোখি— পর্দা অদুগী মথোঙদা লৈমাইথকা

অকিবগী মথক ফংলবা নিগ্রো নপুংশক অমনা মরেক মরেক থোকপা কি অমা শেংলদুনা মখোং মপুং শং তিংথোক্লদুনা মতম-থাক্তা থাংখুরবগী শংজোক্লবা থাংনাং অমা থমলদুনা উইরি উইরি থোক্না কমদুনা লৈবক্তম ঐবা উবি। শমহেনবী লমজিংবী অদুনা খাক্তি মখোং অদু তমা তমা কাম্বোকখিদুনা পর্দা অদুগী মচেং অমা হাপলংলুই। প্যারিস কার্পেটবা লৈতেংলিবা কা অদুগী মনুক থবা ঐহাক উবা ফংখি— কনানো অমা মচুং অদুদা কচুং মথক্তা ফমলি— ঐহাক্তা মহাক অদুবুদি উমথে অদুবু মনানা হংলবা খুদোম থোক্নুপ তোংলিবী হোপ হোপ লাউবা সনা-মচুগী পাইজামাদগী লিংথোরকদুনা তক্নে-মাক্নে কমলা-মচুগী রেশমগী কার্পেট মথক্তা থাদরিবী নিংথিবী থোঙ অনিথক্তি উবা ফংখি। মাকল অমদনা শংনৈনবা লংলবা পুথৰ অমদা থৈজুপ থবা কমলা থরা, অঙুর চরোং চরোং, পিক্কপা কপ অনিথক অমম্পুং সনানা হংলবা জৈশিংগী পাত্র অমথক লৈরিবা অদুনা অতিথি অসিবু লোয়ননা চাইহিরবনি হায়বগী খুদমনি। হুংশিনবা মনমা হায়বা কা অদুগী মচুংদা চাকলিবা মথক থঙ্গবা ধূপ অদুদগী কারকপা মনিমা ঐগী বাখল কাওবা ইত্তম তুমহৎলখি।

থম্মোয় পিং পিং চোংনা নাপুংশক অদুগী তিংথোকলিবা মখোঙ অদু ঐহাকতু কাম্বোকে হোৎনখি অদুবু মহাক থংগ্রেক খংনা থাও অদুদু মতম্বাক্তগী চুংথৌগী লৈমায়থক্তুদা খ্রোং লাউবা হৌরবা মখোল অমগা লোইননা তাখিজুনা মিকপ থংথোক থোকখি।

অকিবগী মথক ফংবা থংনাউ লাউজুনা ঐহাক কব চোং-থংখি। হুমাংনা পুমচোং চোংদুনা কেম্পকী কচুং মথক অদুদা ঐহাক কমলখি; অযুকী তু উরকপগী মতাংদা মখি শাখলক্লবা শিথরকপগী থাবক তুমথবনা অযুকী ইচোক চোকথরবা অমাবগী মতোঙ্গ থোক্লখি, অতাওবা মেহের আলিমা ইচিক অমবা লমী থংমা

চংলা ঊংলা কাপী মিতিগী হৈবী মওংলো লাউরদি; লম্বাকা চংখ্রো। চংখ্রো।।"

ঐগী অমাবিধান কাইটপ অমা মকম-মরাং থগৎহোকখা অশ্না লোইশিনখি; অদুবু হৌজিকসু অহিং নিংশিং অমদি নৈহৌদি।

অদুবগীদি ঐগী অমুক-হুংখিদপা (অহিংগা অপিগী মরক্তা চানবগা অচৌবা অকাপ্পবা শুব অমা থোরক্লে। অমুক-হুংখিবদবা মাংলা ইচোক গেকথরদুনা ঐহাক শুমহৎ-রাই কারবা অহিং অমসুং অর্থ মাওবরা মওনিং অদুবু ইতোম্মত চৈর চৈরদুনা থবক চৎলি অদুগা হুমিদাং ওইরকপগদি ঐগী মিতিগী অকা-অপুনবগী য়োংলি তাবাগা থম্বা পুক্তি অসি কনিংসু নৈত্রবা, মিনবা, মোক্তিংবা পোকপা চাউথোক্কমগুম থম্বকই।

হুমিদাং ওইরকপগা ঐহাক অঙকপা মরাই অমগী লাগো থুরুনা পুনশুম শুমহৎখি। মতম অদুদি ঐহাক অসি ইবিঙবা ইতিহাসকী শরুক য়ারিবা হৌরবা যুগ অমগী মথক-মখা থঙ-বীরবা কনাগুবা মীশক অমা ওথোরকই; ঐগী অঙেনবা ইং-লিশকী কোট অমসুং অনম্বা খোংথ্রাউ অদু ঐতোম্বা শুকদু চুব-রক্লে। অতাংবা রেশমগী টুপী অমা কোক্তা উপদুনা, হোপ হোপ লাউবা পাইখবা শেত্নুনা, নৈবোং রেকপা রাসকট শিত্নুনা, জোর জোর লাউবা শিক্কগী ফুরিং অচোনবা লিত্নুবা আতর য়াউবা মনম চাইরবা মচু মচুগী রুমাল পাইরদুনা ঐগী হৌনবী কে-ৎোবা লোইরদুনা গুলাব-মপনা থগবা মরোং মরোংবা নারথি-লেংলা ঐগী চুরুটতু থমলদুনা হুংশিবী কনাগুবী অমগা থাজনা উনববী অঙকপা অপাখা অমনা থম্মোয়সি শিক থম্বদুনা অয়োনবা কুরকম থাবা অরাংবা চৌকি অমদা ঐহাক ফমদুনা লৈ।

হুমিদাংগী অমদুনা অম্মুম অম্মুম কুপশিন্নকপগা লোইরবা থোকখিবা অঙক অঙকপা থৌদোকশিং অদু লম্মোক্তা তাকনবগী

শক্তি লৈরে। অদুগুম্বা পাকচাউরবা কনাগ অদুগী অচুবগী মশক ওইরবা কাখিং অদুদা কজরবা মাখী অকক্কী মচেং ময়াম ফম্বা নসম্বী মালমাগী অকনবা শউম মরক্তুমা খোইপাই পাইদুনা লৈরিবগুম থরক্নি। মখোগী মথৈদি মশক্তা মঙাখি অচুম্বা মাখী লমদাগী অশাঙবরি-খুৎশা ওবগে। ঐখোয় কা কা খুদিংদা অদিং খোৎচনা হায়রা মঙৈদবিং অসি কোইহৌন তাবদুনা লেপ্লি।"

মশক পাওক মচেং মচেংশিং অমিগী মরক্তা, মেয়াম্না হুৎশিনবা মায় কবক্তা অদুগুম্বা থেক্তাবগী লেং লেং লাউরিবা থোক্লম, মখোয় না যা চুবা, হুৎশিনবগী ঙম্লোইদবা ঐহাক খোংথাংগী মওংগুম্বা মিংথিবী. লৈশাবী অমগী মায়থোক্‌ইউ উখি। সদানকুদি পাইকনবা শেংলি কোক্তক তৌবা থোক্‌পা শাগ্লি, সজরবা হৎলবা খুদোম খোংথুম্বা অ থাংনা তৌরিবী মথক্তা লৈক্লৌবী মখানা থাদুবা চিঙ্গুক খোয়া ফুরিং লিংলি, অতোংবা টুপী উপপী, মাকুলগী সখাগী মরি অমনা মাগী তৌববা শিরম অমম্বুং মথক্তাইবা তারকই।"

মরাজা ঐখু পুমক্তাক তাওহরে। মখোয়পু তাহদা ঐহাক কা কা খুদিংদা মরোম্বা অচুম্বগী লমমন কবাদা থুকনা চৎরবর, মরুম অহনবা লম্বী কবাদা কোইচৎ চৎলুরে।

কবিগুম্বা হুমিদাংগ্রাইদবা নাকল নাকলদা, লৈ অমম্বা থাদুনা চাউরবা মিংশেলগী মমাংদা লেপলদুনা মিংথৌ শাগৈগী কনাগুম্বা মিংথৌ মচাগুম্বা চেকশিন্না ইশাবু শেরশাদুনা লেপলিরৈদদু ঐগী মঙক্তমক্তদা পারসি শকহেনবী অদুগী মমি থঙ্‌হোনবা মিকুপ থমদং, তারকপা উখি। মতকতু নোমহৌ নোমহৌ তৌরদুনা লাউ-রবা মুরবা মমিং অনি অদুদা তথক তথকপা খ্বাংতমক্তবা অপাম্বা অমম্বুং অম্বাবগী মমি তারদুনা, তঙাং তঙাংবা থোংনৌরবা মচিবান অদুদা যা তাংথোকপগী চিংনবা উংলম্নপা, ফুগায়না শাংলবা লৈশাম্বা লৈরেংলবা উরীওসনা মহাক্তী তোঙানবা পুংলৈ কুহুগী শাবান অদুদা

মহা ওইদবা লৈতেংবিরম্বুনা, অতোকপা হৈঙাপনী মপকতুমনবা অঙাবা, পামজবা অমস্তুং মুডাইবগী শকনম্বা ওহা ওহাবা মনি শেমজনিঙাই ওইরবা থোওথাং অতুদা মমি তারহুনা, যোমোন মিনোক অমত্তং চিংবা বিংচিনা চিংনা য়েংলমলগা, মণি-মুক্তা অমস্তুং শিঙগী অমংবা মশেক্তু মিকুপ অমত্তং উগল্লম্মগা. মহাক মাঙথি। চাং অমস্তুং উমংগী মুংশিবা মনম্বা হাবরা অঙাওবা মুংশিংকী শউম অমদা থাউমৈহ মুংথি— শেংলবা কিয়োল অহ নাকল অমদা লংশিনখ্রবা মিং উইশিল্লহুবা হকচাং অসি মুডাইবগী ঈপোম্বা মৈরহুনা কমুংদা হিপাইথ। মতম অতুদা ঐগী অকোয়বদা শিংলিবা নামিবগী ঈপোৱ অতুদা অয়ালি চাংগী অমস্তুং উমংগী মুংশিরবা মনম মরক অতুদা চিল্লবা অমম্বা মরক অতুদা কয়ারক কোল্লকথি, কয়ারক চুপলকথি, নৌমবী থুং অমনা হল্লা হল্লা লানবিরকই, নাপদা চিক্লা তপ্পা- তপ্পা মুকুম মুকম কম্বা শোল্লকই, লাইবক্তা মুংশিবা মনম্বা থল্লবা ম্বমনা কামলকই; ঐগী থঙাইদা মুংশিবা মনমনা চুমবা কথাম অমনা হল্লা হল্লা নান্দুনা শাল্লমকই। অতুদগীদি অতোকপগী মপক ওইরবা লিল অমোম অমগী ইপাং পাংথহনবা মকোন মকোন অহুনা ঐবু তপনা তপনা য়েংশিল্লকই; স্বয় মপী অমা শাংনা হোল্লহুনা ঐহাক জ্ঞান মাঙখিহুনা য়াম্বা কম্বা তুমথখি।

নোংমা মুমিদাংবাই অমা শগোল তোংহুনা কোয়থোকলুগে থনখি— কনানো অমনা ঐবু থিংলি মশক মশাদি থঙদে— অহুবু মুমিং অতুদা হায়জবা থিংজবা খিবিক্তু ঐহাক তাখিদে। ঐগী ইংলিসকী টুপীগা কোটকা য়েক অমদা মান্দুনা লৈরম্মি, মহ লোথগে তোবমক্তদা মুক্তা তুংয়লগী লৈঙোই অমস্তুং অয়ালি চাংগী অকংবা উনানা পুমকপা মকম থংজৌদবা অকনবা নোংলৈ মুংশিং অমনা ঐগী টুপীগা কোটকহ লৈ লৈহুনা হমহুনা পুৱে অমস্তুং মুডাইনা হয়াও তয়ামবগী অম্নুম অম্নুম হেক্সংলকপা মিনোকী.

খোজেন অমবা মোংদৈ মুংশিং অহুগা লোইবনা মুডাইবগী মাদা পুশিন্দা দৈবগুনা মুম্মিং তাশিন্নকপগী লমদম অহুগা অমতা ওইনা ভিরখি।

শগোল তোংহুনা চংখোকলুরে, মখংগী মুমিত্তগীদি ঐগী ওইবা ইংলিশকী :কাটস্থ, টুপীহস পূলিগী ওইনা খাজোকখ্রে।

অমুকস্থ হন্না মুম্মিং অহুগী অহিং মোংয়াইদা কমুং মখক্তা হৌশংহুনা কমলিঙৈদা কনাগুগী অমগী খখোয় কায়রবা মখোল খোকত্রবা থিকপখোল অমা তাখি— ঐগী কমুং মথাহুদা, দৈগুং-দ্দা, পাকচাওবা দলান অদুগী মুংগী দৈমায় মখাদ্দা, গুক্তা মখলবা চোং চোং লাউরবা মোংকব অমদগী মুংশিবা পোক্লবা খোজেন অমনা ঐডোন্দা হায়জরকই। "ঐবু কনবীয়ু। কন্নবা মায়াগী অবেগা মডগী খোঙশিং অসি থুদেকপিদ্না নংনা ঐবু শগোলথক্তা হাপ্পীদ্না নংগী খখোয়দা চেংনা কোনশিনবীদ্না চীং, তুরেল, উমং, কয়া কয়া লায়া হুমিংকী অঙানবা মশেন্না দৈতেংলবা নংগী কা অদ্দা পুথোকপিয়ু। ঐবু অমুক্তা কনবিয়ু।"

ঐ কনানো ? কয়দোনা নংবু কনবা ঙমগনি ঐনা। অয়েক্না দৈতনা ওম্লিবা মঙগী ঈচেল মরকসিদগী করম্বা ঙমহংয়াইনা নিংথিবী নংবু তোর্বান্দা চিংথংলকলনি। হে হেলোইগী শকম পুবী নংবু করম্বা মতমদা করম্বা মকমদা দৈরম্বনো ? করম্বা ইংলবা ইফুংকী তোর্বান্দা, খাংতুপ পান্বীগী উকমদা ময়ুম দৈজদবী মক্ষভুমিদা কোয়চং চংচবী কনাগী মতম্বাক্তা নংবু পোকখিবা। বেত্তুইন ভ্'কু কনায়া লমলক্তা হো-জবী উরীদগী পোমজন্নিবী দৈরাং হেকতংপিখিবগুম্না অপোকপী পলেমগী শেপাদগী মুন্দুনা পুবিরক্লগা নোংখাংগুম্না য়াঙলবা শগোলথক্তা হাপ-কংপিহুনা দৈ হৌনা শাব্রবা দৈতোই লমদম কুয়া লায়া পুথিরকতুনা করম্বা নিংথৌগী য়ৌনাই কৈথেল তায়া নংবু যোয়বগীদমক্তা পুহুনা চেন্নকখিবা ! অদুগা মকম অদুদগী বাদশাহগী করম্বা অকিসাবনা নংগী ইকাইথীবী যৌবনগী লাংকাইবদা ভাহজরবী মতিক মঙলন

খুত্থৎনা সুনাবা মত্তিকদ্‌না লৈরক্লগা সনাগী লোলাইবক্তা তোং-হম্মুনঃ সমুদ্র লাম্না পূরকপুনা মপূগী শজায় লৈফেংনবী খুদোন-পোং ওইনা কংখিবা ? অচুগা মকম অদ্‌গী ইতিহাসতি। শাবজগী ঈনৈ, খোঙজাগী মখোল, শিরাজগী ময়াম কারবা লেশাগী মমক মরক্তা থাগ্তগী অমংবা মশেক, হগী মৈথু অমত্তুং থম্মোয় কায়হনবী মিংচিগী তেন কয়া কয়া। কয়াগী মত্তিক লোইবা থবা মাইক্রবা করবা কবা, মশাল নাইক্রবা মীনাইগী লৈকম কয়া কয়া। নংগী মেৎ-ওই অনিমক্তা মীনায় মুপী অনিমা লেম্নদ্‌না হিবাগী মঙালবা ইরং ইরং লংহন্নদ্‌না চামর খোগদ থৌখিবা। নিংথৌপিংগী নিং-খৌরেন অদ্‌না নংগী মণি-মুক্তানা লৈতেংলবা ভৌরোক তৌরবা নখোঙ মনাক্তা খুরু খুদক কুন্দুনা লৈরদ্‌না মপান্দনা অকিবগী মথক কংলবা অবিশিনিয়াগী নাপুংশক অমনা মখুত্তা মখুমদগী শত্তোক্লবা থাঙশাং অমা পাবরদ্‌না যমগী দূতকী মত্তৌশুম্না স্বর্গগী লাইশুয়দি কিজেং লৈতেংলদ্‌না লেপ্তুনা লৈরিবা। অদ্‌বগীদি মরুভূমিদা শাংপী শীত্তেল নংবু ঈনা পুরভাং ভাংলবা কল্লকপা, মশেল অমগা অমগা মেংখিনবগী ঈপোমলক্তা অচাউবম কানিংবগী ঈপাক অদ্‌দা নত্রগা কমবা হেন্না নিংখিবা হেন্না তমখিবা লমদম অমদা লংশেকনা থঙীয়রবা ?

মতম অসিদা ইথং থঙহৌদনা অভাওবা মেহের আলিনা লাউরকই— "থাগ্না চেনস্ত্রো, থাগ্না চেনস্ত্রো, পূরমক ওইদবনি।" মিং পাংথোরকপদা নোং ভাল্লমলে। চপ্রাসী লাকতুনা চিঠী পী-রকলে, পূজারীস্থু ইঙাংদা লেপলদ্‌না সলাম তৌরগা কবি খোং-গদলে হাররকপা ভাইদ্‌না লৈরম্মী।

ঐনা হায়খি : " নত্তে, মুম অসিদা অমুক হন্না লৈজররোই " হুমিং অদ্‌মক্তদা পোং-টৈ মোয়শিন্দুনা ঐগী অফিস ওইখিবা মকম অদ্‌দা চংলে। অফিসকী কেরানী অহল কয়িম থাঁনা ঐগী

ইমুতোন্‌ উবদা হায়রকং লোকেশি। মহাক্না ক্রোকশিবগী এই ম্যাট্রেকং শাইনিংলুরবস্‌ বাদি অমত্তা ভাংথোকলদনা অকিসুকী মুরুক শুরা চোরে।

মুনিমুংবাই অসুম অসুম শুইশ্রিলকপগী লোইদ থোকইবা পুক্লিংস্‌ অসুম অসুম তম্মাং শ্রেংশাইবা হেক্সংলকই— খুকিয়া কুলাইছল্লো অমা চংকদবা লৈবগুম শিংই— কশিংগী হিসাব পাবদ্‌ কবিয়ু ক্যাররবা ওইনা থল্লকলে। নিক্কাসগী নিজামতম্‌ মদ্‌ ক্যারবা থোইনা মমল য়াম্বা পোংকুম নিংলুক্লে। মাংদা শ্রুরিবা শোংখুদিংমক ঐগী অকোয়বদা লৈরিবা লেংলি পাঙ্খিবা পুমবক পুক্‌কীয়কতা শুরিবা থবক-ইংখাং পুমমক করিশু লৈতবা, অর্থ য়াবত্রবা, হত্তোয়নকমগুম থল্লকলে।

কদম থাদোক্লমদ্‌না, হিসাবকী বহি হুন্থোকলমদন্না শুগোল গাড়ী'থক্তা তোংথত্তুনা থোরকলে। মমগুক মমগুক তোবা মগুম অহ্‌নকরদা শগোল গাড়ী অদ্‌ মশা মত্তোম্মতনা মুংডোগী কল্যান অসিগী থোঙ্গান্দা লাকতুনা লেপলয়ে। থোঙ্গথাং ভহা ভহানা সিড়ি অদ্‌দা কাখৎলদ্‌না কা মমুংদা চংলে।

চসিদি পুমচিক চিক্কগী। মমলবা কা ময়াম অদ্‌ বারোমদ্‌না তুমিন তুমিন লৈবগুম নিংথি। থন্মোয অমি লিঙজরবগী মৈনা চাকথংলক্লে; অদ্‌বু থম্মোয অ'স পেম্মা কোঙ্গোকসুনিভাইদি করাম্ম লৈতে, কনাগী মফংদবো ঐনা ভাকপায়ু নিজরথদবু? খুঙ্কিং অসি তম্মাং অশোয়বা মমলবা কাশিং অদ্‌দা কোইচং চংলুই। মেক্তার অগত্তং লৈজরমদ্‌না শকথজদবী অদ্‌দা "হে মৈরই। নঙ্গোম্মকী থাপনা পাইথোকে হোংনবা মৈবানবাদ্‌ অমুক কনাক্তা পাইশিল্লক্লে। হন্নকমুক্তংদি মাবু ভাকপায়, মশা মবেং পুক্লক চাকথোকপাদ্‌না নংগী মৈবাদা তুমহনবীরো।" হায়না মৈশে শুসি শক্তুল্ল ম্যাংজিংলুই।

থঙ্গোইনবা লিবাসী মরিক অদুগুম্বং মখলগ্নোনবী মুগী লাইবক্না লোপ্পা লোপা তারকবি। মুম্মিং মুন্নু অরাবি চৈংয়েন লঙ্গ তন্না মুৎবা নোংমী ওপৈরা থুগাথিরম্বা। অদোমা উঙ্গা থুম্মনং পুক্তাপী থুরৈনবা মাইক্ত অহুম্ম অকিবগী মনাক ঙঙ্গলগী মিন্নুনা অসুম্বং মচিকপরা লেইবনা ঙাইহ্নন্নৈ লৈরম্মী। থঙ্গোইবনা কংকাল, ঈশিং আকাশ পুম্নমক থক থক লিকলকয়ে; অতৌঙ্গা লাকচম কাওরবা হিংচাবা কনাগুম্বা পুম্মিবা মোক্লিং থদহুন্না তৌবপগুম অকনবা নোংমৈ-মুংশিং অমম্বং মোংথাংগী মখা মথক উংলনলনা লৈগী টৈশ্রবা থাম্রবা উমং সুবা হুং হুং হংলহনা কেন-লিমথি। তিকবা মদান অমুগী মচৌ অচৌবা কাশিং অমুগী লোক-তাওশিং অহুম্ম থম্মোয় শোক্না তেংথা নাওইবগুম গম গম থৈলিক-লঙ্গনা উ উ লাঙ্গনা খোঞ্জেল থোকললে।

মানাইশিংগু অকিনবা ওয়া লৈহোউ, থাইবৈ চুখংশিনবা মী অমত্তগু লৈতে। নোং মংলবা থারল খোক্নুবা অহিং অমুগী অকা অমলবা মরক অমুদা কনাগুবী হুপী অমা কথুং মথাগী কাপে ট মথক অমুদা উপ্রাক্কা হিপলহুদা চোইনা তারম্না শকনাং অমুশিং-ওমজবা থুংশাশিং অদুনা কোয়র কোয়রদুনা হিপ্পুনা লৈরি হাকুনা ঐজেনবা তশেং মশেন্না তাওই। তৌবা মুগী পিথুমদুদগী উই মরি মরি শিম্মরি, করিগুম্বনা চৈবা মাকুলথা লোক্লেনা লোকই, করিগুম্বনা মথোল চৌনা হিক হিক্রু কুপম্বকই, মখুৎ মশিন্নুনা অম্রকম্ম মথাদা শিংলিবা মুবিংতু শেপাহন্না ঈরাং ঙাং-ঙবা মথবাক অদুগা লৈরি, হাংদোকশিন্না লোয়োও অদুগা মুংশিংনা ঙংদুনা হমজিল্লকই, তর তর শিম্মরিবা নোংমী মরিদুনা মালা মাদুবুম পুম্মচোং লোংলগী।

অদিং চুম্না নোং-মুংশিংগু লোম্না লৈখিত্রে হন্নবা মিরুপ মাদুগ লোপথিত্রে। তরেমথদা বানা বানা অমুগা মরক মাদুদা কা কা

পুন্সিলা ঐহাক কোইচং চংলুই। কনাগুম নৈতবা মুম অসিদা কনাবুনো ঐনা থেমজিল্লুগদৌরিবসিবু। থাংজমজ্রবা থম্মোইশী হন্নবা অহাবশী মপাউ অসিনা কনাগীনো? কদাইদগী পোকখিবা অসি-গুম্বা থেবজিনবা ওমরোইদবা অহাবা অসিনা?

অঙাওবদ্না হৌনা হৌনা লাউরকই: "থাম্মা চংশ্রো, থাম্মা চংশ্রো, পুন্নমক ওইদবনি।"

য়েংথোকখিবদদি অমুক ওইরমদে, অকিবগী মথক কংলবা অমুক্তা অইং অপা মরক অদ্দা মেহের আলিদি মাগী মহৌশাগী হৈনবী থোল্লাওদ্না লাউরু লাউদ্না দলান অদ্গী অকোয়বদা হন্না হন্না চত্না লৈরম্মী। মেহের আলিসু ঐ গুম্না দলান অসিদা মতম অমদা লৈরম্বা মাই হান্না হাথদসি থংনিং নিংশিংলকই, হৌজিক ডাওদ্না কোয়চং চংলবা অসি ফাওবদা হুম্গী হিংচাবী-শিগী গুমহৎশাইনা চিংবীদ্না মুমিং পুন্সিংগী মকম অসিদা লাক্না কোয়না কোয়না চত্না লৈরিবনি।

ঐনা নোং হুংশিং মরক অদ্দা অঙাওবা অদ্গী মনাক্তা চং-শিন্নগা হংলম্মি: "ও। মেহের আলি, করিবুনো ওইদবনি হায়বনু?"

মানা ঐনা হংলিবদ্গী পাউখুমদি তুঙ্গি পিদনা ঐবু ইথোক-লগা লিলগী মথাগাত্তা ডাগদৌরিবা উচেকনা কোইপাই পাইবগুম মাগী হান্নগী থোল্লাউদ্না লাউরু লাউরদ্না দলান অদ্গী অকোই-বদা হন্না হন্না চংপা হৌরকই। মপা নত্তোম্মতবু নিংবা কায়না হন্না হন্না লাউজনরকই: "থাম্মা চংশ্রো, থাম্মা চংশ্রো, পুন্নমক ওইদবনি।"

নোং-হুংশিং মরক অদ্দা অঙাওবগুম অকিস্তা করিব থাগী মনাক তান্না চেন্নদ্না ঐনা হায়রম্মী: "পুন্নমক অসিগী অর্থ করিনো ঐত্তোদা শেংনা হায়বু।"

হন্নবা অহুনা হায়খিবা অহুগী অশবদি মসিনি : মতম অমদা, মশিং লাকহমন্নবা অপাম্বা, নিংবা থুংখিন্নবা থম্মোয়গী মৈচাক কয়া কয়া অমদি লাকহুব-কাহুমন্নবা হয়াও-তয়াম্বগী থিংহমন্নবা মৈরি কয়া কয়ানা মুখ অসিগী মমুংদা শিকথয়া লৈরম্মি ; নিংবা থুংখিন্নবা থম্মোয় কয়াগী চান্নবা অপাম্বা অমমুং কায়রবা আশা কয়াগী অভিশাপনা দলান অসিগী মুঃ থুদিংমকপু চয়ান্নবা পোক-হন্দুনা চয়ান্নরবী হিংচাবীগুম্না হেক অবাকপা, থেংনবা অহিংবা জীব থুদিংমকপু পুথরোৎ য়োৎনিংলবনি। দলান অসিদা অহিং অহুম চুমা লেকলুরবা মী অমতম্ন অসিগুম্বা তমখিরবা থান্নাৎ অসিদগী নাহোকপা ওমখিদে, মেহের আলিতদি তাওদুনা, ভাব-চোইদুনা হিংলিবসিনি।

ত্রনা হংখি : "ঐগী নাহোকবা করিগুম্বা পাম্বেগা লৈর-য়োইজ্রা ?" অহল অহুনা থুমলকই ; "উপায় অমথকুংদি লৈ, মহুম্ন য়াম্না অরুবনি। উপায় অদু নঙোন্দা তাককে অত্তুবু মসিগী মমাংদা হয়াও-তয়ামগী তুংনকম দলান অসিদা মতম অমদা লৈরম্বী ইরান চন্দু অমগী য়ারী দাম্না তাথো। মাগী য়ারী অসি-গুম্না থম্মোয় কায়বা, অহুকপা য়ারীদি সংসার অসিদা করি-গুমবদম্ন থোকখিদ্রে।"

তাক্সা অসিদা কুলি চংলকুনা ট্রেন লাকলে তাকলৈ। অম্নক থুনা ? তহা তহানা কমুংগী কি-য়োল অদু য়োমশিন্নিংদা ট্রেনদু থুংলরে। তুমলুবদগী মিকপ থংথোক থোরকপা মানবা ইংরাজী ভদ্রলোক অমনা ফার্ষ্ট ক্লাসকী থোঙনাউ অমদগী ষ্টেসন অহুগী মমিং পাগে হায়দুনা মকোক থিন্দোরকই। ঐথোয়গা চংমিন-নরিবা যাত্রিক অহুবু উবগা মহাক্না "হেলো" হায়না কৌরক্লনা মাগী কা অহুদা পুশিন্দুনা তোংমিন্নরে। ঐথোয়দি সেকেণ্ড ক্লাসকী

বা খেৎলা কাবথেঁ। বাসু অহুৎ কনাদো নত্রপা মাগী মাচৌ অহুনী পেইলাইনা কয়িদো খজনবী তাজা ফংখিবে।

ঐনা হায়খি: “নুপা অহুমা ঐখোয়গী অপাংবা মীওই অমুনা নবগাকি খৌরুনা পংহায় হায়জিনবা জাৎনিদা। মাচৌ অমি থৌ-নবগী লোইবা কাওবা শেমজনবা চাক্তনি।” মাকপ অমিগী মতাংদা ঐখী নবী মচা বিত্তোইদাকিন্ট অতুপা ঐপা পোকখিররকখুম মচ মানিপিরে।

কাবুলিৱালা

ঐগী চহি মঙাতা ঙাওরিবী ইচানুপী মিনিদি মিকুপ অমতম্তু রা ঙাংদনা তুমিন্না কনজনা লৈবা ঐনদে। পৃথিবী অশিনদা হেক পোকলকপগী লোল তমদনা মহাক্না মাঙহনখিবা মতমসি চহি অম-গুজনি, অদুগীদি মহাক্না তুমদনবু মতৌরবদি মিকুপ অমত্তু রা ঙাংদনা লৈথোক্তুনা অরেপদা মাঙহনখিদে। মাগী মমাদি অয়াম্বা মখুমদা মহাকপু ননকা চোতুনা তুমিন্না লৈহনবা ঙম্মী, অদুবু ঐদি মাহুন্ন ঙমদে। মিনিনা রা ঙাংদনা তুমিন্না লৈবসি মাগী মহৌশাগা ওন্থোক্না চানখিত্রবা অমগুম থোকই, মধু ঐদি কুইনা থাজনা লৈথোকপা ঙমদে। মতম অসিনা ঐগা বারৌ-বাজাই শাথিন্নবদি মাঙোন্দা করিগুম্বা থৌনা থরগা লোইনৈ।

অয়ুক অমা ঐগী উপন্যাসকী ১৭ শুবা অধ্যায় ইরিঙৈদা মিনি চংলক্তুনা ঙাংবা হৌরে: "বাবা, রামদয়াল দরবান্না হাম্বু-রিবা কা কপু কোয়া কোহ হায়, মহাকি কবিস্থ থউদেকো। থউরগে ?"

ঐনা পৃথীবীদা লৈরিবা লোনশিং অসিগী মরক্তা লৈরিবা অমগা অমগা থেন্নবগী মরমদা মঙোন্দা তাকপা নংঙ্গিরৈঙদা মহাক্না অতোপ্পা হিরম অমদা অমুক হায়রকই: "মেংঙোই বাবা, ভোং-থকপী শাবু অমনা মনাতোন্দগী ঈশিং কাম্থোক্কপনা নোং তাবিবনি হায় ভোলানা। কয়াদা পংখ্রবনো ভোলাসি। অহিং মুংখিল চুপপা চবেং চবেং অপংবা রাক্ষস পংঙাথো ঙাংইরো।"

ঐগী টেবল অমুগী মথাদা চংলক্তুনা থোঙ মনাক্তা কমলজনা মহাক মথুংনা মচিন্দা থমলজনা হৌদা ক্রু ক্রু কামজনা শাম্বা হৌরকলে। ঐগী ১৭ শুবা অধ্যায়দি প্রতাপসিংনা কাঞ্চনমালাবু

মমলবা অহিংবা বন্দিশালগী পুখাৎরকহুনা অৱাংবা চমাগী অচুম-তবা মখোনগী খোঙবাণগী মেল্লা চেৎলিবা চুমেনগী ইখোনবুদো চোংথমিংলিবা মতাং অদুনি।

ঐগী মুমতি লম্বী মনাক্তা লৈ। শারবন্থ খংজোক তোকহুনা খোঙনাঙ মনাক্তা লেপ্লহুনা মিনিনা কৌখা হৌরকই, "কাবুলিৱালা, ও! কাবুলিৱালা!!"

চয়োং চয়োংলবা হোপ হোপ লাউবা কি শেংলহুনা, মকোক্তা কোয়েৎ, নাকন্দা থাউ মানবা, মখুত্তা অঙ্গুর কিসমিস মখোম মখোম থবা পাররহুনা রাং চাউরবা কাবুলিৱালা অমা লম্বীদা নোমহো নোমহো চংলক্লী। মহাকপু উরবদা ঐগী ইচানুপীগী থমোয়দা করি ৱাখল পোকখিবা হায়বদা লূনা খোকই, মহাকপুনি খোঙেন ৱাংবা মহাক্কী কৌকরিবসি। হৌজিকমক নাকন্দা থাউ মানবা মিখিলাম অময়ুক চংলকহুনা ঐগী ১৭ শুবা অধ্যায় অসি লোইবা ওয়থোকপা তারে হায়না থনখি।

মিনিনা কৌবন্থ তাবদা কাবুলিৱালাদু নোকনি নোকনি তৌরহুনা মমাই লৈরকহুনা ঐখোয়গী মুমদোম পাংলকলে। চুপীমচা অমদি মসি উবদা আ ইমুং মৌনা চেনশিনখিহুনা মখক মখা অময়ুক উখিদ্রে। কাবুলি অদুগী থাউ মমুং অদুদা খিকহনবদি মাগুমী অহিংবী চুপীমচা অনি অদুম থাউরম্বা মাই হায়না মঙোন্দা থকিবা পোক্লবা তাই।

অসোমদনা কাবুলিদু চংলকহুনা সনাব তৌরে। প্রতাপ-সিংহ অমসুং কাঞ্চনমালা অনিগী অবস্থা অদু কনমক থুদোং থিনিংচাই ওইহনরবস্থ, মীশিংবু মুমদা কৌশিললুরবনিনা করি করিনো থরমসু নৈবিদোক্লবদি কন্নে থল্লুই।

করি করিনো থবা লৈরে। অদুদগীদি রাণী-রাজাই অনা অনিস্থ অচুক চথরে। আবদম মহমন রূপ, ইংরাজীদগী হৌরহুনা

ইন্দ্রজালী অহৈ-ক্লাকপা মীতিঙ্গিবগী মরমদা য়াবো শাবে।

মতৈপঙ্গা চংনবদাই য়োবক্লদুনা লৌগৎলগা মহাক্না হংলকই : “পাপু, নচাহুপী পিশক্‌ কদাইদা চংখ্রে ?”

মমম চাদনা মিনিগী পূক্লিংদা পোকলিবা অকিবা য়াথল অহ্ কোকইনবা চুমী নিংলদুনা মহাকপু ইমুংগী পুখোকহল্লে— মহাক ঐজোম্বা চেখেং কোনশিল্লদুনা কাবুলি অমম্বং মাপী থাউ অহুবা চিন্নবা নিংথ্রেংগা লোইনবা য়েংলদুনা লেপ্লুনা লৈরে। থাউ মহুংদগী কিসমিস, বাদাম লৌখোরকত্তুনা কাবুলিনা মজোম্বা পীবু শুকলো লৌ হায়বা য়াথিদে, লেখো হেন্নহুম চিংনবা ঐগী পুকউদা চেখেং নপশিল্লকথি। অমুম তৌনা অহানবা নকথৎলবথিবনি।

নোংমা মিনিগী মতুংদা অমুক অমা মুমগী থবক অমা চৎকে হায়না খোমকপদা খোঙ মনাক্তা লৈরিবা খেকটী মথক্তা কমলদুনা মিনিনা কথি কল্লিনো ভাংলি অহুপা কাবুলি অহুনা মাপী মখোঙ মমাদা কমলদুনা মানা ভাংলিবশিং অহ্ পুক্লিং চংনা তাবি, মমক মমক্তা মপাগী মতম্ন লেংকাত্তবা বাংলাদা কোংখোক্লদুনা লৈরিবহু ঐহাক উথি। মিনিনা চহি মচা শুমক্লবা অসি কাংথ্‌ মদা মাবু পোকপা মপা নত্তনা কনামতা মানা ভাংবা য়াদা অমুক য়াম্না পুক্লিং চংনা তাবিবসি কংথিজ্রি। মাপী শাড়ী মজোম অহ্-দগ্গী বাদাম কিসমিসনা পিকথল্লে। ঐনা কাবুলি অহুনা হায়খি: “কনিগী মজোম্বা অশুক য়াথসি পীবিবনো ? অমুক পীরম্বহুকো।” অসি হায়রদুনা মুখিংথাউদগী মথাই মরেক অমা লৌখোক্‌না মাখোম্না পীরে। মহাকন্না খোইদোকপা য়ানিংদবা [illegible]দনা মথাই মরেক্‌ লৌরগা থাউ মহুংদা হাপচিল্লে।

মুখংদা লৈবকপদবি মথাই মরেক্‌না চাউরবা লাঞ্জাউ অমা খোক-হল্লবলে।

মিনিগী মমানা মখুত্তা ইঁমং থংবা অকোইবি শোং অমখক পাররক্তুনা মতিং থোক্লা মিনিনা হংলম্মী: "নংনা মথাইগি অমাই-দগী লৌকরিবনো ?"

মিনিনা খুমলকই: "কাবুলিৱালানা পীরম্মনি।"

মিনি মমানা হংলকই— "নংনা কাবুলিদগী মথাই মতোঙ্ক লৌবা চংলুরিবনু কৌরিগীনো ?"

মিনিনা হরাও হরাওনা খুমক্করকই: "ঐনা পীদু হায়রবা নত্তে, মহাক মশানা পীজরম্মনি।"

ঐহাক চংশিন্দুনা মিনিবু অমাবা অহুমগী কমবিন্দুনা মশান্দা পুথোকপীরে।

ঐহাক থম্মে, মসিনা মিনিগা কাবুলিগা উনবগী অনিশুবা নত্তে, মসিগী মমক্তা মহাক তোইনা তোইনা লাক্লুনা পেস্তা কায়ামগী খুস পীদুনা মিনিগী কিগল্লবা থম্মোয়দুগী শরুক অমাম্বা পুহুম চনখ্রে।

মরুপ অনি অসিগী মরক্তা ওয়েঙ্ক ওয়েঙ্কোকপা অওকপা কাপিজুগাই কয়া তৌনৈ। রমহংপু লেক উবমক্তদা ঐগী ইচানুপীশিনা নোক্লা নোক্লা হংই: "কাবুলিৱালা, ও। কাবুলিৱালা !। নংগী খাউ মথুংদা করি য়াওবি ?"

রহমংত্তু নোক্লা নোক্লা চন্দ্রবিন্দু অমা হেজিগা খুম্মী: "শাঁমু।"

হায়বদি মাগী খাউ মথুং অহুদা শামু অমা য়াউরি হায়বনি, মসিনি মথোয় অনিগী নুঙাইজবা য়ারীনি। অতুক হায়গা য়াম্না শংকুং নুংঙাইহনবা য়ারীনিদি হায়রকপা য়াদে, অদুবু মসিগুম্বা অমাইঅথুম অসিদা মথোয় অনিদি করাদা নুংঙাইজবা— অমদি শংবং খতুগী অয়ুকতা অহল ওইরবা ছুপা অমগা পিকপিবী "ছুনাঁমচা" অমগা মথোয় অনিগী মরক্তা য়াম্না মপাই থানা 'মোকথিন্নবদু উবদা ঐখোয়সু করাদা নুঙাইজবা।

মহোৎসৱ অহিনবা শানবা মায়গী অমম্ম লৈরি। ময়মংবা মিনিদা হায়, "মুশীবকা, নং মুপা মঙ্গুমদা শুকচং চংকহুক্কো।"

বাঙ্গালী মুপীবচাশিংদি "মুপা মঙ্গুম" হায়বা হায়েংশিগী অর্থ পোকপদগী হৌনা খঙই, অদুবু ঐখোয়দি মতমগী ইবাং চুববা মী ওইবনা হায়েং অসি মুপীবচাশিংদা খোইনা খঙহন্দে। মরম অসিনা মিনিদি ময়মংবা হায়রিবা বা অসিগী মতুংগী অর্থহু লেংবা খঙবা ঙমখিদে। অদুগা হংলিবা বা অদুগী কবিগুম্বা পাওখুম অমত্তা পীদবা তুমিন্না লৈখোকপসিদু মত্তোম্বদি মায়া টৈনজদবনি, অদুনা মহাক্কা বা অসি মখক মখা ওংকোকতুনা হংলকই, "নংমু মুপা মঙ্গুমদা চংকত্রা ?"

ময়মংবা ভাবনা শাবা খশুর অমদা খুদুম শিংলদুনা হায়-রকই, "ঐদি খশুরবু হাংকনি।"

মদি ভাবনা খশুর কোবা শকথঙদবা মরাইবক থীরবা কনা-গুম্বা অমগী খুদোংথিবহু ভাবনা শারদুনা মিনিনা মথাই তানা লোকচৈ।

হৌজিকতি শরৎ ঋতুগী মতমনি। খাইনবৈডদদি অসিগুম্বা মতম অসিদা নিংথৌশিংনা দিগ্বিজয়গীদমক্তা যাত্রা তৌদুনা চৎপা মতমনি। ঐদি কলিকাতা থাদোকতুনা মপান্দা অমুক্কম্থু থোক-লুদ্রি, অদুবু পুক্নিং অসিদি পৃথিবী থুংনা কোয়না চৎলি। ঐদি যুমগী কাচিন অমদা মতম চুপ্পা লেংদনা লৈবা মীনি অদুবু ঐগী পুক্নিং অসিদি পৃথিবী অসি ঊনিংবনা থাংজমদে। অতোপ্পা দেশ অমগী মমিং হেক তাবদা ঐগী পুক্নিংসি মরাং মরাংই, অদুগুম্বা দেশ অদুগী মী-পোংগা উকবগা মক্কম অদুগী চৌং-তুরেল-ঊমং কয়াগী মরক্তা লৈরমগদবা অপিকপা থাংপোকপশু কয়াগী দৃশ্যহু পুক্নিংনা লাকশিদুনা লেংই, নিংতম্না পাজবা কনাগুম্বী নিংতমলবা পুক্নিগী মায়া অমতংমু পুক্নিংদা থম্লুই।

ঐদি মহৌশানা যুমদদা লৈগনম্বা মীখানি, অদুনা যুম থাংদ কত্রা চৎখোকপা হায়রসি কোকখক্তা বজ্রবা তাবগা মায়না খরি।

মথম অসিনা ঐগী পিক্লবা কাদা থাগিবা টেবলদা ফমজুনা কাবুলি অসিগা য়াগি-য়াত্তাই শান্নিরবসিনা ঐহাক্তী নম-তু কোইবগী শরুক অয়াম্বা ওই। য়াংল য়াংলবা চৌদোলগী লোকচপ্তুগী থোরকপা পিক্ল-পিক্লবা খোং-লম্বীগী মথক্তা উট শজু শজুনা ললোনপোৎ পুরক্লুনা চৎলি; কোয়েং য়েংপা ললোনবশিং অক্লুমা কনানা উটকী মথক্তা ত্তোংক্লুনা, কনা অমনা থোক্তুনা, কনানা মখুক্তা ত্তা, নোংমৈ পারক্লুনা তম্পাক্তী লমদম তাম্না চৎলকপক্তু ঐহাক উবা ঙম্লী। কাবুলি অসিনা নোংমা ঙংবগী থোক্লেন্দা অয়ানবা য়াংলাদা মরৈ-বাক্তী য়ায়ী লি অতুপা দুক্তুশিং অসিনা ঐগী মিত্তা শংশং শংশং উহল্লমলগা য়াউখি।

মিনিগী মমাদি ওস্তাক্তা চিংনগনবী মীতানি। লহৌদা করি-গুম্বা মথোল অমত্তং তাবদা মহাক্তি পৃথিবী অসিদা লৈরিবা য়ুত্তাওবশিং অসি ঐথোয়গী য়ুমলোমদা অপায়না লাক্লে থল্লি। পৃথীবী অসি হুয়ানবা, ডাকু, য়ুত্তাওবা, লিন, কৈ, মেলেরিয়া, লমওক, সাহেব-নচিংবনা পিক থন্না লৈ হায়না মহাক্তি থল্লি। পৃথীনী অসিদা অস্থক কুইনা লৈরবদম্ভু মহাক অকিবসি ইথা থাদোকপা ঙমথিদে।

মহমৎ কাবুলিবু মহাক ইচিং চিংনদবা নত্তে। কাবুলি অসিবু চেকশিন্না য়েংশিন্নবা মহাক্লা ঐত্তোন্দা হন্না হন্না কয়ারক হায়জখি। ঐনা মাগী চিংনবক্তু অয়েম্বনি হায়না নোক্তুনা লৈথোক্লে থনবদা মহাক্লা মায়া থবাই য়াওনা ঐক্তেন্দা হংলকই, “করিগুম্বা মত্তম-দম্ভু অত্তাংগা হুয়ানথিবসিবু থোক্তুয়া? কাবুল হায়বা লৈবাক অক্লদা মীনাই ফঙ্গা নাইববরা? মপা মত্ত তিং তিং নাউবা কাবুলি অমনা অত্তাং পিপক অমথক হুয়ান্দুনা পুথিবসিবু শুকওইমক ওইথোকপ: য়াক্লবা য়াকমলা।”

ঐনা হায়খি— য়াকম অসি ওইথোক্লবা মত্রবন্থু থাজবা থবা য়াবা য়ানি। থাজবগী শক্লিদি মী পুম্নমক্কী কপ মাক্লদে, অহুনা

ঐখী খুদীগী থরোঙ্গকশু অকিবসি অদুম নৈদি। অদুবু অনি হায়রিজরগা কবিগুবা মখাদ থবক্তশু নৈতবা থমগনু। ঐখোয়গী মুক্তা চেনবশু হেক্তা হায়বগিদি ওকম্লে।'

চহি খুদিংগী রাকচিং থাগী থাম্বাইদা অমুক্তি মহৎ মতৈ-থাক্তা হেক হেক চংদি। মতম অসিবাইদা 'মহাক থোংবিবা পেশ (কোইবৌ) খোজিনবুগা খোয়ডিনবা পাক্লবদা থবক থায়া চিন্নি। মুব মুব খুদিংদা চত্তুনা থোকই, অদুম ওইনমক মিরিবু অমুক্তংদি মউনবনমী। অডবা কবাগুবনা মথোয় অনিগী মরক্তা কবিগুবা পোত্থনবা অমা নৈরমাম্লে লিংগনি। অমুক্তা কবিগুবা উনবা পাক-তবা থোক্লবদি খুমিদাং হেক্তা মরাকই। অথমদা কাগী কাচিন্দা হোপ হোপ লাউবা পাইজবা ফুরিং লিংপা, মাকন্দা থাউ থানবা চাউথেরোক চাউবা খুপা অসি উরবদি মবক মরক্তা থংগ্রেক থং-থম্ব যাওই।

অদুবু মিনিনা "'কাবুলিবালা, ও কাবুলিবালা' হায়রনা কৌর-হুনা নোক্লা নোক্লা চেক্তোরকপা অমদি চহি লেপ্পা মায়রবা মরুপ অনি অসিগী মরক্তা হায়গী হৈনবী কাগী:ফুগাইরু জোনবুনা নোক থেম্নো হয়াও-তারাবরু উরবদা থমোয় অসি পুংথেন পেথি।

অমুক অমা ঐগী কা মচা অহুদা কমহুনা ঐহাক প্রুকশিট পাহনা লৈরম্মী। ওসি নিনি ছমনিসি বিদায় লৌহুনা পুবা চং-খিত্রিতৈওসিদা ইংবসিম্ম থংহেন হেনজিল্লকলে, মাইকৈ পুৎদা তরং তরং চিংশিন্না ইংথেরে। খোঙনাও হাংদোক্কুনা কম্বদা খোঙনাওগী অহোবদা চংলকপা থুংশা মডাগ অহুন চৈবল মথাদা নৈদিবা ঐগী খোঙথক্তা নৈমকপদু লুম্বু লুম্বু শাবা কাউমহুনা ওথোক্লা থুংতাইখ্রে; মতমদু অমুক্তী পুং ৮ লোয় তারমলগনি। অমুক অডনবদা হবা চাবা চংলুবা মৌশিংসু অয়াম্বনা মকোক্তা কি অমমম মেংলহনা

ময়ুম মঙ্গুদা হল্লক্লে। অদিগুম্বা তাঙ্গা অদিদা লম্বাইদা মা মা লাউবা মখোল অমা তারকই।

মেংখোকলুবদা মমহৎতু খানা সিফাই অনিথক্কা পুমজুনা চপ-চুপা পুমথী— মচুংদবা অচাং শম্, অমা ইমনি। মমহৎকী মথি মরোলদ্ ঈ তৈত্রি, খানা সিফাই অমনা ঈ তৈবা চুড়ি অমা মপুংদা পায়দুনা পুরি। খোংজিন কাখোকহুনা সিফাই অমুবু খাদুনা হংলম্মি : "কমি তৌরগে ?"

মতোমদগী খরা মহমৎতগী খরা তাখি — ঐখোয়গী মুক্তমোরবা অমনা মহমৎতগী রামপুরী শাল অমা শোৎখিবগী পৈবা থোকপা মপা অহুবা শোক্তে হায়রকপদগী বা খরা ভাংবরকপগী মহমৎনা শাউদুনা মপা অহুবু চুড়িনা খিনখি।

মহমৎনা মিনম্বা ভাংবা মপা অহুবু কবি কবিনো ভাংদুনা চৈরকই, মতম অসিমক্তদা "কাবুলিরাপা, ও কাবুলিরালা" হায়না কৌব কৌরদুনা মিনিমু ইমুংগী মপান্দা চেন্থোরকই।

মহমৎকী মায়খোংদ্ মিকুপ্তা হুংভাইবগী মথি তারকই। ওসিদি মাপী খেপালা থাউ মাক্লে, অদুনা থাউগী মমমদা মথোকপী হৈনজবো মাখিংদ্ অমুক ভাংবক্লে। মিনিনা খুদক্তা হংলকই, "অং মপা মযুমদা চংলিবা"?

মমহৎনা নোক নোক্না খুমলকই, "মাদদা চংলিবনিনে।"

শাউখুম অসিনা মিনিবু নোকহনবা ঙমদ্রে, মতম অদদা পুমিবা মথুং অনিদ্ উৎলদুনা হায়রকই, "খন্তমবু থৈরমগদবনি অদুবু খুৎশিনি পুনশিনবনিনা করিদি তৌনি।"

মীহাৎপগী মমাল পীদুনা মহমৎপু চহি খরা জেল পীখি।

মহাকী থাগি কৈকেবো অমা তৌদুনা অমুম কাউখোকখ্রে। ঐখোয়না মুমদা নোংবগী তোপদবা ইথোদ্ তৌরদুনা শোংবা নোংমা

থৌরিবগী লোইরবা মতম অমদা চৈংবা নিংথৌবা চৈথেংবা কনাগুম্বা থুপ। অমনা মতৌ করম্না খল্লিশংগী মচুংবা য়ুম্বি থম্না লেম্লিবগে হাবা য়াথংদুনি ঐখোয়গী পুক্নিংদা অমুকন্না থম্লে।

অসিগী মতম্তা, পুক্নিং ভাং তশোইনি। ঐগী মিতিগী লমচৎ খ্যবহার অসিদি মাবু পোকচবা মপা ঐ কাওবা হায়বোকপা ইকাইবে। মহাক্কি মাগী হাউগী কুইনা ভিরমরুবা মতম অসিবু কাউথোক-পিদ্না অনৌ অনৌবা মতম কয়াপা থিরবা হোৎলে। মরৈমদি চহি অমুম অমুম য়ামখৎলকপগা লোইন লোইননা মতম মপাং অনৌবা কয়াগী মশিং হেন্দৎলকখি। মহাকপু পোকচবা মপা ঐগী লাইরিক ইকম কাদা কাওবা চৎলকপা উবিদে। ঐদি মাগ' খোইনা রা-লাংগু হাংবদবা মী নত্তে।

চহি কয়া অমম্না থোক্লে। শরৎ ঋতু অমম্না অমুক হৌরক্লে। ঐখোয়গী মিতিগী লুহোং থোংবোংবগী মরমদা ব লোইনরে। পূজা ছুটিগী মপ্রায় চৎকপবা মহাক লুহোংবগনি। কৈলাস চৌংদোন ওংবগী দুর্গানা খোঙশানখিবগা লোইন লোইননা ঐখোয়গী ইমুংগী মুঙাইবগী মৈরি ওইরিবা মিনিতু অপোকপা মপাগী মযুম অ'স ইমম মমংনমমনুনা মপুরোইবগী মযুম পাংথমগনি।

অয়ুক অসি ওথোক্লা নিংথিদ্রে। মোংজুবাগী তুংদা শরৎ ঋতুগী নুংশা মঙালনা অতিয়া ময়েক অসি চাংখোকলহন্না সবা মচুনা লৈতেংহল্লে। কলিকতাগী মমলবা শলিগী নাকল্দা লৈরিবা য়ুমশিং অহুগী য়ুমথক কাওবদা অসিগুম্ব ফজরবা নুংশা মঙালশিনা ভরং ভরংনা ঙালহল্লকলে। ঐখোয়গী য়ুমদা ওসি লোংডামনবাই-দগী শাহনাই খোংলকলি। যন্ত্র অসিগী সুর খুদিংমক্তা ঐগী থব্মোইগী মিকপথোপ অহুম য়াওবা চিংথোরকপগুম্ব নিংথি। ভৈরবী য়াগি-নিগী খোংবা-নাওইবা হুম্ব অহুগী ঈথক্তা ঐগী পুর্ণাসিগী মাংদা ঊরিবা কাঞ্চনবগী অপ্রাবয় শরৎ ঋতুগী নুংশা মঙাল অহুম্বা লোইন

লোইরমা অমুকমু অমং হেনগংহল্লকই। অসি ঐগী ‘মিদি’ খুদোং-চাবনি।

অমুত্তগী তৌবা ঐখোং লাংই, মীপোং মকখোক মাকপিরবা অহোম ফমা। অমাংবা উপোং খুনথেম। মাকুম থমথংপা শাকখি; খুনগী কা কা খুনঙ্গিবকা অমধি মাকোলদা মহোং-মহোংবা থাডই থাবনিঙ্গবগী মহোলদু তাখি, মাংথাগী অমুক্ত ওইথে তৌথিজে।

ঐহু লাইরিক ইকথ কাবা কমদুনা হিসাব য়েংনিংদবা মহমং চংলকতুনা শদাম তৌরদুনা লেপ্পুনা তৈরম্বী।

ঐহাক অহানবদি মামু মখক থংলুজে। থাউ থাজে, শাং-লবা মশমঙ্গু থাওজে, মশা অহুম মহৌশাওনা শক্তি থাডনা উজে। মহাক্না নোকললকপদুদা মখক থডনজে মহাকপু।

হায়রকই: “এ মহমং, কৈদৌঙৈ থোমকই?”

মহাক্না খুমলকই: “ওয়াং চুমিদাংবাই অেনদগী থোমকপনি।”

মাগী পাওখুমদুনা মাকোলদা শিংজানা থৈবওমজে। কনাগুম্বা মীহাংপা অমজ্জা পুরসিনিদা লোইননা মাবী শাবকখি, মহাকপু উবনিদা পুকনিংদি চিংনবা খুংগাইতবনা শিক থমজে। ওসিগী অকবা চুমিং অসিদা মহাক মকম অনিদগী চথরবদি অকবা ওই-গনি থমলুই পুক্লিনা।

ঐনা মাডোম্না হায়— “ওসি ঐখোয়গী ইমুংদা থবক অকনবা অথা থোকনি, অদুনা ঐগু থবক থবা চিনলে, মং ওসিদি চংলো।”

ঐগী মাসি অথম্বা মকম অদুগী হৌপংদুনা চংননবা থৌদাং তৌরকলে, মবৈথংগা থোঙ মনাক্তা চিনলপ তৌনা লেপলদুনা হায়রকই— “দুগীমচাদুবু অমুকা লেপ্পনা থাবক্লোইদ্রা?”

মহাককী হাথলদা মিদিঙু মহৌশাওনা-অমুম্ন তৈরম্বনি দিংই। মহাক্না মহৌশাওব মিদিঙু “কাবুদিরাদা ও কাবুদিরাদা” হায়বা

মহাকপু কৌর কৌরহুনা লেহোয়রকতুনা মথোৎ অনিগী অরোয়বা লৈরবা মুক্তাই মিরোক অহল অমুকপু ওবথে লৈতবা মুপমিরপনি থমুখাক্লে। কবি অমুক হায়রকনি, মনাংগী তিরখিবা অহু নিং-শিংনুহুনা মরেবাকী কনাগুম্বা মরুপ-মপাংগলী পুন্নরুহুনা অমুম অরোম অমমা চেখাউনা হাপপা কিসমিস বাদাম থরগাহু পুরক্লি—মাগী হায়রগী শেখাদা যানবা থাউছুদি অমুক থাওরে।

ঐনা হায়খি, "ওসিদি ইমুংদা থদক অমা থোক্লে, কনামতনা উবা য়ায়রোই।"

মহাক মমাই ইমক মকশিনখ্রে। ঐতোন্দা অমুকং য়াম্না পাম-জবা মিংরেদা লেপ্লুনা য়েংলমলগা "বাবু সলাম" হায়রহুনা মপান্দা থোকখ্রে।

ঐগী থম্মোয়দা করিনো হুত্রাইতবা অমা পোকখি। পুক্নিংদা থল্লুই যাবু অমুক হন্না কৌশিনবিরগে, অহুবু হায়রিঙৈ তাঙ্গাসিদা মহাক মশামক অমুক হল্লক্রে।

ইনাক্তা চংলক্লুনা হায়রকই: "আঙ্গুর, কিসমিস, বদামসি মুপীমচা অংগীদমক্তা লৈজরকপনি মাঙোন্দা থরা পীবিয়ু।"

ঐনা পোংশিং অহু লৌরগা মমল পীগে হায়না তৌবা মতমদা মহাক্না ঐগী খুৎ অসি তপ্না তহানা পাইশিল্লহুনা হায়রকই, "বাবু নংগী থৌজালমক্তনি— ঐবু মতম চুপপদা কাউবিগনু। বাবু, নংগী মচানুপী অসিগী অমা ঐগীসু চৈরেনাকতা ইচানুপী পিনক অমথক লৈরোই। মাগী মশক অহু হেক হেক নিংশিংলুবদা ঐনা নংগী মচানুপী অসিগীদমক্তা করি করিনো ওমজবা থমদং হেক হেক পুজরকপনি— ঐদি মকম অসিদদি লজেনবা লাকপা নত্তে।"

মসি হায়রহুনা মহাক হোপ হোপ লাওবা থুবিংতুগী মহুংদা মখুং থিংজিনখিহুনা মথবাক ময়াদগী চমোৎ চমোৎলবা চেজেং অমা পুথোরকই। য়ায়া চেকশিন্না থুপনিবা অহু মখুং অনিবা হাং-দোকলহুনা ঐগী টেবলদ মথক্তা থম্মে।

ঙ ময়ক অহূনা পিরুবা থুং অদুগী মথি তাদি। কোটোম্ নত্তে, অরেকপা নত্তে, থৈজান থরা তুপাইরবা মাত্লা মমলকপা থুংকী মথিনি। মচাম্বীগী অদিগুম্বা নিংথিং-থুমক অদি নরোবা কোলুনা পুরবা মহমংনা চহি চহি খুদিংগী কনিকতাগী লবী-লম্বীবা পোক্‌ মোনবা কোইচং চংলিবনি। পিরুবী থুপীমচা অদিগী থুংকী মথি অসিনা মাগী গুবথৈ নৈত্রবা কামনথগী ইলোমলত্তা থুতাইবা অশাগী মচাল অমত্তং পীরিবনি।

মিত্তগী পি তাথি। মতম অদ্‌দা মহাক্না কাবুলি উটৈ-বাটৈ মোনবা মীনি অদ্‌গা ঐখা শাগৈ-ঙাং অকবদা পোকপা বাঙ্গালীনি হায়বসি কাউথোকলুরে; মতুম অদ্‌দনি ঐখু মাগু অম-হানি থমকই, মাগু মপা অথনি ঐখু মপা অমনি। মহাকী চাং-লকতা নৈহোঙবী পিকলিবী মচাম্পী পার্বতীগী থুংগাগী মথিদ্‌ উকম্না ঐখু ঐগী মিনিবু নিংশিংলকই। মিনিবু ইমুংদগী পুথোরকউ হায়রে। ইথুদো কয়া অমনা যাবত্রে, অতুবু ঐগাক ঙেংথোংগা পুন্নহ কখিত্ত নাচুংলুরে। তাংথৈনবা শাড়ি শেংলহুনা, শাইবকা চন্দন থিন্নহুনা কন্যাগী কিথোল শেংলবী মিনি ইকাই হকঃইনা থোরকত্তুনা ঐগী মাক্তা লেপলরে।

মহাকপু উবদা কাবুলিৱালাহু অহানবদা থমদং চিংনখি। মথোয় অনিগী মহোশাগী মিকো লাককোয়্ অমুক তোনবা ঙমত্রে। মথৈথংদা নোক্লদ্‌না হায়রকই: "থুপীমচা, নংবু থুপা মমুমদা চংলদোরিত্রা?"

মিনি হৌজিকত্তি থুপা মমুমগী অর্থ থত্তরেল, ঙসিদি মহাক মহোশাঙম্না পাউখুম পীবা ঙমখিত্রে। মহেমংকী মাহং অসিদা মহাক ইকাইরহুনা মমাম লুকথমহুনা তুমিন লৈত্রে। কাবুলিৱালা অসিগা মিনিগা অহানবা উনখিবা মুমিং অমু ঐহাক নিংশিংলুবদা থম্মোয় অসি ওথোক্লা থুতাইরে।

মিনি চংঙ্গবা মতুংদা মহমৎতু ময় শাৎনা হোল্লহনা লৈমায়থক্তা কয়থরক্রে। মহাক্কী মচাসুপী অহুম চহি থরসিগী মতুংদা কনা চাউরক্লগনি হায়বা অসি মহাক থংনিং নিংশিংলকখি, মহাকসু মচাসুপী অহুগা অমুক নোংহৌননা শক থঙনরবা তারি— অহুম মাহুম হায়গী মতৌগুম ওইদবসু য়াই। চহি নিপাল অসিগী মতুংদা মহাক কবি ওইরমগদগে হায়বহুম্ন কনানা থঙগনি। অমুক্তা শরৎ ঋতুগী মেঙলবা ঙুংশা মঙালগা লোইননা শহনাই থোক্লংলক্রে; মহমৎনা কলিকাতাগী গলি অমদা কয়া কয়া থাম্নবা আফগানিস্থানগী উ-গী হৌক্রবা মরু কোক্লবা চাংগী দৃশ্য কয়া মমিত্তা মথং মথং উরকই।

ঐনা মেটি অমা মাঙোন্দা পী। হায়কই, "মহমৎ নং নমুমদা মচাসুপীগী মনাক্তা হল্লো; নথোয় অনিগী উনবগী মঙাইবা অহুনা ঐগী মিনিগী মঙ্গল ওইসনু।"

শেল অসি পীথোকখিবসিদা কুষ্মে-কিয়োংগী শরুক অমনিংদি হিসাবতগী ককথবা তাগে। পূক্কিংদা ইলেকট্রিক থাউমৈ অহুক থানগে থনখিবা অহুক্তি থানবা ঙমখিদ্রে, সিকাইগী বাজাই থোংবহুম য়াউহনবা ঙমখিদ্রে, ইমুং মতুংদা মুপীশিংনা য়াম্না পেন্দবা কোঙদোকনা শাউনরে। অহুম মঙ্গলগী মৈরিনা ঐগী মিনিগী লুহোংবসিদি পুমঙাল চালহনখি।

য়ুমলোন্নবী শঁকহেনবী ।

ঐগী য়ুমলোন্নবী অহুদি নৌনা লুপ্তা ওইহৌরবীনি। শরৎ ঋতুদা মঙ্গং মতম চাদনা লৈমাইথক্তা কেল্লবা লিল্লানা চোংলবী সেফালিকাগুম্বীনি মহাক্তি, লৈতনা লৈতেংলবা লুংোংবগী কথুংবা লৈবদি মতিক চাত্রবীন, মহাক্তি লাইথিনগী পূজাদতা চংশনবা লৈগদবনি।

মহাকপু পুক্লিংদদি ঐ পূজা তৌই। মহাক্কী মরমদা ঐগী পুক্লিংদা পোকথিবা য়াথল অসি পূজা তৌনিংবগী ভাব নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লোন্দা থোইনা অমুক কোংদোকনিংবগী য়াথল ক্তোদে—মী অতৈগী য়াদি থমবু থমজক্তুনা ইশা ইতোমতা কাওব-হুম্লনি।

ঐগী লুনা তিল্লক্ত্রবা মরূপ নবীনমাধব কাওবা করিমক্তা থওদে। অন্নমতোনা পুক্লিংগী অকনবা অপাম্বা অসি থম্মোইগী চেংশব কাক্তিন্দা লোহুনা থমজবা ওথসিদা ঐতোন্দা হায়ফেং চাউ-থোকচবা অমত্তু পুক্লিংদা পোকচে।

অদুবু অপাম্বা হায়বা অসিদি অওম্বা চীংদগী চেম্বরকপা ইচেলগুম্বনি হৌরককমদা ফাজিন্দুনা থম্ব। ইয়া য়াদবা। করিনো উপায় অমা তৌদুনা অনেম্ব লমদমদা চেম্বরকনবা তৌরকই। অদুননি ঐনা ঐগী থম্মোয়গী অপাম্বসি শৈরেং কয়া কমা ইদুনা ফোংদোকে হোৎনবিবা, অদুবু ঐগী নিতাই চাওরবা কলম অসিনদি ঐনা লুনা খুক্রমক্তবিবী পোৎ অসিবুদি ওথি ওথি হেক হায়দু হায়বদি য়াদে।

ইথা থাজকদনা মতম অসিমক্তগী ঐগী মরুপ নবীন অসিমু শৈরেং চৎনবী অপাম্বা অমনা ইঙ্গাও হেক চাওখৎলম্মী। মতোম্দি মসি যুহাম্নাবগুমনা খংহোদনা ওইরকপনি। মরাইবক থীরবা য়ুমা অসিদা লাইনা অসিগী হন্দক্তসিনা অহানবা থুংখেংনি; মহাক্তি য়ুম অমত্তুং তাপগীদমক্তদু করিমতা শেমশাজহোৎবা মী নত্তে। অত্তুম ওইনমক পাম্থ্রবা কনাগুম্বনা অনিগুবী ওপীগী লিচিংদা চাওখৎলম মহাকত্তু অপাম্বা আসদি থিংবা মতমদিত্তে।

মরম অসিনা নবীন্না ঐগী ইত্তেং নিরম্মী। মহাক্তী শৈরেংশী বিষয়দি পুমনো নৌবত্তু নত্তে, য়াম্মক লিখ্রবত্তু নত্তে। হায়রবদি মতম পুম্বা লৌখ্নতা মরৈরবা হায়রবত্তু য়াই নত্রগনা মতম পুম্বা লিঙ্খ্নতা মরৈরবা মহাম্বত্তু য়াই। খুংগি ফুভোলগী কবিতাশিং খুংগিবী কনাগুম্বা অমদা পম্মুনা ইথা। ঐখা মনকন্দা কাপি ওইনা থুপাক্লা পোপ পোপ থাকত্তুনা মচোম্বা হংলম্মী, "মহাক অত্তবু কমানোনে হা?"

নোক্লা নোক্লা নবীন্না খুমলক্ত, "মহাক অত্তুদি ঐগী তৌজিক কাওবা থেংনজি!"

নবীন্না ইবকপদা মত্তেং খবদং পীজবা ওপ্নসিদা ঐহাক য়াম্না, ফুৎহৈজে। মশাগী মরুম নত্রবত্তু শেংগুবী মরুম কোল্লিবা য়েনবীন মথরাই য়াওনা য়েকম কোনবগুম ঐগী ঐগী ফুংশিন্দুনা থমলুরব পুক্নিংগী অপাম্বা পুম্নমকত্তু নবীনগী শৈরেং উকবদা থুবাম চাউনা চাউনা পীখোকলে। মহাককী কয়া কত্তবা শৈরেংশিং অত্তু ঐনা থম্লাই য়াওনা শেমদোক শেমজিন তৌমনখ্রুনা শৈরেং থুডিংমক্তী অয়াম্বা শরুক্তি ঐ ইশাগী ওইনা তৌরে।

অত্তুদগীদি নবীন্না ওক্রক্তুনা হায়, "ঐনা কোক্তদোকপদগি ফমদবা কোক্তম্নোকতক হেক খংলিংদা মহুমকনি। কবি খুমুগী মহৈনা অসিং-ওবা থেংং-নৌবরবা য়াথলশিং অসি নংগী খঙ্খোয়দা পোকহল্লিবনো

কবিগুম্না ঐনা খুমখি, "ঐগী কল্পনাদগী থোকপদি মরমদি অচুম্বা হায়বসিদি লোন থোক্কে কল্পনাগুলি মথোল থোকলিবসি হায়বসি নংন্থু খঙলিবহুনি। অশেংবা অচুম্বা হায়বসিদি ব্রাখলগী ঈচেলবু চীংহুমগুম্না থংতুনা থম্বনি কল্পনানা মথাগী লম্বী হাংতুনা চংচবনি।"

নবীম্না চিংলেম্না ব্রাখল হায়কেং থলগা হায়রকই। "হো—ই, ঐসু ভাব তারে। মাম্নি অচুমবনি।" অহুবশীদি চাইহাক অমুক থম্বরগা মুকম মুকম শোম্নকই:—"হোই, হোই, নংনা হায়রিবহু অচুমবনি।"

ঐ ইশাগী হুংশিবগী মতাংদদি ব্রাহৈ ওইনা কোঙদোকপা চমত্রবা অহুগুমবা লুনা চাম্না নিংজহুনন্তা লৈবগী লৌরবা ব্রাখল অমা লৈজৈ হায়থিবহুনি। অহুবু নবীম্না কিজং ওইন থম্নহুনা ঐগী কলমগী ঈচেলদা খিংখিনিঙাই করিমত্তা লৈত্রে। মীতোপকীদমক্তা ইখিবা ঐগী শৈরেংশিং অসিদা অশেংবা রসনা থম্নবা থম্মোংগী অশেংবা মশক অমা উংলকলে।

নবীম্না ভাব তারকপা মতমদা হায়রকই, "শৈরেংশিং অসিদি নংগীনি! নংগী নমিংদা ঐ কোঙদোককে।"

"অঙাওবা ব্রানিদা" ঐনা খুমখি, "নংনা ইবনিলে, মকম অমা অনিদা ঐনা অহুক অমা অনিদং হাপচিনবদনি।"

অদুম্না নবীম্না তপ্না তপ্না থাজবা পোকখি।

জ্যোতির্ষী কনাগুম্বনা থবানমিচাক্না থম্নবা নোংদোনথক্ক মুম্না য়েংহুনা লৈবগুম্ব ঐন্ন মরক মরক্তা মিং অসি ঐগী থংমব যুম অহুগী থোংনাওদা য়েংহুনা লৈখি হায়বসি ঐ ম্রাদবা তৌজ-মোই। মনাইগী অসিগুম্বা মিংবা কাইরবা মিংয়েং অহু মরক মরক্তা মপুংশ্ন কাহনবি। অদুগুম্বী কর্ম্মযোগীনি ব্রহ্মচারিনী অদুগী মাম্নথোং

অদ্দগী খোয়কপা ইংলবা শেংলবা মঙালগী মমি অদু থিজিনং উজহৌবতনস্থ থুনক্কা ঐগী থম্মোয়দা হৌরমবা ইমাং অমম্ভুং মতিক চাত্রবা রাখলশিং অদু ইনেম নেমথহনবিঙ্দুনা ইশেং শেংদোকপি।

অদুবু নোংমদি ঐ ইপা পাখংলুবে ঐগী মিংশিনা উরিবশিবু ঐবু থাজসিনা? শারবা কালেনগী থুংখিল পোবোবনি। অকি শক্তম পুরবা মচিং নাইবা অরাং নোংচুপকী থুংশিং শিংলকদোয়ে। মুক্ত মুরবা নোংগী মপৈনা অভিয়াগী অরাং-নোংচুপ থংবা মাইকৈদা ইমম মমশিল্লকলে, অক্লপা অঙকপা অকিযনা থল্লবা মঙাল অশিগী মায়োক্তা ঐগী শকহেনবী যুমথংনবীহ্‌ অহাংবা মালংদা কোইয়েং য়েংলহুনা মতোম্মতা খোঙনাও মযাদা লেপলি। লংলবা মুরবা মিং অহুগী ইথাং হাংলবা থাম্লবা মিৎয়েং অহুদা হুমিং অহুদা করাগী মতিক উপায় লৈজত্রবী অপাম্বগী অগং অমা উথি। ইংনা চিক্লবা ঐগী থম্মোয়গী থাজ অহুগী চিক্লবা মঙাল অহুগী মনুংদা ৩হিংবা মৈগী চীং .অমা ফুমহুনা লৈরি শোয়দনা লৈরি! ঈশ্বরগীদমক্তা মীওইবনা হিংবা নত্তে, মীওইবগীদমক্ত ঈশ্বর লৈরিবনি। ভমথৈ লৈত্রবা লৈচিদলক্তা শাথপ তোইনা পাইরিবা লাংতক্লরবা চেক্লাঙম অপ'মবগী ওমথৈ লৈত্রবা হুমিং অদুগী নিংবা কাররবা মাপী মিৎয়েং অদুগু অভিয়াদা কোইপাই পাইরি। স্বর্গবু বিবদি নত্তে— মীওইবগী থম্মোয়গী লমথমদা অদুক য়েংজবনি।

কোঙদোক্তুবা অপামবতনা থল্লবা মিৎয়েং অদু উরুবদা ঐ ইতোম্মতা তুমিন্না লৈখোকপা ওমজে। কজলবা শৈরেং কজহন্নবা শেমদোক-শেমজিন তৌবদুনা ঐ পেল্লক্লে। ঐগী ইশা পূর্ণমকশি মতিক চাবা করিঙমবা থবক অমদা মশক উংনিংবগী অপাম্বা অমা পোকখ্রে। মমৈথংদা ঐথোয়গী লৈবাক অসিদা

লুপ্তা নৌনা লুহোংবা য়াবগী পায়বসি হেনগৎহন্নবা ইশাসি মাহুদা কংখোক্লগে খল্লে। হিন্নর অসিদা ইবা য়াম্ভাংবদা নপ্তনা শেলথুম কাওবা খরচ তৌরগে হায়না লেপলে।

নবীন্না ঐগা মরৈ য়েংনবা হোৎনলকই। "পুন্সিচুপপা লুপ্তা ওইবসি, মহাত্মা হাব, "মনুংদা অশেংবা অমস্তুং শান্তিগী মপাল নাইক্সবা তাব অমা শিখরকপা মতমগী একাদশী তুম্মিংকী থাগী মত্তান্দা মোং হাদবা অচিকপা মফম কয়াদা উবা ফংবা অহুঙ্গুবা মথলগী ইংনা ফজবা অমস্তু লৈরি। চুন্না নৌনা লুহোংবা য়াবগী পথাপ অসিনা মসিগী লেমলবা লাইরিকেংগী মতৌগুম নিংথিবসি মাঙহনখিরোইদ্রা ?"

অসিগুম্বা কবিগী ওইবা নাটৈ চাদবা তাবশিং অসিনা ঐবু ইত্তপুত্তনা শাউনিংহল্লি। চাকতাংবা মতমদা মপুক থন্না চারব' মী অমনা চিত্তাককী মরমদা তাখিরা কয়া ভাংতুনা চরা চেনবমা শিগদোরবা মী অমদা মাগী অরাম থোন্নাংবহু লৈগী মনম নমতুনা উচেককী ঈশৈ তাহুনা থাংনৌ হায়না পাউতাক পীবীরবদবু ঐখোয়না মাবু থনগদবসিবু করিনো।

ঐনা হায়রফেং শাউনা হায়খি "য়েংউ নবীন! কলাকার অমদগি তেক-কায়রবা য়ুম অসিগু কজবা পোং ওইনা উরবা য়াই, অদুবু য়ুম হায়বসি কলাকারনা য়েংহুনা য়াথলনা ধ্যান তৌনবগী-দমক্তা শাবা নত্তে, মনুংদা মী লৈনবস্তুনি, অদুনা কলাকারগী পুক্নিংগী অপায়বা য়েংদনা য়ুমসিদস্তু মেরাবং তৌব দরকাররনি। নংগী মীচন্না তৌত্তমনবা কবিগী ম্রিংনেং অদুদগী লুপ্তা ওইবগী পুন্সিবু কিদম্রফমগুম নংস্তু থনবা পামলিবনি অদুবু লুপ্তা ওইবাগী থম্মোয়দুংদস্তু অন্নাবা অপাঙ্গবা তপথংহন্নবা মীওইবগী ওজবা থম্মোয়গী মিকপথোল অমা লৈরি হায়বসি নংস্তু নিংশিংউ।"

নবীনবু মাইকৈ অসোয়বদা পুন্সিরকপা হায়বসি অরুবা রাকয়নি থন্দুনা ঐস্ন হায়দগী হেন্না থরাই য়াওশিললুই। ঐগী হেন্নবা রা অদুগী লোইরকপদা নবীনদু ওইহাত্তং য়াথদ তৌরুবগা খরা মপি অমত্তং শাংনা হোন্নদ্রবা ঐনা হায়বা পুন্নক পুময়ম্ম য়াদে হায়বদি উরুবদা ঐ খরদি ওকত্তরে। মাবু তাখ পুরতা তাহন্নবা তাকপা য়াবোই কাওবা ডাংবা চুম্নী থক্লবা অদু কাওবা দরকার ওইখিদ্রে।

চরোল অমগী মতুংদা ইনাক্তা লাকতুনা ঐনবু তেংবাংবিরবদি মহাক মশামক্তা লুম্রাবী অমা লুহোংচুনা লখেল অসোয়বদা চংলগে হায়না শেম শারবনি হায়না নবীন্ন হায়রে।

ঐ মুত্তাইবনা মশাদ নাইথিদ্রে। হয়াওনা মাবু কোন্নচুনা হিরম অতুগীদমক্তা চংশদবা শেল লোইনবক ঐনা পুখোককনি হায়না য়াশকলে। অতুদগীদি নবীন্না ঐত্তোন্দা মাগী য়ান্নী লিথরকলে।

নবীন্না মুংশিরুবীবী অদু শাশিন্নবা য়াথলদগী থোকপা ওইরমদ্রে হায়বা ঐ খঙলে। মতম থয়া নবীনন্ন অথাপপদগী লুপ্রাবী অমথকপু মুংশিরুই, অদুবু মাম্না য়াথল অদুদি কনাগুমবা জীব অমত্তদা হায়দোকখিদে অতুদগীদি নবীনগী হায়বদি ঐগী শৈরেংশিং অদু কোওবা মেগাজিন অদু শকহেনবী অদুগী মখুত্তা তান্নরে, অতুদগীদি শৈরেংশিং অদু লেন্না মাওথিদ্রে। শক্তি হেউ উনবনা য়াথলগী লিচিং অমতনা ঐগী মরুপ অমিনা অসিগুম্বা উপায় অসি পুখোকখিবনি।

মঙং অসিদা মুংশি য়াহৌনবসি নবীন মশানা য়ানিংনা চংবখিবা নত্তে, মশানম্ন মহায়। তপেংবদি মহাক্তা হায়বদা লুপ্রাবী অদু লাইরিক লাইত্ত শাবা তম্পী হায়বসি কাওবা মরাক্তি থত-

লুপ্প য়ায়। লুখ্রাবী অদুগী যোপুরাগী মিংদা মশাগী মমিংদি হাঞ্জনা লেপাকিন অসি মহাক্না ইতক্কনা থাখি। মসিদি মহাক্কী মপুক্কিংগী অপামবদু অদুক লেমথরমবা হোৎনজবা অতাওবা থবক হায়বদুনি। মপুক্কিংদদি থমখি—ঈশ্বরগী খুয়াদা লৈ খুজোক খুজোক কংচবগুমবনি—মহাকনা থবোইরবসু থবিত্রবসু কৈ, পুংথেংবনা লৌবিরবসু কৈ, লৌবিত্রবসু কৈ।

লুখ্রাবী অদুগী যোপুরা অদুগা ভোতান ভোতানবা লৌতোক কপ্পা থেংনদুনা মহাক্না শকথওনরকপগী থোক্নদোকপা অপাম্বা অমা লৈরকবদগী মত্তে হায়বসি নবীম্না ঐভোন্দা থোইদোকনা থওহম্লই। হুংশিন্নবা মী অদুগী নকুবা কনাগুম্বা মীগদি হুংশিন্নবা মী অদুগী থস্মোয়দা থোইদোকপা অপাম্বা অমদি মরৈ।

অহনগীদি যোপুরা অদু নাবকপাদগী মথোৎ মসি নকশিন্নরকপগী শাংলবা ম্রাম্মী অমা লিথরকলে। কবি মশানা ৯কুং অহুদা লৈরবনিদা মশানা শৈরেংশিং অহুগী মরমদা কুপ্পা ভোইনা লৈনরে, থম্নবা লৈনবগী হিরম অসি ছাপা তোহুনা কোঙদোকবা শৈরেংশিং অদুগী হোকমগী মরমদতা অদুম লৈনদ্রতা লৈবসু নত্তে।

হন্নক্তা ঐগী ইকম্না মরৈ মেৎনবদা মায়থীবা কংগ্রবা মতুংদা নবীনসি লুখ্রাবী অসিবু নুহোংলপে হায়দনা চপচাবা মপুক লেংখ্রবনি। অহানবদি লুখ্রাবী অসি য়ায়রক্কে। অদুবু মহাকনা মিংকী পিরাং অমা অনিগা মচিন থোরবা মাইংশিং অদুশিজিরকবদদি, শকহেনবী অদু অথাকপা অমত্তা লৈজনা য়ায়রকলে। লুহোংবগী শেম-শানবগীদমক মাগী মমা-মপানা শেল থম পীরকই হায়রি।

"থুনমক লৌশিন্নোদনা" ঐনা হায়খি।

"অচুবু" নবীনা হায়রকই, "ঐবু পোকপা ইপাদা রাকম অসি পাইহনবা ঐগী হিংনবা শেল থবা থকং পীবীনিবা য়া-হনবসি থা থবাদি চংগদি হায়রগ নঙ্গু থাদনিবনি। মরক অদিদা ঐখোয় করদৌনা হিংগনি?" মা অমত্তা ঙাংলমা ঐনা চংগদবা শেল অচুগী চেক অমা ইরে। অচুগ হায়" হৌজিক্তি মহাক্ কনানো ঙাকলো। নং ঐবু নংগী লামবা তৌরকপবা মীনি খনলুম্ব ঐ মতোন্দ শৈরেংগা ইজরোই য়াশকলিবসিনি, করিগুমবা ইবা তারবস্ত মাগী মৌপুরাতদা থাজরোই নতোন্দ থাজরকেদা।"

"রিস্ত চিংনদেদা" নবীনা হায়রকই "নংনা লামবা তৌরকনি কিন্তুনা মাগী মাগী মমিং মতোন্দা তাকবা নত্তেদা। অচুমবদি মসিনি, মীনা তৌনবা থবক 'অসি' তৌরকপসিদা মহাক ওন্থোক্না ইকাইজে। অচুনা রাকম অসি মরুপ-মপাংশিংদা তাকথোকলুহ হংরকপনি। হৌজিক্তি মরম খুদিংমক লোইরবনিনা কমিদু থেরা লৈত্রে। মহাক্তি নংগা হেক থংবা য়ুম নম্বর ১৯ গুপিদা লৈবনি।"

ঐগী থম্মোয়সি য়োংকী খাং ওইরমলবস্ত পোকথাইরমগনি। 'নৌনা নুহোংবসিদা মহাক যাদবা তৌত্রেদনা?' ঐনা ইচম চম্না হংলম্মী।

'হৌজিকমক্তি তৌত্রি' নোক্না নোক্না নবীনা খুমলক্কই।

'চুম্না' শৈরেংশিং অদু চাক্ককপা মহাক মপুক্কনিং ওন্দুনা য়াহনখিবনা?' ঐনা হায়লম্মী।

'ঐগী 'শৈরেংশিং' অচুগু অদুক' হাবনা 'মতুখদি' নহক্কেদা নংগু থঙলিবনি, নত্রে?' নবীনা হায়রকই।

ইত্তোমতা পুকনিংদা হায়রৈ—'অরাবনিরা।

অদুবু কনানো ঐনা রাগকদবা? ইশাবরা? ইরাইবক্তা ভমদমবা অদুবরা? পুন্নবক অমতানি ঐ রাগকগে।

হিদেনতাকমগী ৱারী

হৌগ্রবা পুন্সিগী ৱারী অসি ঐগী মুংলক অসিদা করিগুম্বা হন্ডুনা লৈগ্রবদি ঐগী সিড়িগী থাক অসিদা কমদুনা ত্রোং ত্রোং চেল্লিবা ঈশিং অসিগী ঈবক হৌরবা ঈমায় অসিদা নমা থাজং-তুনা ভাউ।

নোংমথকী ৱারী অমম্ব নিংশিংলকই। মুমিং অদুগী চসিগা চপ মান্নে। লাংবন থা পানথংলকদবা নোংমা নিনি রাংথি। তুরেলসু ঈমায় চোন্নে। সিড়িগী থাক মরিথক্তমক ঈশিংগী ঈমায়-থক্তা থিজংতুনা লৈ। তোর্ব্বানগী হৈনৌ বনগী মথাদা কুংনা হৌরিবা পাংথোক হৌবা অকুংশা লমদম অদু কাওবা ঈশিংনা থুরজিলগে। তুরেলগী তোরৈ থেকচিনখিবা মফম অদুদা মরবা চেক মপৈ অহমথকপু ঈশিংগী ঈমায়দগী থিজংতুনা লৈ। তোর্ব্বানদ হৌরিবা চিংগোংনৈ মথোংদ পুন্নিবা তা কাবগী হিশিং অদুগু অমুক অওনবগী রা রা কাবিবা অার অদুদা হজংহন্দা হায়দি।

ওঙ্কৈরিবৈদা লুখ্রু। ওইরম্লনা মরাইরক্তগী মৌ ওইবগী সিন্দুরমন্থু মুৎথংশে, থুত্তগী খুজি হন্দোকখিত্লনা পক্সাগী মপান্দা লৈরবা মাগী হাকগী ময়ুম অত্থুদা অদুক হল্লকখি। অদুবু মমাংডগী মরূপ অমাম্বা চৈরৈ লৈরমদ্রে। মখোরশিং অত্তগী মরক্তগী ভুবন স্বর্ন অমদি অমলাদি লুহোংখিত্লনা চংখ্রে, শরৎচন্দ্রমক মক্তাইহৌরে, অদুবু মতাকম্থ মথংগী ডিসেম্বর থাকদি লুহোংখ্রিনি।

নোং তারকপগা লোয়ননা গঙ্গা তুরেনগী ঈশাবন্থ তগা তগা চোল্লকপগা লোয়ন লোয়নন কুম্নমন্থ নোংম নোংমগী ফজবা অমত্তুং নতাওইবগী মপুংফাবা হেক্কংলকলে। অদুবু মাগী মচু থোক্প্রবা ফিজেং ম্যখলনা মকশিল্লবা মায়থোং অমত্তুং মোং-হাদবা লমচং ব্যবহারদ্রনা মাগী নহা ওইবগী নিংখিবদ্রা ফিজং অমনা কুপ-শিনখি অমত্তুং লৈচিলনা থুমজিনবগুম পুন্নমক অসি মুপা ওইবগী মিৎয়েংদগী থজিনখি। চহি ভরা হৌখ্রে কুম্নম মপুং মরৈ কাবক্রে হায়বসি কনানন্থ খঙবিদবগুম ভৌখ্রে।

নোংমা কুইনা ভাইনরবা সেপ্তেম্বরগী অয়োয়বগী অসিগুম্বা অমুক অমদা, থাং-চাউরবা কুচু ভৌবা সন্ন্যাসী অমথক কদাইদগী লাকপনো ঐহাক থওবে ঐগী মাতুদা লৈরিবা শিবগী মন্দির অসিদ থুংলরে। মহাকনা মকম অসিদা থুংলবসিদ থুজং পুম্বা শাংপ্রে। মুপীশিংনা ঊশিং পুল হন্দোকলমম্লনা মন্দির অত্থুদা অশেংবা মুপা অসিবু অমুত্তং থুক্লমজনবশীদমক তিনগ্রে।

নোংম নোংমগী মী তিনবসি হেক্কংলকলে। সন্ন্যাসী অসিগী মিৎচং অসি মুপীশিংগী মরক্ত থুনমক শন্দোকনখ্রে। নোংমন মহাক ভাগবদ পাহ্রি, নোংমনা গীতা নত্রগনা মন্দির মত্থুং অত্থুদা ধর্মগী অশেংবা লাইরিক অতৈ অতৈ কয়া পাই। মাডোম্দা

বাক্ত বাংলবা লৈঙোইথক্ত হৌরিবা নাপীশিংনা ছেন্দোয়রকপদা ভাইরিবা ঘুমিংকা লয়ংগ্রে; নাপীশিং অমসু মপান পোয়লকপদা মঙাইদ্রি, হৌজিকসু মপুংফানা শাংকাইদ্রি।

ঘুমিংকী মঙালনা তরং তরংহল্লবা তুরেলগী ঈমায়থক্তা অপিকপা হিশিং অমুগী অপিকপা মাস্তুলশিং অহুক্ত কন্দোরকলে। ব্রাহ্মণ-গুরু অমসু শখুত্তা কমণ্ডলু পাইরদুনা স্নান তৌবা কুমথরকলে। মুপীশিং অমসু অনি অনি অহুম অহুম ঈশিং শোকপা য়োনরকলে। হিদেক্তাকম অসিদা কুসুমসু লাকপা মতম ওইরে হায়বসি ঐহাক খঙই।

অমবু 'অমুক অহুমদি ঐহাক মহাকপু উবে। ভুবনগা স্বর্গগসু হিদেক্তাকম অসিদা কপলম্মী। মথোয়না হায় মখোয়গী মরুপ অসু তুরেলদগী থাম্না লৈথ্রবা শকখঙ-মাইথঙনদ্রবা মীয়ামগী মরক্তা, পোকপদগী অমুক্তা উথিদ্রিবা যুম, অনৌবা লগী করাগী মরক্তা মপুরোইবগী ময়ুমদা পুদুনা চংপিখে।

মতমগী থোঙলৈ মকুংইরা মহাককী নিংশিংবগী মমিসি পুক্নিংদগী অসুম অসুম কাউশিন্নকলে। চহি অমা হৌখ্রে। হিদেক্তাকমদা লাকপী মুপীশিংসু হৌজিক্তি কুসুমগী ময়মদা থোইনা ভাংনখ্রে। অদুবু মোংমগী ঘুমিলাংবাহদি ঐংাক ঐগী সিড় মথক অদুদা মতম কুইনা শকখঙনরবা থোঙ অমনা লেংলবদা ইপা পাবংথে ও! মাগ্নি, অদুবু থোঙশিং অসু হৌজিক্তি থোঙজি লাউখ্রে, মমাংদৈগী সুংশিরবা সুরহু মাংখে।

কুসুম মো ওইরে। মহাককী মপুরোইবসু অমাম্মা মফমদা থবক তৌই মহাক অমুক অনিরুদ্ধক উনহৌই হায়বৈ মীনা। মহাক শিথিবগী পাউসি চিঠি অমদা ইরকই। চহি নিপালতা

পাউতাকশিংদগী হংজরকই, থবক ঘাতু-মন্ত্রীশিংসক অটেকপা। ত্রিলোক-লাংথকোশিংসক।

খা থবা থোক্লে। এপ্রিল থাদা সূর্যাস্তকা মতমদা, সন্ন্যাসী ঈরোলগুদো ইকনবশিংসক মীয়াম তিক্লবে। তিগোংবৈ পাক্তীক্কী মখাদা লেজ' অমম্ভ তৌবে। যাত্রিক কমাস্ত সন্ন্যাসীদু উনবা চংখি, মখোয় অতুগী মরক্তা কুম্ভমবু নুংঙাংনুবা থুংবা অতুগী .মুপী কাংবু অমম্ভ য়াওরম্মী।

অয়ুকনি। ঐখী সিড়ি অহদা কংখুনা সন্ন্যাসীদু মাপা অাপ তৌবিতৌদা, ইথং খংহৌদনা মুপীশিং অত্তুগী মরক্তগী অমমক্তা অতোয়া মুপী অমদা মুনিংবা থিন্দুনা হায়রকই— "মেংউনহে। মসি কুম্ভমগী মপুরোইবনিনে।" মথুংগী থুংবা অনিনা মাইথুম অতু থ অক্তং মযাই থাইদোক্লতুনা অমনা অমুক লাউরকই— "হে ভগবান। মাপু-হে! মহাক অসি ঐখোয়গী থুংবগী চেটরগী থাগৈগী হুংতোম তোনবা মচানুপানিনহে।" মাইথুমদু থরদং পেয়মদুনা অহনক্তা অমনা অমুক হায়রকই—"ও। পিতুম, নাতে ল, মমিং চপ হেক মায়ে!" সন্ন্যাসীদদি মযাই ওনশিন্দনা পুল অতুনা ঈশিং অত্তু হাইদোক্লতুনা মুপী অমনা অমুক হায়রকই—অরাবনিদকো। নহা অতু অমুক লৈজেদো; মহাক হুম্বকলরোই। মরাইবক খিদা কুম্বমসি।"

অতুবু অতোয়া অমনা মেংলকই— "মাদি মকোই অমুক থাদা হৌদবনি"; অমনা অমুক, "মাদি ময়াং অমুক কংদবান"; নত্রগনা, "মাদি অমুকতি বাংলমলোইদা।" মতাং অতুবাইদা বাকম অসি তেনশিনখ্রে, বাকম অসি অমুক মথা ওাংনক্লে।

মোংমা য়াচংবদা পুনিমাগী থাজনা থোরক্লবা মতম অতুদা, কুম্ভম লাক্লুবা ঈশিংগী ঈমায় থক্তা থিজংলিবা ঐখী অয়োমবা সিড়ি মথক্তুদা কয়তুনা মাংখ্রু ঐখী ইথকা তাক্লরে।

মতম অহুদা হিদেন অহুদা অতৈ মী অমতা লৈতে। অকোয়বদা হাম্নৌনা ঈশৈ শকলি। মন্দিরদা খিংলিবা পিথ্রাইগী কংশি, শরিককী মখোল অচুম্ব লেপখ্রে— অথাম্বা তোর্ব্বান্দা হৌরিবা শুক্লবা মোংশোংদা তিনথিবা খোঞ্জেনগুম, অয়োয়বগী কংশি, শরিককী মখোলশিং অহুম্ব অম্বম অম্বম শিথরকলে। মুমবা গঙ্গাগী লাইফ-হুংদনা তনিক তনিক্না লংলবা মঙালগী মমি পরেং পরেং তারি। তোর্ব্বান্দা, মোংশোং নাপী-শিংবী হৌবা মরক্ত', মন্দিরগী মাঙোলদা, তেক্লবা যুমগী লৈমায়থক্তা, পুখ্রি মপান্দা, কোনা পাম্বী মরক্তা, অতকপগী মশক শুক্লবা মমি কয়া তারবে। মকুশিংনা ছাংটিম মশাদা হাম্বরি। যুম মনাক্তা লমচুইগী হাক্লবা খোঞ্জেল তারম্লগা তুম্বিম্লা অচিকপদা তিনখ্রে।

তপ্পা সম্ন্যাসীচু মন্দির মনুংদগী থোরকলে। সিড়ি অহুগী থাক খম্লা কুমথয়ক্লগা মুপী অমথক মতোম্মতা কমচুনা লৈবা উরচুন', হক্লগে হায়চুনা লৈখোরকপদা, কুসুমশু মমাই থাঙৎলজ্জুনা তুং হম্লা য়েংখোরকই। মমাইদগী মাইথুম তাখ্রে। মমাই হাৎগংলকপদা থাবলগী মঙালনা মমাইদা য়েয়রে।

মখোই অনিগী কোকতোন্দা খোংল খোংলচুনা মকুচুশু পাইখোকখ্রে। মখোল অচুদা ইথং থংলচুনা কুসুমচু জ্ঞান তারক্লচুনা মাইথুম্র অহু মকোক্তা অমুক কুপশিনখ্রে। অচুদগী দি সম্ন্যাসীচুগী মখোঙদা খুরুমলরে।

আশীর্ব্বাদ তৌবিরচুনা মহাক্না হংলকথি— "নহাক কনানো ?" মহাক্না খুম্মী—"ঐদি কুসুম কোই।"

অহিং অহু মা অতৈ তাংনখ্রে। অনকপদা লৈরিবা ময়ুমদা কুসুম তপ্পা তপ্পা হল্লকলে। অচুবু অহিং অচুগী পুজো কয়া সম্ন্যাসী অচুদি ঐগী সিড়িথক্তা কমচুনা লৈথি। কাইনথংদা থানা

নোংপোক্কী নোংচুপলোমদা খোক্লবা মতমদা, সন্ন্যাসীহুগী মমিনা মতুংদা তারখদগী মমাংলোমদা তারক্লবা মতম অদুদা মহাক হৌগত্লুনা মন্দির মচুংদা চঙখি।

অসিদগীদি ঐহাক নিতিগী কুন্নমহু মাগী দর্শন তৌবা লাকপা হৌরকখি। মহাক্না ধর্ম্মগী লাইরিক খীরকপ মতমদা, কুন্নম্না কাচিন অমদা তুমিন্না তাহুনা লৈখি। মহাকী অয়ুকী থবক-ইথাং লোইরগ', মহাকপু মনাক্তা কৌশিনবিহুনা ধর্ম্মগী মরমদা ৱা কয়া ভাংহুনা তাহল্লি। মহাক্তি পুম্নমক্তু করিমত্তা থঙখিদে; অদুবু ৱা ভাংদনা তুমিন্না মথ্বাক মাওনা তাহুনা থজনবা হোৎনখি। মহাক্না তাকপীবা মতুংইন্না কুন্নমনু তুমিন্না পাঙথোকখি। মতম পুম্বদা ঈশ্বরগী ভক্তিদা লুপলহুনা, পূজাগী লৈ-শু থিরহুনা মন্দিব অদু ৱাই তৈনবা গঙ্গাগী ঈশিং শোক্লহনা গুমিং খুদ'গী মহাক মন্দির অদুগী সেবা তৌজখি।

নিংথমথাম্ন লোইশিন্নকলে। অহিংব হু'শিং শিংলকলে। অদুবু মরক মরক্তা হুমিদাংৱাই বসন্তগী নুংশু নুম্বু শারবা হু'শিং অদুম্ন ইথা থাজদনা থাংথংবা মাইকৈদগী হুমলকলে; অতিয়াম্ন তরং তরং চিংশিন্না ইংবগী শকফমহু লৈত্রে; মতম কুইনা লেপলুরবা তুংদা খুজংদা অমুক হন্না বাঁশীগী খোজেল, ঈশৈগী সুর তারকলে। হিহোনবশিংনা ঈচেলগী মতুংইন্না মখোয়গী হিশিং অদু থাদোক্লহুন', হি হোনবা লম্নগা, কৃষ্ণগী ঈশৈ শকপা হৌরকলে। ঋতুহু মসিনি।

অসিগুম্বা মতম অসিদা ঐহাক্তি কুন্নমবু উবা ফংত্রে। মতম থরদি মহাক মন্দির, হিকেন অমদি সন্ন্যাসীগী মনাক্তা লাকখিত্রে। মথংদা করি অমুক থোকখিবা হায়বহুদি ঐ খঙদ্রে, অদুবু মখোয় অনি মতম থরগী মতুংদা নোংমা হুমিদাংৱাই ঐগী সিংড়ি মথক্তা অমুক পুন্না উনরে।

শকফম হজিন্না কুম্ভুন্না হন্দকই— "ননাইনু কৌজিবরা ?"

"অং, নংবু ইবা কংগ্রিবলি করিজিজো ?" নবক মবক ঈশ্বরগী সেবাদা কয়া থৌশাদবগুম তৌরিবা কজিগীদো ?"

মহাক তুমিন্না নৈরম্মী।

"নংগী নপুক্রিংগী য়াতু অথাকপা নৈতনা ঐঙোন্দা তম্মু।"

মায়থোঙ্ভ তংথাই অমা নৈথোক্লতুনা মহাক্না খুমখি—"ইবুঙো, ননাইদি পাপ চেন্নবীনি, অহুনা সেবাদা অথোয়বা লাকপনি।"

সন্ন্যাসীনা হায়রকই—কুসুম, নংগী থম্মোয়দা পোথাকনা থঙদবা অরাবা অমা নৈরে হায়বা ঐ থঙই।"

মহাক থজিক্তং পাথংপগুম তৌরহুন, সাড়ৌগী মচিন্দু মমাইদা চিংথরহুনা সিড়ি মথক্তা সন্ন্যাসীগী মথোঙ ময়াদা কমলহুনা কপলকলে।

মহাক্না থরদং চথোক্লগা হায়রকই— "নংগী থম্মোয়দা করি করি থল্লিবা হায়বত্থ ঐঙোন্দা হায়য়ু, নঙোন্দা ঐনা শান্তিগী লম্বী তাকপিগনি।"

মবক মরক্তা করি হায়সিগে থল্ল থল্লহুনা লেপ্লহুনা মহাক্না থাদোকপা ওমলরোইদবা থাজবগী থোস্থাংদা হায়রকই— "নংনা তাকপীরবদি, ঐ হায়দোকচরগে। অদুবু, ঐহাক তশেং তশেংনা তাকচবদি ওয়রে। ইবুঙো নংদি পূন্নমক উবিরমগনি। ননাইনা কনাগুম্বা অমবু ঈশ্বরগুম্ব লাংচৈ, মহাকপু ভক্তি কংচৈ, মদুদগী কংজরকপা ইশাবু কংথোকচবগী চুঙাইবনা ঐগী থম্মোয়সি ইথন থমৈ। অহিং অমদি নৈকোনগী মকল অমদা ঐগী থম্মোইগী মমুঙোহুনা কয়হুনা ঐগী য়েংথংবা থুং অসি মাগী ওইথংবা মপুংনা পাইখিরহুনা, হুপি-মুঙোলগী য়া কয়া লোয়া লেপ্না চাংলহুনা নৈরম্মক মঙদা উজখি। দুগু পুংমক অসি ঐঙোন্দা অক্তকপা ওইনা থোকখিদে। মঙ অদুদি কাইরে, অদুবু মঙতুগী মমাইদি নৈহৌদি।

মথংগী মুমিত্তা, ঐনা অমুক উজবদা মহাক অদু মগুগী মতৌশুমা অতোপ্পা শকুম অমদা থোরকখি। মগুগী মূর্তিসিনা ঐগী থম্মোয়দা ভাইহাক লৈতনা কোইতান তারদুনা লৈখি। মতোন্দগী কিজদুনা থাগনা চেম্মোকচৈ, অদুবু মূর্তি অদুদি ঐতোন্দা অদুম নপশিন্দুনতা মরৈখ্রে। মতম অদুদগী হৌনা ঐগী থম্মোয়দা শান্তি লৈখিদ্রে— পূম্মকসি ঐগী থম্মোয়দা পুম্মম মমশিল্লকলে।"

মপি তৈথোকলহুনা মাগী অসি মহাক্লা লৌরৈদা, সন্ন্যাসী অদুনা মাগী মথোং রেৎথংবা অদুনা ঐগী নুংগী সিড়িথক্তা মম-থরকপদু ঐতোন্দা কাওরকই।

মাগী মাহু লোইরদুনা সন্ন্যাসীনা হায়রকই— "নমতদা কনানো উথিবদু ঐতোন্দা হায়য়ু।"

মথুং লোম্মরদুনা মহাক্লা হায়জরকই— "ঐ ওরজরোই।"

মহাক্লা তকশিল্লকখী— "মহাক অদু কনানো ঐতোন্দা তাকপা তাই।"

মথুংতু শ্রু শ্রু লৈরদুনা মহাক্লা খুমথি— "হোই, হায়জবদা তারে।"

অদুদগী কপ্পা কপ্পা, "মহাক অদুদি নংনি ইবুঙো!" হায়রদুনা ঐগী নুং ভাক্তা ভাইরবা লৈমাইথক্তা মমাই উপ্পা তুশিল্লদুনা হিক্লা হিক্লা কপথংলকলে।

মহাক্লা জ্ঞান তারকদুনা হৌগতদুনা কয়রবদা, সন্ন্যাসীদুনা তপ্পা তপ্পা হায়রকই— "নংনা ঐবু অমুক হন্না উদনবা মকম অসি থাদোকদুনা ঐ ভসি অহিং চৎলগনি। ঐদি সংসার অসিগা মরি লৈনদ্রবা সন্ন্যাসী অমনি হায়বসি থগউ। নহাক ঐবু কাউথোকখিবা তাই।"

কুঞ্জমনা খোজেল ভথা থুম্লকই—"ইবুংঙো, মাহ্ন ওইগনি।"

সন্ন্যাসীনা হায়খি—"ঐ চংগে।"

মা অমত্তা ভাবেদনা কুঞ্জমহু থুরুমলে, মকোক্তা মাগী থুক্ উমুপহু লৌরহুনা হাপকথ্রে। এহাক মকম অহু থাদোকড়ুর চংখ্রে।

থাম্ন তাখ্রে; অহিং অদুগু অস্থব অস্থুব মরশিন্নকলে। উশিংদা জম লাউবা মখোল অমা ঐহাক তাখি। অমম্বা মরক্কুদা ঙুং-ংনা অভিয়াদগী থবানমিচাক পুম্নমক ছুমদোকখ্রগে মতাঙুম উ উ হন্নকলে।

লোইরবা

